ফোঙজরিবশিং — বেবী-থারিকথা-নাওবা-ইবেচা

ফোঙবা চহী — ১৯৯৬

কপি মশীং—

মমল— লুপা ৩০

নমফম— আর বি প্রিন্টিং হাওস

নাগামপাল, ইম্ফাল।

লাইরিক ফংফম—

কে পী স্টুডিও

কাকৈথেল, থোকচোম লৈকাই

ইম্ফাল।

খুড়া ইবুংঙো

জননেতা ইরাবত মফমলাং

কৎচরি

ঐগী চল্লবা রারেং "মুক্তা পরেং"

ৱাহৌদোক

তাং ১৫ । ১ । ৫৯ ইংদা ইবা লোইখিবা খুৎই লাইরিক্কি । অঙাংশিংগীদমক খন ইখিবনি । মতম অহুদা ঐহাক ওজা ওইরি । ওজা চায়বসে নংত্তি পণ্ডসু পণ্ডি । ছাপা তৌহুনা লাইরিক ফোঙগে হায়বসে খল্লুদে । খল্লবসু ফোঙনবা শেল লৈত্তে । ইরগা অহুম থমজিনখি । নোংমতা হন্নবু রেংলুদে । চহী অহুমকী হায়বদি ১৯৫৯গী নবেম্বর থাদা ঐ ওজাগী কম থাদোকুনা অফিসার ওইখি । ওফিসার ওইপ্রবা মতুংদৈদি লাইরিক ইবৈ রাখল লৈখিত্রে । অফিসরোমদা মায় ওনশিনপ্রে ।

ইং ১৯৫৯ গী মতুংদা শাথীরবা ঈচাও অনীরক মণিপুরদা থোকখি । য়াম্না শাথীবা ঈচাওনি য়ুম কৈ লোইনা থুমখি । ঐগী লৈজবা লাইরিক লাইও অরুবা চে চাং ওম্না ঈশিংনা থুমহুনা মাঙখি । ঈশিং থুমদবা মফমদা থৈদোকহৌবসু নংহৌদে মী লৈজদবনে করিনে ।

হৌজিক ঐ অফিসার ওইদ্রে । পেন্সন ফংলে'। হকচাংসু শোত্রে । লৈরিবা চে লাইরিক থরসি খন্দোক খনজিন তৌরগা অকবা কারগদবা মথৈনা অঙাংশিংনা শীজিন্নহৌনবা অহুগা কারদবা মথৈনা খন্দোক্লগা মকম চানা থমগে খন লোইশিন্নি । হন্দক্তা ইং ১৯৯৫ গী আগস্ট থা হৌগৎলকপদনি । ঐদি পোৎ অরেম্বদা থক মাঙহল্লে । মকম চানা শীজিন্নৈ । মৈ থাদোকুনা অরেম্বদা মাঙহনবা পামদে । ঐগী হৈনবীসু নত্তে । চে মচা মচা পোৎ

অচৌবা য়োম্বা য়ান্নোইদবা মখৈ পানদোকান্দা মহোয়গী পানা কা মতপ য়োম্নবা হেক হেক পী। মখোয়গী হন্নাওই ঐস্নু শীজিন্নখম চানা শীজিন্নরে থন মুংঙাই।

চে মচাশিংসু খন্দোক থনজিন তৌর্বদা থেংনৈ ঐগী থুংই লাইরিক মচাসি। ফংবদা কয়াম হন্নাওই ঐ। বোই মচাশিন্না করম তৌনা করিগা নম্মহুনা ঈচাও অনীম্বদৈ হিংহৌরিবা ওকপা থেংনে স্নুকনীং নীংশিংলুম্রবা কাউত্রবা ঐগী থুংই লাইরিক মচা। পাঙবদা নীংশিংলকই মথং মথং আশা চাউমা ইঙ্গিবনি অঙাংশিংগী-দমক থন ওজা অমা ওইনা। হান্নরিবা মতমসি চহী ৩৫/৩৬ কী মমাঙদা ইখিবা মতমতুদা থোকখিবা থৌদোক মাথোক্কা চুমনবা চাননবা ইজখিবনি। লাইরিক মচাসিবু ছাপা তৌহনা কোঙদোক্লম-ল্লবদি অঙাংশিংগী মফমদা লমন অমা তোনবা তারে থন ছাপা তৌজবনি।

ঐগী লাইরিকশিংগী ছাপা নকম আর, বি, প্রেসনি। প্রেস মেনেজারনা ঐগী ইবুং থুমজম রাসবিহারীনি। ঐনা মথক্কা পনজখ্রিবা ৱারম ময়ামসি হায়জরগা থর থুনা নম্বীদু করিগুম্বা অহল ওইরমখনিনা কোক হেক শিদোকপ্রবদি লাইরিক অসে ছাপা মখোইদোরোই হায়জে। মহাকসু অহল ওইরম্লবনিনা ঐনা থবক্তক থনবা তাম্ম মহোশাদৈ মাম্মা হেন্না থুনা ছাপা তৌবা লোইশিনখই। থুনা লোইমনহনা ওকখি। ছাপা নবা লোইরহনা খোঙজরিবা অসিনী।

১৯৯৬ প্রকাশিকা

হীরম	লমাই

মুক্তা পরেং

মীহৌরোন

পৃথিবী অসি কয়য়া ওইরকপা অমস্তুং পৃথিবী অসিদা মীওইবনা করম্ন পোকলক্লুনা লৈরকপা হায়বা অসিগী ময়মদা ঐখোয়না য়াম্না খণ্ডনীংঙি। জগৎ অসিনা মতৌ করম্না ওইরকলিবনো হায়বসি তশেংনা কনানস্থু হায়বা ওম্ন্ত্রি। পাউখোংগী মতৌশুম লৈরি। অতুম ওইনমক হৌজিক্তি ঐখোয়না খণ্ডনীংলিবা মীহৌ-রোনগী রারী অসি খণ্ডনবা হোৎনবদা বিজ্ঞানা য়াম্না ত্তেংবাংবিরে।

পৃথিবীদা মীনা হেক পোকলকপদে হৌরম্নুনা মীওইবৈ লৌশিং হায়বসি মীগী রাখলদে থোকখিবনি। মীনা পোক্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি করিমতা খণ্ডনরমদে খণ্ডবা ওম্বস্থু লৈরমদে। ঋক বেদদা অস্নুম্না হায়রি—জগৎ অসি অহানবদা পুমমম মল্লম্মী, ইহাও হাওনা লৈরম্মী। করিগুম্বা পোৎশক অমতা মরেক শেংনা উবা ফংলমদে। অহুদৈদি করিগুম্বা মৈগী অকনবা শাফু শাথেং অমদে ঙাম্হোরক্লুনা গ্রহশিং অসি থোরকখি অমস্তুং উবা ফংখি।

অসিগুম্বা মৈগী থৌদোক অমদগী পৃথিবী অসি থোরকপনি। মতম অমদা হৌজিক লৈরিবা পৃথিবী অসি অচাকপা মৈ মতুম অমগুম্বী। সৌরজগৎ মপুংয়ায়দা লম্নহুনা লৈরিবা গ্রহশিংগী মরক্তা পৃথিবীসু অমনি। ঐখোয়না তাবা রারীদে খণ্ডবা ওম্মী মহুদি

পৃথিবী অসি মৈ মতুম অমগুম্নম্মী। সুমিংনা অতৈ অতোপ্পা গ্রহশিংগা থেঙ্গায়নবরৈ সুমিংতগী মৈ মতুম অমগুম্না পৃথিবী অসি থোরকপনি হায়। সুমিংতগী থোরকপদা ভায়রিংদা পৃথিবীসি মৈ মতুম অমগুম্না চাকলম্মী শারম্মী। চহী কোটি কয়া কয়া হৌপ্রবা মতুংদা পৃথিবীগী লৈমায়দা চাকলম্বা মৈ ভম্না মুংখি। অতুদগীদি পৃথিবীগী লৈমায় অসি উৎ লৈঙোই, তাম্বী ঙাক্তনা কুপশিন্দুনা লৈহৌরে।

অদুগী মতুংদা পৃথিবীদা নোং য়াম্না চুথরকখি। অকনবা নোংজাওনা চুথরকপদা উৎ. লৈঙোই, তাম্বী ভম্না তাউথোকপ্রে। মুও অমম্নুং অকনবা লৈপাক্তি লেঙদনা লৈহৌরে। লেঙদনা লৈহৌবা য়য়াম অতুনা চীং অমসুং চীংজাও ওইপ্রে। অকুৎপা লমদনা ঈশিং তুংপ্রে, সাগর মহাসগর ওইপ্রে। অশাবা উৎ, উফুলনা থম্লবা পৃথিবীগী লৈমায়দা নোং চুথরকপদা অঙকপা ঈনিল কাথৎ-লকুনা লৈচীন কুপ্তনা থাবগুমখি। মমৈথঙদা লৈচীন মরক্তা সুমিংকী মঙাল ফাওরক্রে। সুমিংকী মৈশাদা লৈচীন অপুম্বা মাঙখিরম্মী। অসিগুম্বা থৌদোক খরদে ঐখোয়গী যীরুবা গ্রহ পৃথিবী অসিগী মশক মওং শেংনা উবা ফংখিবনি।

অসিগুম্বা পৃথিবীগী অঙকপা খোঙচৎ অসিদৈ য়াম্না ঙকপা থৌদোক অমা থোক্লক্লে। পৃথিবীদা লৈরম্বা পোৎশক অমদৈ সুমিংকী মৈশা ফংতুনা মথম্নায় পানবা তীল জাৎ অমা পোক্লকখি। তীল অসি পাক চাউরবা সমুদ্রগী ঈমায়থক্তা তাউতুনা লৈরম্মী। হায়রিবা তীল জাৎ অসিনা সমুদ্রগী ঈয়ায়থক্তা মতম কয়া কুইনা

তাউহনা হিংহনা লৈবা হুম্বগে অমদি মখোয় অসি চহী করাগী মমাঙদৈ লৈরক্লবনো হায়বা অহু কনানসু মুন্না খঙবা ঙমদে। তীলশিং অসি অথেনবা ঈশিংদা মরুম কোকই। ঈশিং অথেনবদা অমদি লৈরায় মপান্দা হৌবা নাপি শীংবিগী মপাল, মনা উহয়ন-চিংবা চাহনা হিংবা মাল্লি।

মমৈথংদদি তীলশিং অসি মখোঙ পাল্লক্লে। সমুদ্রগী ঈরেলগুংগী লৈমায়থক্তা চৎলে, ওয়া থোইনা লৈরে। অহুদৈদি শরু ওাক পান্দবা ঙা জাৎ অমা ওল্লক্লে। তীল খরা অমদি মকু পাল্লক্লে। সমুদ্রগী ঈমায়থক্তা ঈরোইদুনা লৈরে। মখোয়হুনা ঙা হায়বসু ওনথ্রে। তীলদৈ পাম্বী ওনখিবা জাৎ অহুদি সমুদ্রগী ঈরোলশুংদা হৌহনা লৈবা ঙম্মদে। মখোয়না নারক, যোংশোং, লৈকুৎ লৈরায়দা হৌখি। খরনা অচৌবা চীংজাওগী থেলদা, লোকচপতা হৌখিবসু য়াউই।

পাম্বীশিং অসি নোংমা নোংমগী মশীং হেনগৎলকলে। ঈশিংগী ঈথক্তা, মুংশিংনা পাম্বীশিংগী মরু মরাঙ সুখিহনা পৃথিবী শীরু থুংনা হৌহনখি। মতমগী খোঙদৈ মতুং ইমা ফজ ফজরবা পুম্নীং হুনা নীংথিরবা উমং মচা মশা হৌগৎলক্লে। পাম্বীদা ফজবা হৈরাং পাল্লক্লে, নীংথিবা লৈরাং শাৎলক্লে। "তীলদৈ ওনখিবা তীরু কাঙ, উচেক রায়ানা লৈদৈ লৈহী চুপতুনা পাম্বীদগী মরু মরাঙ চাহনা হিংনথ্রে।

ঈশিংদা লৈখিবা ঙাশিংগী মরক্তগী খরদি ঈশিং মনুংদা লৈকা হৈনরক্লহনা কংফালদা কাথৎলক্লে। কংফালদা কাথৎলদুনা

হিংনবগীদমক মুংশাঙ্বর হোল্লকই । মরু হোন্নোক হোনজিন তৌবদা থুদোং চাহল্লবগীদমক থম্বোম্বী পাল্লক্লে । অসিগুম্বা মথলগী জীবশিং অসি কংকালদম্রু ঈশিংদম্রু লৈবা ওমলগী । কংকাল ঈশিং অনী তুনা লৈবা ওম্বা জীবশিংগী মরক্তা হঙোইশ্রু অমনি ।

অসিগুম্বা জীবশিং অসিদে অমুক ৎরদি ঈশিংদা লৈবদে কংকালদা লৈবনা হেন্না হৈনরক্লে অমম্রুং লৈরক্লে । হায়রিবা জীবশিং অসি মপূক্না শিংতুনা চৎপা জীবগী (রেপটাইলস) জাৎনি । মখোয়দি মপূক্না শিংতুনা নাপি মরক্ত', অপেৎপা লৈপাক মথক্তা চৎলি অমম্রুং লৈ । অহুদগীদি মখোয়গী মশা অহু অম্রুম অম্রুম চাউখৎপা হেনগৎলক্লে. মখোঙম্রু অচৌ অচৌবা পাল্লক্লে । হায়রিবা জীবশিং অসি শামু অমম্রুং উটতগী শক্লক তক্লকলোম হেন্না চাউই হায়নৈ ।

উপাম্বীদা লৈখিবা রেপটাইলস জাৎ অহুদি চৎননবা মখোঙদা মঙনা উপাল অমদে উপাল অমা লাম্না পাইননবা মশাম্রু পাল্লি হায় । মখোয়গী মউনগী শক্লক থরদি চিংথোক চিংশিন য়াবা মতু মরাঙনা কুপ্পা শক্লকনি । মহুনা মমৈথঙদা মখোয়গী মশা ওইপ্রে । মখোয়গী মমৈদি লয়নীংবা মায়কৈদা লয়বা য়াই । অসিগুম্বা উপাম্বীদা লৈখিবা মথলগী জীব অসি হৌজিক ঐখোয়না উচেক হায়না খঙনরিবা জীবশিং অসিগী মপীনি ।

থোদোক থরদৈ অমম্রুং ঈশিং মুংশিং হোংলকপদে অচৌ অচৌবা রেপটাইলসশিং অহু শিপ্রে । অহুগী মতুংদা পৃথিবী অসিদা অতোপ্পা রেপটাইলস জাৎ অমা থোয়রকুনা লৈরম্রে ।

মখোয়শিং অহু ম্যামালস্ হায়বা জাৎ অহুনি। ম্যামালসতি মচাবু মখোম পীথকুনা য়োকই। মখোয়সি ওাগুয়া মকু পান্দে। উচেককুমস্থু মতু হৌদে। মশাদা য়ায়া কুম্না মতুদি হৌই। মখোয়গী ওক্লবা হৈনবী মনাৎ থরা লৈ। মহুনা শা ওা অতৈগী মথক্তা পানবা ওয়্ম্মী। ম্যামালস অমোমদি মপুক মহুংদা মচা পুই। মখোয়গী মচাশিং অহুস্থু অইও অশা থেংনবা ওম্মী। মচাশিং অহুনা মমাদৈ হিংননবা মরম খুদিংমক তম্মী। ঐখোয়না উরিবা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা অমস্থুং শায়োক শওদা লৈরিবা শা ওা পুম্নমক উচেক য়ায়া পুম্না ম্যামালস্ ওাকুনি।

ম্যামালস্ জাৎ ময়ামদৈ জাৎ অমথক্তি খ্বাইদৈ থোইদোক হেন্দোক্লক্লে। অস্থুম অস্থুম মওং হোৎলকুনা মীগী মওং মাল্লক্লে। মাগী মমাওগী মখোও অনীনা মচিঞ্জাক থিরে, পায়রে। অস্থুম অশুম তোয়না শাদানবা অমদি মচিঞ্জাক থিবদা শীজিন্নবদৈ খুমাও অনীত্থু খুৎকুম শীজিন্নবা ওমশিল্লক্লে। অহুদৈ অরাবা কয়া খাওলবা মতুংদা খুহুং অনীনা লেপ্পা হৈরক্লে।

অসিগুম্বা ম্যামালস্ জাৎ অসি য়োং মাল্লি। য়োং মাল্লবস্থু মখোয়না য়োংদৈ থর হেন্না মশা চাউই। মখোয়দি মথল খুদিংগী ঈশিং মুংশিংকপু পকনৈ। জীব অতৈগা হিংননবগী লানফমদা মায়োক্লবা ওয়নবৈদমক মখোয়দি পুল্লপ চৎলি। মখোয়না করি-গুম্বা খুদোংথীবা অমা থোক্লবা য়ারে হায়না চিংনরবা নক্রগনা খওলবদি মখোয়গী মচা মগুশিংদা চোকশিন্নবৈদমক ওংভি, লাউ

খোংথি । মখোয়না ভংবা, খোংবা অহৈদে হৌজিক ঐখোয়না ভাংনা শকরিক্না রাইহেশিং অসি ওইখিবনি, লোল হায়রবসি খোকখিবনি।

অসিগুম্বা পীরবা মতু ময়াং চোম্বা জীব অসিমা ঐখোয় মীওইবগী ইহান হানবা ইশা ইপুনি।

বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর

চহীচা কয়াগী ময়ুংদা মী লাইলোক অমমম পোক্লকই। মখোয় অদুনা জাতিগী ধর্ম্ম, সভ্যতা, সংস্কৃতি শয়া হায়রবদা জাতিগী থরায় মশক তাক্লে। মখোয় অদুদি থায়নগী ভারতবর্ষদা হায়রগা কবি বাল্মীকি, গ্রীসকি হোমার, ফ্রান্সকী রুসো, রুসিয়াগী টোলস্টয়, ইটালিগী ভার্জিল, জর্ম্মনীগী গ্যাথে, হৌজিক্কী ভারতকী রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর। প্রোঃ সর্বপলী রাধাকৃষ্ণননা রবীন্দ্রনাথপু হায়খি 'ভারতকী অমুক হন্না নৌনা হৌগৎলক্লিবা কলা বিদ্যাদা মহাক্তি ময়ায় লেপ্পনি, থোইদোকপা শক্তমনি।" ভারতনা মহাক্কী মত অমস্তুং থরায় য়াওনা মীংজবা. থায়নগী কলা বিদ্যা অমস্তুং মতমগী রাহং কয়া মহাকপু কোওদোকহল্লি,—মথল খুদিংগী কলানা খুৎলায় ওইরগা। করম্বা মওংদা—লাম্বা লৈতনা ফজবা মওংদো। রবীন্দ্রনাথতি মহৌশা লাইরেম্বীগী অচানবা মপাম্বিনী।

পোকপনা মে থাগী তাং ৭ ইং ১৮৬০ দা কলিকাতাগী মঙ্গুংদা লৈবা জোরাসাঙ্কো হায়বা মকম অদুদা সংস্কৃতিদা চাওখৎলবা বাঙ্গালী পরিবার অমদা। কবিতা, ঈশৈ নোংমাই জগোয় অসিওবা কলাগী মচাক ভুনা লৈরবা ইমুংদা কলাগা য়াওরতুনা চাউরকপনি। মতমগী চৎনরিবা ধর্ম্মদা থাজবা ইমুং ওইবনা মহৈ তম্বদসু ধর্ম্মগা মকশিরে। রবীন্দ্রনাথতি মশামা কয়া হৈনদবা মওং অমদা স্কুল তমহনকই। মহাক্না তম্লকপা স্কুল, ওরিএন্টল সেমিনরী,

অমসুং কলিকাতা নোরম্যালনা মহাকপু মতম কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বা ওম্লমদে। মহেি মশিং মপুং ফানা তমহনবৈদমক মহাকপু ইং ১৮৭১ দা ইংলণ্ডদা থায়। ব্রাইটন স্কুলদা মতম খরা তম্লগা লন্দনগী ইউনিভরসিটি কলেজদা মীং চল্লি। মপোক্কী পীথোরক্লবা রাখল খনগনবা, মনীং মখা তম্বা থম্মোয়, থুনা পানগনবা পুক্লীং পুম্নমক অসিবু ইউনিভরসিটি কলেজনা নমথহুনা থম্বা ওম-লমদে। পুক্লীংনা খোয়দাবা লম্বীদা কবিদি চৎনীংলম্মী।

রবীন্দ্রনাথপু পোকপা মহর্ষি দেবেন্দ্রনাথত্তি মরল মথুম লৈবনি, সংস্কৃতিদা থরায় য়াওবনি, লম কোয়গনবনি। পীকলিবা নীপামচা রবীবু মানা লম কোয়বদা তত্তনা লোয়নৈ। অহূনা রবী-ন্দ্রনাথকী পীকলিঙৈগী মরূপতি মোমোন নোক্তুনা শাৎলিবা লৈরাংনা লৈতেংলবা লৈকোল, থেকনা খোয়না চেল্লিবা তুরেলগী ঈচেল, ঈচেল মচা কয়া কয়াগী মুংশিবা শৈশক, কোরৌহনবগা লমঙ্গেল তাম্লরিবা হিহোনবা, বাঙ্গলা দেশকী খুঙ্গংদা খুন্দাহুনা লৈরিবা চম্লবা লোমী শীনমীশিং অসিনা মহাকী মরূপ ওইরকই। অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সীদা থেংনরকপা অসিগুম্বাময়াম অসি মহাকী কবিতাদা মপুং ফানা মমি তারি।

১৮৮৩ দা লুহোংঙি। ১৮৮৮ দা মচানীপা রথীন্দ্রনাথ পোকই। মথংদা অরাবা পরেং অমা হৌনহুনা লাকই। ১৯০২ দা মুপী শিখি। মচানুপী য়াইমনা ১৯০৪ দা শি। মপানা ১৯০৫ দা শি। অহূগা ইতোন তোনবা মচা মুপানা ১৯০৭ তা শিখি। ময়ামহু থেংনবদা রাখিবা ময়াম অদো মহাকী "খেয়া" না তাকলি।

শীরবিন্দ্রনাথনা লৈবা মতাংদা মহাক্না শাগৎখিবা মালেম ঐশ্বর্য্য, সাহিত্য, রাজনীতি অমসুং সামাজিক জীবনগী মাওংজিন থংনা লেপতুনা লাক্লি। মতম অমদা মহাক্না সমাজগী লুচিংবা ওইরমমী। ভারতবর্ষগী অমদি বঙ্গদর্শনগী সম্পাদকশু ওইরম্মী। অদুগা বঙ্গীয় সাহিত্য পরিষদগী মহাক্না শেম্লমদ্রি। মহাক্না লাইরিক ময়েক হেক্ক থঙ্-লকপদে হৌখিবা কবিতা ইবা হৌখি হায়বা য়াই।

মহাক্না পুন্সীগী অহানবা কবিতা চহী ১২ দুবদা ইখি। মতম অতুদে হৌরকখিনা শাংলবা চহী ৭০ অসি উনগী অচৌবা চাংদা এদে চেন্নরকপা তুরেলগী লাইজ ঈচেলনা অতুং অথম নাইদনা মতম চুপ্পা ঈচেল কয়া চেনবগুম মহাক্কী লৈহাও চেন্নবা কুলমদে অতংপা লৈতনা, কেন্নরকই—রারেং, শৈরেং, লীলা, রাম্রী কয়া কয়া। পুম্নমক চাং লেয়া হঞ্জবা ঙাক্কনি। মহাক্না ইবুংগা রান্নী লাইরিক ময়ামগী মমিংদি থারক্কুনবু কান্নদে লোইবা ওমলোই।

ইং ১৯১২ দা মহাক্না ইউরোপতা চংলি। মহুত্না মাগী ইউরোপ চংপগী অহন্নরবকপা খোঙচংনি। মফম অদুদা মান্না য়িটস, স্টোপফোর্ড ব্রুক, নেভিসন অমসুং অতৈ অকোয়া কুয়াগমু উনখি। মখোয়শিং অহনা রবীঠাকুরগী লাংলবা কবিতাশিং ঈচেলবু উবা কংলবদা থাগৎকনা লৈরা ওমখিদে। [illegible] [illegible] [illegible] খুদং রাংবা প্রাকৃতী য়াথং, খাইদে চুবা, খাইদে শেংবা [illegible] [illegible] ওইবা ঙাকম ঙাক্কনি। অাইবাং মীওইবনা ইনগিবা অসিদগী অথোইবনি হায়নৈ। অদুনা লাইরিক মচা অসি লোয়নবা [illegible] কংবা মতীক চাক্কনি। মরিদা রবীন্দ্র গুরুনাথ্য ঐৱাতে।

মহাক্কী কবিতাদা ঐখোয়না কংঙি মীওইবে ইদ্রিগী অরা হুংঙাই মথল ওনা। মীওইবে পূর্ণীংগী কীঙম—ঈখোলাংবা হুংশিবা, অরাবা, হুংঙাইবা, হরাওবা, থম্মোই শোকপা পুম্নমক অসি মথল মথেল নাইনা থোইদোক হেন্দোকনা কন্না মাগী কবিতাদা কোওদোকই। ইমা ভারতীনা শেখনবদা বাঙ্গলা সাহিত্যনা শৈতল্লিবা অসি রবীঠাকুরগী থোইদোক হেন্দোকপা মতীক মঙাল-ননি। মহাক্কা বাঙ্গলা সাহিত্যদা চুরম্বা মৈরীগী মৈঙালনা বাঙ্গলা সাহিত্য ঙানবনি।

মহাক অসি ইচম চম্বা কলপনা দেবীগী মপারী অমা ওইহুনা মখোল হুংশিগ্রবা উচেক অমনা খোননেম খোনরাং ইপোম লাং ঈশৈ শকপঙুম শকলমবতা নত্তে। মীওইবে পুন্সীবু কবিগী অঙকপা শক্তিগী মীংয়েংনা মহুং মপান কাওনা য়েংলগা থবক্কা উংতুনা পুন্সী মশক তাকলম্বনি।

মহাক্কা থল্লম্বা রাখলদি পৃথিবীদা য়েৎনহুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফিদম রাখল পুম্নমক অসিবু অমতা ওইনা পুনশিনবা ওমগদবা থৌরীদি সংস্কৃতননি হায়বসিনী। অহুনা সংস্কৃতি অমস্তুং শিক্ষাগী নৈনফম মফমদি ভারতবর্ষদা ওইহনবা হায়বা চাউরবা মঙ অসি রবীঠাকুরনা মঙলম্মী। অসিগুম্বা মঙ অসি ইং ১৯০১ দা বিশ্বভারতী লিংথংতুনা মঙফাওনহনখি। হৌজিক্তি বিশ্বভারতী মপুং ফারবা বিশ্ববিদ্যালয় অমা ওইরে। হৌজিক্কী যুগকী মালন্দা ওইরে।

বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরদি কবিতাগী কুন্দা শৈরেংগী

জগৎর্তা তাউজহনা মণ্ড মঙজহনা লৈজবা মীওইনি অহুবু উপায় লৈজব্রবা নংলবা মরৈবাকী মীবু অমদি মাগী মজাতিবু ইকায়খা পীরবদি মহাক তুমিন্না লৈখোক্তে।

ইথোয়কই থোৎনা মেঙলবা ঈংলবা সুরদা। অহুবু অমবা সুর অহুনা লালগী অকনবা খোল্লাউদৈ হেন্না কন্না লৈথাক থক থক নীকইল্লি। মরৈবাক মজাতিবু হুংশিবা প্রজাগী থম্মোয়দা পোকহল্লি। জাতিগী মনীং মথা তম্নবগী লানফমদা মহাকসু শরূক চপ চানা য়াথি হায়বসি খ্বাই খুদিংনা য়ানরবা য়াফমনি।

কবিগী পোক্লফম লমদম কলিকাতাদা লৈবা জোরাশাকোদা হল্লকপা মতমদা ইং ১৯৪১ গী আগস্ট থাগী তাং ৭ তা মশাগী চহী ৮১ শুবদা পুন্সীগী অরোইবা য়াহিপ তানথি।

রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগা চাংদম্নীংঙাই কনাসু লৈতে। থাগৎপতনা রাংলগনি মহাকী মগুনতনা মহেল্লগদবনি। মহাক্না বাঙ্গলা সাহিত্যদা তৌরম্বা দান বাঙ্গলা সাহিত্যদা নত্তে ভারত অপুম্বৈদমুনি মহাক্না তৌরম্বা দানবু কনানা শীংথাহনা লোইবা ঙমগনি? কনানসু ঙমকম থোক্তে অহুগী মথক্তা চপ চানা কোঙদোক্লবা লোলসু থিবদা য়াগনি। মহাক্তি কবিতা কুঞ্জগী যুবরাজনি, মীওইবৈ থম্মোইস্লুংগী য়ারাবু ময়েক লানা য়েকথোকপা ঙম্বা অচৌবা লাইয়েকপানি, মরৈবাকপু হুংশিজবা মরৈবাকপু সেবা তৌবদা পেনজবা লৈতবা নীপানি. ঈশ্বরনা ঈশ্বরগী পাউতাক পুহন্নুনা ভারত মচাবু কন্নুনবা থারকপা নীপানি, লীলা ইবনি, পোৎকী অচুম্বা মশক উবা ঙম্বা, ঙঘতা নত্তনা তাকপীবা ঙম্বা নীপানি। ঐখোয়না মহাকপু পূজা

মোখল। কনাবু মেৎগনি ? অমসুং সাহিত্য লৈকোন্নবী মালি মুনিবু ঐখোয়না কাংকনবরি। মহাক্কী মপুনাকনা তায়না ইমাগী খোয় থুমমবা মুংশি মপাউখোনবু যুগ যুগ মথধা থোক্নাং লৈনহৌগনী- কিবনি। অতম পুম্মক্কা মোঙ্গনবা লৈরবা মহাক্কী কল্পিতানা ঐখোয়গী পুক্নিংগী মমকা লেপ্লগা লৈরা ওইনা তান্নবা নমজীংবিগনি। মীওয় কায়রবা মথোক্কী কুমাবু থেক্তিনরিগনি অমসুং মুংশা পীরিগনি মহাক্কী কবিতাশিংনা।

মহাত্মা গান্ধী

পীকলিবা শোল্লবা ইকায়থীগল্লবা, মতোমতগী মথিকাওবা কিৎরম্বা মুপামচা অমনা ভারতকী, ভারত জাতিগী মনীং মথা তম্বগী লানকম্দা ভাগ্যবিধাতা ওইরগনি হায়বা অসি চহী থরগী মমাঙদা কনাগী ভাবনা লাম্বা ফংলম্বগে ? মুপামচা অসে অতৈ কনাম্নু নত্তে মাগী য়েৌনা থনবা রাথল, অচুম্ববু মুংশিজবা, অহল লমন লাই গুরুগী মফমদা হৌনবী ব্যবহার কায়দবা, থকসি থাসি থত্তবা অমদি নোল্লুকপা লমচৎনা পুন্সী মৈরা চুথৎলকই মহাক্কী। কনানা মুথৎপা ঙমগনি ? জগৎ শীন্না ঙানথি। নোংমদোন থক্তা ঙামবা কোয়ৌ মাগী মঙাল ওই ঙানথি ভারত নন্দন কানন্দা। স্বর্গ য়েৌনা ঙানবনি ভারত নোংমদোল কোয়ৌ মঙালদো।

মুপামচা অসে অতৈ কনাপ্নু নত্তে - মোহনদাস করমচাঁদ গান্ধীনি। পোকপনা কাঠিয়াৱারগী পীক্রবা পোরবন্দর খুঙংদা ওক্তোবরগী তাং ২ দা ইং ১৮৬৯ দা। করমচাঁদ গান্ধী মোহনদাসপু পোকপনি কাবা গান্ধী হায়নমু থত্তনৈ। কাঠিয়াৱারগী পীক্রবা রাজ্য মচা রাজকোট হায়বতুগী দেৱান ওইরম্মী। কাবা গান্ধীদি মপুকচেল কাবা ঙম্বা মীনা লাকচবা ঙমদবা মীত্তানি। মোহনদাসনা মপাবু য়াম্না কিনা চৎলম্মী।

কাবা গান্ধী অমসুং মহাক্কী সহধর্ম্মিণীদি ধর্ম্ম কর্ম্মদা থরায় য়াওবা থরায় নুপ্পা মীতা ওইনা ভোরম্মী। কাবা গান্ধীনা মশা

নায়হনা ফম্মুংদে হৌগৎপা ওমত্রবা কাওবদা মরূপ মপাংশিংগা লোয়ননা ধর্ম্মগী রাগী রাজাই শাবদি লেপ্পা ভৌরমদে। অসুম্না ধর্ম্মগী মরমদা নৈনবসি মোহনদাসনা মপাগী ফমুং মনাক্তা ফমহনা য়াম্না মুন্না মুন্না তাশ্নী।

গান্ধীপোকপী পলেম্না তৎতনা পাউতাক পীহনা মোহনদাসকী থম্মোয়সুংদা অচুম্ববু পাঙ্গা অমসুং সুংশিবা পোকহনখি। মমাগী বুদ্ধি লৌশিংদা চণ্ডখোনবা, খঙগনবা, পূকচেল শেংবা, মথৌ থংবা পূম্নমক অসিগী অশেংবা মমি অদো নৌরিবা মোহনদাসকি লুরবা থম্মোয়সুংদা ময়েক শেংনা তাখি।

মহাক অসি অহুক হাক্লা ফনা হৌথবা ছাত্রাদ নত্তে। মশাগী চহী ১৭ হুবদা মেট্রীক পরীক্ষা ওমলবা মতুংদা বিলাটতা আইন তম্বা চৎখি। মহাক্না ব্যারিস্টর পাস তৌরগা ভারত্তা অমুক হল্লকই। ইংলণ্ডদা লো তমলকপদা নত্তনা পুন্সীগী অরুবা থৌদোক কয়াসু মহাক্না নৈনরকই। শেংগ থুম ৎোকশীন্না শীজিন্নবা অমসুং চম্না লৈবা তমলকই। অচুম্বা ঙাঙবা, চম্না শেং চাবা, চম্না লৈবা গুনশিং অসিনা গান্ধীবু পৃথী খঙহনখিবনি। মহাক্না বিলাটতা লৈরিঙৈদা শা ঙা চাদে। চুমতা চানীংদবনা মরম ওইহনা চাখিদবা নত্তে। মহাক্না মমাদা ৱাশক্খিবা মতুং ইন্না চাদবনি।

মহাক ভারতদি উকিল অমা ওইনা মহৈয় য়ানখিদে হায়রবা য়াই। ইক্লায়হনা ৱা নীংথিনা ঙাঙবা ঙমদ্রবননি মহাক মশাসু ৱাকেম অমি খঙরখি। নোংচুপ আফ্রিকাদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগী

অমাবা মীওয়া গান্ধীজীবু মকপ্লিদা কৌখি। মখা অদুদা মায়াকপ্নু কয়ারক হৌরা ইকায়বা পীখি।

... মতুম ফংজিরা ইকায়বতুনা মরম ওইদুনা গান্ধীজীনা অপুম্বা অপুম্বা মরৈবাক্কীদমক্তা কৎথোক্লবা হায়রবগী অকনবা লৈঙ্গ্রবা কাংলুপ অমা লৌখি। মহাক্কী সত্যাগ্রহ আন্দোলনগী মওং অমসুং চৎনা হেনক্কী লৌশিং অসি থা আফ্রিকাদগী শীজিন্নবা হৌরকখি। মহাক্না ভারতা ইং ১৯১৪ দা হল্লকই। মতম অদুদা মহাক হীরম খোঙ্জেল খুদিংদা মপূকচেল কাবা ওমলে। শয়া হায়রবদা মহাক থাজৈশেংবা সাধু অমা ওইরে। বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা মহু উরবদা পেনগ্রদুনা "মহাত্মা" হায়না মিংথোল অসি পীখিবনি।

অহানবদা মহাত্মা অসি সাহেবপু য়াম্না থাগৎলম্মী। মখোয়বু অফবনি মপূকচেল চাউবনি মচিনগা মখুৎকা মান্নৈ অসুম্না থাজম্মী। গান্ধীজীনা সাহেবকী অাশিংনী ঈশৈ শকলম্মী, চাউথোকপা অমগা লোয়ননা ইউনিয়ন জেককতা হায়রদি সাহেবকী অাশিংগী নিশান্দা সালাম তৌরম্মী। ইং ১৯১৪ দা পৃথিবীগী অহানবা লানচাও লোইরকপগা লোয়ননা মহাক্কী হায়া লাম্না লৌরম্না থাখলদু মাঙগে। রাওলাট এক্ট পাস তৌরকপদা সাহেবকী মরৌ চাউরবা নীতি থওনতুনা খোনা ফনা আইন অদুগী মায়োক্তা চোংথোকখি। অদুমাক্কী পুন্নগী ইতিহাসতি ভারত মনীং মথা অদবগী লোয়না অকমবা লানফমনি। ইং ১৯২১ দা ইয়ান হানবা আইন অমান্য আন্দোলন কৌখি।

ইং ১৯৩০-গী পুম্নগী সত্যাগ্রহ আন্দোলন, ১৯৪২ গী "ভারত

থাদোক্লো" হায়বৈ আন্দোলনগী মহাকী পুন্সী নাইগী লাইরিকী মপুং কায়বা পন্দুপ অময়ম ওইরিবনি। মহাত্মাগী আন্দোলন পুন্নমক্তা খুংলায়দি অহিংসানি। "মহাত্মাগী হোৎনজমনগী মহৈ ওইনা ইং ১৯৪৭ কী আগস্ট তাং ১৫ দা ভারত মনীং মথা তল্লে। মহাত্মা অমা লৈবাকীদমক হোৎনগে মীংবা অতুগী ভমথৈদি য়ৌরে. কংগে তাল্লিবা অহুম্ন কংলে। মহাকপু মহুনা পেল্লবল্লা ? পেন্দে। পৃথিবীগী মী অপুম্ববু শান্তিগী লীপুন্না অমতা ওইনা পুনশিন্নীংলম্মী। মীওইবা সমাজগী মরক্তা কল্লক য়েংথীনবদে থোক্লকলিবা শা লান পুন্নমকঅসিবু তোকহন্নুনা মরূপ মপাং ওইবৈ মতৌ তৌহুনা চান্না চিন্না লৈবা মহাত্মা পামজবনি। পৃথিবীদা লৈরিবা মী পুন্নমক অহিংসা অমসুং অচুম্ববু মথোয়গী থর্মনি হায়না লৌগদবনি হায়বা অসি মাগী থাজবনি।

হিন্দুস্থান পাকিস্তান হায়নহুনা অনী থোক্লা ভারতপু থায়দোকখিবা মতুগীদমক ইমু নাইমু তানখিবা, ময়াম লৈজব্রা ভারত মচা কয়াগী থরায় মাওথিবা মহাত্মা থাওবা ওন্নমদে। পওলবা ময়াম লৈজব্রা চুপী অভাং কয়াবু তমথীয়বা কাওবুশিংনা শা ভাগী লমচৎ চৎতুনা শাথীনা ওৎ নৈথিবা পুন্নমকপু মহাত্মা থরায় শোক্লা নিন্দা তৌখি। মহাত্মা অহিংসা অমসুং প্রেমবু প্রচার তৌরম্মী। মহাক মশামক্তা য়েক্লবু মুংশিগদবনি হায়বা পুকচেল চাউরবা থুদম অসি উৎলম্মী। অসিগুম্বা মহাত্মাগী লাইরাশিং অসিবু থাই থুদিংমক্তা থরায় য়াওনা তাথিবরা? থরদি শাউবনা মৈ হুরখি। মথোয় অতুগী মরক্তগী অভাওবা অমনা ইং ১৯৪৮ গী জানুয়ারী তাং ৩০ দা

ভারতকী 'সনাকোন্থং' লিরী 'মপূন্নায়নবগী' মহাত্মাজীবু ভবখৌরবী লৌরবে ওনাবা কাপতুনা পুলাগী অয়োহবা য়াহিস ভাদহনখি। পূন্সিতুবী ভারত নৈকোননা তোরবিন শাংলবা নৈরাংলো কৈনখি হুমিংতুনা। অহুবু নৈরাং মাগী নৈনবাদি ভারত নৈকোন খুনো লৈহৌরি।

মহাত্মা গান্ধীজীগী মাজখাচ ভন্না অয়োহবা খোঙচংতা পুলাগী মী লীশিং লীশীংনা থৌগল তৌখি। মহাত্মাগী হকচাংনা উং ওনথরবদা লেমহৌবা মথাক অদো পুনহনা ভারতকী তুরেল খুদিংদা তর্পণ কংনখি মহাত্মাগী আত্মা শান্তিগীদমক। মতম অহুদা মহাত্মাগী মকমদা ভারত জাতিনা শাকম থোকপা ইকায়খুম্নবা পূন্নমক চিংথবা নৈতনা পীখিবনি। মহাত্মাজীনা থুপখিবদা পৃথিবীগী মীপুম খুদিং-মক্না তেংথানখি। জবাহারলাল নেহেরুনা তেংথাখি, "ভারত থাউমৈ মুংখ্রে" হায়না থম্মোয় কায়রবা খোনজেলনা। আইনস্টা-ইন্না হায়খি "মহাককুম্বা মী অমা পৃথিবী অসিদা তুংগী মীয়োলনা অমুক পোক্লকনি হায়বসি থাজবা ঙমদে।" বার্নার্ড শোনস্ু হায়খি, "মী য়াম্না ফনরবদি খুদোং থীবনি হায়বসি মহাত্মা গান্ধীবু হাংখিবা অসিনা অশেংনা তাকলি।" শম্না হায়রবদা পৃথিবীগী শাংথানবা য়াম্নবা মী লীশীং লীশীংনা নীংশিং খুদোল কয়া কয়া কংখি।

মহাত্মা গান্ধীজীগী পুক্নীংদা অকিবা তুমুংবা পোতনা অচুবৈ লমীবু চুমজ্রিংবা ইন্দুনো চংখি। মহাত্মা চংখিবা লম্বেলদি মোক্রে-চিশ অমসুং বস্টনা চংলবা লমীহুদনি। মহাত্মাগী শাংলবা পুলাগী

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওইদনা [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হোৎনরকপী। [illegible] [illegible]
মৈবোবাকী কি [illegible] শীঙ্খিকা [illegible]। মী পুম্নমক্কা [illegible]
নাইবগী কান্নবা অমসুং ভরেং নাইবসে অয়েক্পা পোৎশক [illegible]
[illegible] অমা নত্তে হায়বসে [illegible]। [illegible] থরক্ত্রিং অসি
[illegible] হোৎনবদা মহাক্না মশামক্না খাদীগী [illegible] শেৎচুনা, মশা
মক্না লং নাইহন্না, [illegible] ওইনা উৎতুনা [illegible]নি। পুল্লীদা অমাবা
কয়া খাওবা [illegible] হুংঙাইবা, [illegible] [illegible] হায়বসি মহাক্না [illegible]
খঙলি। [illegible] থোৎনেৎনদুনা তোম্না থম্লীবা [illegible]শিংগী অধিকার
[illegible] [illegible], মী ওইনা পোকলমসু মীওইবগী হুংঙাইবা হায়বদু
[illegible] [illegible] মীনা শোক পুমিন্নবা হরিজনশিংগী অমাবা
[illegible] হোৎনবদা মহাত্মাজীনা [illegible] খঙলিদে [illegible]
লৈখিদে। মমদা [illegible] শীন মচা মচা চাওখৎলবদি অমত্ত চাওখৎপা
য়ারোই হায়বদে মহাত্মাজী অংংৎপা থাজবনি। মহাত্মাদি মরাক্তা
লৈরিবা [illegible]-[illegible] ময়ামসিংগী [illegible]নি। ভারত মচাগী
মপুক্কীংদা [illegible] অবোৎ [illegible] শেংদোক্লবীংবে [illegible] [illegible]
[illegible] মহাত্মাজীননি। নোংপোক [illegible] লৈবা ভারত, ভারত
মচাগা চুননা মহৈ মশিং তমবগী চেৎলবা য়ুমফম থোনহনবদা
মহাত্মাজীননি।

মহাত্মাজীগী থুন্নীগী [illegible] [illegible] [illegible] পণ্ডিত
মতিলাল নেহরু অমসুং সরদার পটেলগী থোক্লবা হৈরনা মাগী

[illegible] মশাবক্কী [illegible] মহাক্কী [illegible] [illegible] [illegible]।

নোংচুপ [illegible] শিক্কানা মহাক্কপু মহৈ মশিং [illegible] মহাক্কি নোংপোক [illegible] [illegible] নোংপোক মচানি [illegible] নোংপোক্কী সন্তানশু নোংপোক্কী সংস্কৃতিবু মহাক্কা পাম্মৈ। ভারতকী মচানি হায়রবা মথরাইনা চাওখোকচে, শুংগাইজে, পেনজে। মহাক্কি মুনিনি, মহাক্কি ঋষিনি। শ্রীমদ ভাগবদ গীতাগী পাঠতাক [illegible] মানা থাজে ওমথে লৈতনা থাজে অমসুং মহাক্কী পুন্সীগী লেঙত্রবা মরূপ ওইনা থম্মী।

মী লীশীং লক্কানা মাগী মতুং ইল্লি. মহাক্কা তিরৈ তোংনৈ অহুবু তিন্নরিবা মখোয় অহুনা মহাকপু মশক মুন্না খঙবা ঙমহৌদে। মহাক্কি মখোয়গী মরক্তা অঙকপা অমা ওইহনা অতুম মরৈরি। মহাকনা মপানগী পাঙথোকলিবা থবক খুদিংমক মহাকী থম্মোয়সুংগী ঈশ্বরনা তাকপীরকপা মতুং ইন্না তৌবনি মরম অহু খ্বাইনা খঙদবনি। মসুংগী অরুবা ভাব অহু খঙবা ঙমত্রবসু ভারতকী মনীং মথা তম্বগী লানফমদদি মহাক্কা লুচিংলগতা মায়পাকনি হায়বহুন্নদি খ্বাইনা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি।

ভারতকী মনীং মথা তম্বগী লানফমদা মহাক য়াওদবা য়াখি-দবগুম ঙসিসু মহাকপু ঐখোয়না খোয়াংলি। মহাক্কা মরৈবাক চাওখৎনবৈদমক তৌরম্বা খোয়াঙ. তুংগী ভারতকীদমক মানা মঙলম্বা মঙ পূন্নমক মীচমগীদমকনি. মীয়ামগীদমকনি। মতুনা মাগী পুন্সীগী আশানি, পুন্সীগী লাইনীংনি। ভারত ইমাবু মহাক্কা মনীং মথা

ভনহল্লগী হৌজিক মথীং মথা অসবা ভারত খাঁচাবু চাঁউখংপা মুংওাইবে থাক্তা অমজীংবিসনবতি মহাত্মাজীগী নীতিঅনী।

নেপোলিয়ান অকনবা লাম্বেংনথি অরোইবদা মায়থীখি। হিটলার মহাকী মতীক মরাই মশালনা ইউরোপ অপুম্বা থক থক নীকহল্লগী মহৎ কংখিদে মশা মাওখি। গান্ধীজীদি অরাবা কয়া থাওখি মমৈথওদা মায় পাকখি। মহাত্মা চংলম্বা লম্বীদি অহিংসাগী লম্বীনি পূন্যগী লম্বীনি।

আচার্য্য বিনোবা ভাবে

কোলাবা হায়বা অসি বম্বে রাজ্যদা লৈবা জিলা অমনি। জিলা অসিগী গগোদা কোবা খুনং অমদা ধর্ম্মদা পুক্নীং থম্লবা ব্রাহ্মণ পরিবার অমদা বিনোবাজী পোকখিবনি। মহাকী মপা অমসুং মপা পোকপা মপু অদু ধর্ম্ম চেনবা মীত্তা ওইনা তৌরম্মী। মকাক্পু পোকচবী পলেম অদুসু অদুমক্তাই মপুরোইবা অমদি মকুনা ধর্ম্ম কর্ম্মদা মতোন্দগী পংহেন হেনবা নত্তে। অদুগা মাদি চৎনবীনি হায়দুনসু কাম্নদবা চৎনবীদদি হন্না য়েংবা তৌদে।

অঙাং ওইরিঙৈদা বিনোবাজীগী খুযাক ময়িশিং অদু উয়গা জ্যোতিষীশিংনা হায়রম্মী, "মুপামচা অসি লৈবাকী কান্নগবা লম্বীবু থি থিদুনা লমজীংবা ওইরগনি অমসুং মীওইবশিংবু শ্রীহরি-গুম্না মহাক্না ইকায় খুম্নগনি।" মরম অসিদে মহাকী মমিংবু "বিনায়ক নরহরি ভাবে" হায়না থোনখি।

বিনোবাজীবু পোকপা পম্থৌদি মথুং মশা হৈবা মীনি। মরম অদুনা পীকলিবা মুপামচা বিনায়কনা মপা ইবুংঙোদে মাগী অহানবা মহৈ তম্বা হৌখি। শেনভাও পায়বা ইনাক খুনবা কাওবুনা অতোনবশিংগী ঈ চুপ্পা উয়গা বিনায়কী থম্মোয়না থাওবা ওন্নমরে। অতোপ্পা মীগীদমক থবক তৌবগী রাখল অদু মতোন্দা নোংমা নোংমগী অসুম অসুম হেনগৎলকলম্মী। মহাক্না চহী তরা ওয়কপে অদুবাইদা রাশকখি—"ঐ ব্রহ্মচারি ব্রত ঙাক্তুনা দেশকী সেবা তৌগনি।" হায়না।

মুমদা মহৈ রশিং মরা অমুবা তুংদা কলোতাগী হায়স্কুল অমদা মমিং চলহল্লমী। মহাক্তি মহৈ তম্বদা মবুদ্ধি মরোশিং কবা অঙাং অমা ওইনা হৌরকই। থক মমলুং লাইরেকপদ মহাক থোকদোক হেনোক্না হৈবরমী। মহাক অশি লাইব্রিক য়াম্না পাম্বা শুকা মীতৈ অমনি। মহাক্না বরোডা স্টেতকী লাইব্রিক শঙলী মায়াঙ্গী লাইব্রিক পূম্মক পাথোকখিবা অতুনা আপী লাইব্রিক পাবগী শক্তিদী লৈতব্রবা প্রমাণনি। কা হেন্না লাইব্রিক পায়দে মতৌমংদদি মহাকী মমিং শঙ্ য়াম্না শোকখি।

ইং ১৯১৩ দা বিনায়কনা মেট্রীক পরীক্ষা পাস তৌখি। চহী অমগী মতুংদা মহাক্না বিদ্যার্থী মণ্ডল অমা লিংখৎলম্মী। মণ্ডল অমুগা মহাক্না হাপ্তা খুদিংগী তামনপী। মতম খরগী মতুংদা মহাকী ভাবনাগী পাউংক ময়ামদু অতাবশিংগী পন্নোয়দা মমি তাখা হৌরকই। মণ্ডল অমুনা মহাক্না লাইব্রিক শঙ অমা লিংখৎলম্মী। চান্দা থায়হনা চাওরাক্না লাইব্রিক ১৬০০ থক মহাক্না খোমজিন্নি। মতুংদা হায়রিবা লাইব্রিক শঙ অসি সবরমতীগী সত্যাগ্রহ আশ্রমদা কংথোকখি।

বিনায়কনা করিগুম্বা বিষয় অমদা বা তানবা নৈনবা য়াম্বা পায়রমী। বা তাঙবা, বা তান্না, বা পরবদা মাপী রাখল উচেল অতংবা নৈকনা চেৎই। লপীদা, লমথাক্তদা, লমলোক থবা য়াম্না ফাংবা মকমনা পী মপা অনা তিম্বুনা মহৈ লেংনরমবদি মহাক য়াঙ্ক রকনা তোক্কে। মহৈ লেংনবদা পুং কয়া হৌখিব। মহাক। থাহৌদে, চাবা থকপা ফাওবসু নীংশিংলমদে। করিগুম্বা মকল অমদা মহাক্না

মচৈ য়েক্তনবা শ্রেংজরমদি মী ময়াম্বা মতু ভাগদগী হেক্না কোরশিল্লী। অসিগুম্বা হীরকদা থনায় লুমনী মায়া মহাক্না মতম অয়াবনা নবুমদা খেঙনা খেঙনা হনজিল্লম্মী।

বিনায়কনা মচৈ মশিং অমুক্তিঙৈদা অমদি অগাং শুইরিঙৈদে হৌরহুনা কোয়ব। খোৎপা য়াম্না পামলম্মী। অত্তুগা মীতা পাবনী রাখলসু অপ্সুং পারগা নৈনটিন রাখলগু মসুম মমুম হেনগৎ-লক্লম্মী। ময়ামবশিংগা লোয়ননা মহৌশাগী ফজরনা থম্বা মহাক্না মকম থিয়গা গীতাগী মথমদা নৈনরম্মী। নোংমদা য়াম্বরবদা মহাক্না মাইকন তরামন্না চৎখিদনা হুমিং অমতা য়াওখিদে। অসিগুম্বা কোয়বা পাম্ব। অসিদগী শুরংগী লমদম ময়াম্বগা মহাক্না শকথঙনখি, নুংশিনখি। মহৌশাগী ফজবু নুংশিবা চায়না য়াম্বল অমু মহাকী থম্মোয়দা পোকখি। মহৌশাগা তোংনহুনতা নৈনা ময়াম্বা মশা মতম্ভু য়াম্বা ফগৎখি।

বড়োদাদা সেন্ত্রেল লাইব্রেরী থুলিখিবা মতমদদি বিনায়কতগি অচৌবা লনগৈ অম। ফংবগুম্বা পোকখি। কোয়বদগী থর লেমহৌরা মতম অমু মহাক। লাইব্রেরীদা শীজিন্নখি। লাইব্রিক তম্লম শঙ্গদরি কাবা হৌনে রাজপী অতুক কাবা ওইনা তৌই। তৌই-গুম্বা মহাকী মরক্তি ময়ৌশিংদি অমুকী মতৌক থোরদী মতুদি খজিন্নং পাবরা হেক্তা শঙবা ওম্মী। মপাগী য়াম্বং মতুং ইম্না মহাক্না করাগী লোলমু তমলম্মী।

লাইব্রিক তমজিন্নগী পুজাদা বিনায়ক রাখল মনগনবা গীতা ওইরকই। দর্শনগী রাখল পোকলকখি। দেশ দেশা পাম্বদ

মহাক্না স্বদেশকী পোৎ তাক্না শীজিন্নে। মহাক্তি লোন কয়ামকম হৈবা নীপানি। অমুম অমুম 'সিরক'গী মাখল পোক্লকই। মহাক্না ময়ুম থাদোকনীংবৈ মাখল পল্লকপা অহু উবদা মমা মপানা মহাকপু ময়ুম পানহন্নবা হোৎনরম্মী। মহাকপু নুহোংগ হায়হনা ভক্লথি মহাক্না য়াথিদে।

ময়ুম থাদোকপনা মরম ওইহনা মহাক আই, এ ভবা তোকথি। মহাক্না প্রমাণ পত্র পুন্নক মৈদা দান ভোথোক্লম্মী। অহুগী মতুংদদি মহাক্না কোয়গদৌম্নিবা লম্বীগী মওং মতৌ লাকশিনবা হৌরক্রে। মশাগী চহী ১৯ শুবদা মহাক্না মহাকী পুন্সীগী খোঙচৎ খোঙশানবা হৌরকই। নোংদৈ সুংশিংকী মতৌগুম্না চৎতুনা কাশী য়ৌথি।

মথংদা ভাবেঙ্গী শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা থরায় য়াওরক্রে। মতম অহুদা মহাত্মাজীনা সবরমতী আশ্রম লিংখৎপ্রে হায়বসি বিনায়কনা খঙথি। মরম অহুনা থীন্দনা মহাক মফম অহুদা য়ৌগ্রে। মফম অহুদা মহাকপু য়াম্না নীংথিনা ওকলম্মী। মহাক্না আশ্রমগী অকনবা ব্রতশিং অহুবু ইন্নায় লান্নবা ঙাকপা ঙমখিরম্মী। মহুৈদদি মহাত্মাজীনা মহাকপু "বিনোবা" হায়না কৌরম্মী। মতম অহুদৈ হৌনা মহাকী মমিং বিনোবা হায়না খঙনপ্রে। মতম খরা আশ্রমদা লৈরবা মতুংদা বিনোবা মহারাষ্ট্র কোয়গে হায়না খল্লহনা খোঙশান্দোরক্রে। অহুগা করিগুম্বা মফম অমদা মহাক্না সুমিং হমনীদে হেন্না থক লৈরমদে। অঙ্গুম্না থা অমক চুম্না কোয়রবা মতুংদা আশ্রমদা অমুক হন্নকলম্মী।

ইং ১৯২১সদা মহাত্মা গান্ধীজীনা ৱর্ধাদা আশ্রম শিংথংদুনা অদুগী বিনোবাজীনা আশ্রম অদুগী মতেক ওইবা অ... ওইরম্মী। আশ্রমদা লৈরিবশিং অদুদা মহাত্মা কিদমনকমগী মতম ওইরবা থবকী মওং কয়া উৎলম্মী। থবক্তদা উৎপা মতমা মরক্তা মশাগী পুন্সীবু খুদম অমা ওইহনখিরম্মী। মহাত্মা বাদিবু খ্বাইদগী হেন্না লুনা তৌজে। দেশবাশীশিংদা মহাত্মা খুৎনা নাইবা অমত্তুং খুৎনা শাবা কি শেংদনব হায়জরম্মী। লং নাইবদা অহিংসাগী মূর্ত্তি উবা ফংলতুনা থবক অসিদা মহাত্মা অশেংবা সুংতাইবা হায়বগী উবা ফংখি। মহাত্মা লং নাইবা কমব্রকদি পুং ৪ তাত্রিমথৈদি থক হৌগৎপা তৌদে। অমুক্তা অতীক লং নাইবদা মহাত্মা থবায় য়াওই।

ইচম চম্বা ফিজেৎতা শেৎপা, অচম্বা চিনজাক্তা মচাবা বিনোবানা মশানা মশাবু য়োকচবা ওয়াগী পায় আশ্রমগী মীশিংদা তাকপীরম্মী। হায়রিবা পায়া অসি থবক্তনা ওয়দি। মহাত্মা অহিংসাগী লালহৌগী লাম্মী থোমগৎলম্মী। মশামকসু লাম্মী অমা ওইদুনা নীংতমবৈ লানফম মহাত্মদা চোংথোকলম্মী। মহাত্মা নাগপুর সত্যাগ্রহ আন্দোলনদা লাউরকবদে অহানবা ওইনা জেল চংবা তাখিরম্মী। কৈতম শতবু মহাত্মা সাধনা ... ওইহনম্মী। জেলদে থাদোকখ্বা তুংদা বিনোবানা অহিংসাগী লালহৌগী হুত অমা ওইখিরম্মী। মহাত্মা য়াকারয়োলগী মৌইবুং থোংলদুনা জয়ধ্বনি শাত্তনা লাউরদুনা দেশ খুদিং কোয়দুনা প্রজাশিংবু হৌদোকলম্মী। দাদাজীগা হিন্দু-মুসলিম অমতা ওইনবা হোৎনবা, হরিজনশিংবু

শেংদোক্নবা হোৎনরা অসিনচিংবা লালহৌদা বিনোবাজী চিংথবা নত্তে। ইংরেজ সরকারনসু মহাকপু য়েনা কিরম্মী। মহাকপু থাদোকুনা থম্লবদি মখোয়গীদি অমাঙবনি হায়না খঙলদুনা ফাহনা ফাদোক থমখি। জেলদা লৈরিঙৈ মতমদা গীতাগী জ্ঞান ফাও শিনবনা মহাকী মরু ওইবা থবক ওইরম্মী। অসুম্না মহাকা গীতাসু মুম্না চর্চা তৌরে। মমৈথংদদি মাগী ফজ ফজরবা গীতাগী ব্যাখ্যামচিংবশিংসু খোমজিল্লে। মসু লাইব্রিক ওইনা ফোঙদুনা হৌজিক ঐখোয়না উবা ফংলিবা অসিনী।

বিনোবাজীদি কৈগুম শঙ হেক য়োংগা মাধনা ভোবা হোই। থোরক্লগনা থবকী খোৎনমদা পুক্নীং চঙভি। নহারোলশিংদা সেবাগী রাখল পোকহনগে হায়না রাশরম্মী। খুঙ্গং খুঙ্গং খুদিং কোয়না চতুনা মহাক্না খুঙংগী মীশীং থবক ইনখাংদা করি শুহুনা চাবগে, করম করম্বা পোৎ মপান্না থাদোকপগে, করম্বনা পুশিল্লকপগে, লৌফমগী থাজানানা কয়ানো, শেন্দোম্না কয়ানো, স্কুল অমসুং হস্পিটাল লৈবরা লৈতবরা, শঙলুপকী করম্বা মওং লৈবগে, মীচম কাঙলুপ নাইনবরা নাইনদবরা, হরিজনশিংগী ফীভম করিনা হায়বা অসিনচিংবা পুম্নমক খঙদোক্লম্মী।

ইং ১৯৪০ দগীনা ১৯৪৫ ফাওবা বিনোবাজী জেলদা লৈথিরম্মী। জেলবু মহাক্না মশাগী শাস্ত্রশংল তৌফম ওইহনরম্মী, থবক কয়া শুরম্মী। কংগ্রেসকী থবক খুদিংমক্তা মহাকা গান্ধীজীগী তত্ত্ব জ্ঞানবু হাপচিন্নবা হোৎনরম্মী। মসিনা রাজনীতিগী পাল্লকসু কনখৎহল্লম্মী। প্রজা অমসুং নেতাশিংগী মরমদা মহাকী মতৌক

মতাঙ্গ শেংনা ফাওবা হৌখ্রে। মতুনা ইংরেজ সরকারনসু হেন্না তমথীবা হৌরক্লে। করম ইদৈ নৈতনা মহাকপু জেলদা থমজিল্লখী। মমৈখংদদি সাহেবনা মাগী আশ্রমদা ফাওবা মিংয়েং চঙশিন্নবা হৌরক্লে। মহাক্কি থবক্তা মতৌবা পাম্বা মিংচংথি কয়া পামদবা মীভানি। মতু ওইরুনসু মহাকী মমিংদি দেশকী কাঞ্চিন কোয়া শীন্না শরেদোকখি অমসুং য়ৌখি।

ইং ১৯৪৫ দা বিনোবাজী জেলদৈ অমুক থোরক্লে। মহাকী রাখলগী ঈচেলদি খুদংলোয়দা চেইদৈ। ইহান হানবদা মহাক্না খুদং অমা শেংদোকুন্না শেম্বা হৌগংখি। নিয়ম নাইবা, লুবা নান্নবা তন্থীরে, মহৈ মশিং অমহল্লে। মহাক্কি মতম পুম্নমক্তা থবক্তা মতুবা পোংথাবা হৈহৌবা মীওইমি। মহাক্না তঙনা হায়রম্মী "লুনিংনা মহাকী থবক্কী নোংমতসু ছুটি লৌগ্রগা ঐহাক্না ঐহাকী থবক্কী করিগী ছুটি লৌগনি?" নোংজুথা, কালেন থা অমসুং নীংথম থানা মাগী থবকী লম্বীদা অপনবা অমত্তা শীবা ওন্নমদে।

মশানা মশাবু থাজবগী মরা অদো বিনোবাজীদা য়াম্না চেৎনা অই। মহাক্না মীওইবা সমাজগী ফননবা তৌবা অমা হৌগংজয়রবদা মতুবু লোইশল্লমদন্না থক তোক্কে। অসিগুম্বা মশাবু থাজবা অসিনা গ্রাম সেবাদা থোইদোক্নিংশিন শীরিবনি। মহাক্না লাউথোকখি, "দেশপু অমাওবগী ফনবা অদুবু থম্বদি মরেবাক মুংশিবশিংনা মরেবাকপু নীংক শিংনা খুদংগী সেবাদা পুক্নীং লূপকদবনি।" মহাকী রাখলগা খুদংশিংনা মশাগী মশা:গী ময়েংজনা হিংহলবা পাম্মী, খুদংদদি লুপা নৌগনা শীজিন্নরোঙ্গনি। সমা লুপা পাম্বকে নাম্মোক্নরতবা খুদংগী

মুক্তি কংগদবনি। মহাক্কী নিয়ম অসিগী মতুং ইন্না মহাক্ক আশ্রমদা শেলগী দান লৌরমদে। শেলগী মহুৎত্তা লং মপুল মপুল লৌরম্মীণ থবক তৌবা মীশিংনা পাঙ্গল দান তৌবা অমগা অমগা খুৎলং চৎনবা মহাক্না পামলম্মী।

হৌজিক বিনোবাজীগী রাখল খুক্লীং পুন্নমক গ্রাম সেবাদা পুক্লীং লুপখ্রে। মহাক্না গ্রাম সেবাগীদমক থৌরম অমা শেমলম্মী। থৌরম অসিগী মতুং ইন্নদি দেশ অপুম্ববে লমশিং অসি মী খুদিংমক্তা চপ মান্ননা য়েনথোকদবনি। খুঙ্গংগী মী অয়াম্বনা লাইরবগী মরমদি লম চাং মান্ননা কংদবনা মরমনি হায়না মহাক্না লৌই। হৌজিক্তি লম চপ মান্নন' য়েন্নবৈ থৌরম অসি মহাক্না থবক্ক উৎলে। মসি ভাবেজীগী অনোম্মলগী মহয়নি। খুঙ্গং খুঙ্গং খুদিং থোঙনা কোয়না চত্তুনা লৌরাম চাবা শেনজাও পায়বশিংদে লম লিরা লিরগা লাইরবা অনংবা লৌফম লৈজদবশিংদা মহাক্না লেমনা লেমনা য়েনবিরি। ভূদান অসিদা নত্তনা মহাক্না সম্পত্তিদান, সাধন দান, অমসুং জীবন দানসু লৌই। ভূদান-যজ্ঞগী মতেঙনা মহাক্না মীচম মীয়ামশিংগী মরক্তা সর্বোদয়গী রাখল শন্দোকপা পামলম্মী। বিনো-বাজীনা ভূদান যজ্ঞগী মতেঙনা হৌজিক কাওবা অসিদা লম চপ মান্ননা য়েনথোকপা ওমত্রক্সু মহাক ভূদান-যজ্ঞদে লেপ্পা তৌদে য়াম্না কন্না হোৎনৈ, য়াম্না কন্না লোম্মী। তেলঙ্গনা স্টেটতদি ভূদান অসি য়াম্না মহয় য়ানখি।

বিনোবাজী সাহিত্যিক অমসু ওই। মহাক্না ইবা অরবা রাখলজনা লৈজেং ওইবা লাইরিক কয়ামদগী লৈন মসিদি

থারক্নবু কায়দে। লাইব্রিকশিংদো রাথল খনগনবশিংগী রাথল মচাক ওইনডাই ডাক্কনি। বিনোবাজী অসি গান্ধী যুগকী মপা লৈত্রবা খুদোলনি। মহাকী পুন্সী অসি ভারতকী মমাঙগী মুণি ঋষিশিংগী খুদম অমনি। মহাক অসি অচম্বৈ শঙ্কর, চীং-লেম্নবৈ সমুদ্র. থৌজালগী কৈঃ অমস্তুং অচুম্বা অমসুং অহিংসাগী পূজারীনি। বিনোবাগী মায়থোঙ থম্লালদা অতপ্পা অমসুং রাথলদা পুক্লীং লুপ্নবা অথোইবা ঋষিগী মঙাল লৈ। মহাকী থরায়দা, পাঙ্গলদা অমদি রাঙাঙদা মন্ত্র য়াউই। মহাক্তি মশামা মশামকপু মপান নাইদনা থাজে। মহাকী গুংশিবা মমুংশিদা মীগী থম্মোয় মহী চেলহল্লবৈ মপাল মাইত্রবা শক্তি লৈ। মহাক্না লম লৈজদবা মী লাক্ষ লাক্ষপু লমগী মপু ওইহনবিরে।

মহর্ষি বিনোবানা সমাজ, ধর্ম্ম অমসুং রাজনীতি অমত্তা ওইনা তিনশিনহনবা পামলম্মী। লৌশিং, থবক অমসুং মীওইবগী মপুং ফারবা অমা মঙোন্দা লৈ। মহাক অথোইবা সাহিত্যাকার অমনি।

শ্রীমৈথিলীশরন গুপ্তনা বিনোবাজীগী মরমদা অস্থুম্না ইরি "ঐখোয়গী দেশনা রাজা মহারাজাশিংবু পূজা তৌদে। অদুবু ঐখোয়গী ইচম ইচেৎশিংনকাওবা সন্তশিংযুদি শক থঙতি। বিনো-বাজী জ্ঞানেশ্বর তুকারার অসিনচিংবা সন্তশিংগী পরেংদা লৈ।"

রাণী দুর্গাবতী

গড়মণ্ডল নর্মদা তুরেলগী তোর্বান্দা লৈবা লৈবাক্নি। চীংনা ইকোয় কোয়শিনবা লৈবাক ওইবনা চহী কুমজা কয়া য়েরুবনা লৈবাক অসিদা লানদারকপা ওয়্লমদে য়েক্লা মীসৌ লাংদনা ফুংঙাই য়াইফনা পানজরম্বা লৈবাক্নি। দলপতী লৈবাক অসিগী নিংথৌনি। মথৌনা মরৌশিংগীদমক লৈবাক ফাওনা মমিং চৎলম্বা মুপানি। মতম অদুগী মধ্যভারতকী মনুংদা খ্বাইদগী থুৎকন পাঙ্গনবা নিংথৌনি।

শালিবাহননা থংনবা লৈবাক বুন্দেলখন্দগী নিংথৌ ওই-রম্মী। দুর্গাবতী মহাক্না পোকপনি। শকহেনবী নিংথৌ মচানুপী অদুগী ফজবা শকফমবু মীপুম খুদিংনা শোয়্লে। শক্তা মফজবী মরীন য়াওদবী মুপীদি ওইরমদে। মরৌশিং অমদি মথৌনা লৈবনা মহাক্কী মথৌনাগী ফজবা গুণগী গুণথাং হেনগৎহল্লি। পীকলিঙৈদৈ হৌনা মুপীগী শিনফম তম্বতা ভক্তনা মুপাগী শিনফমসু তম্লম্মী। মহাক্তি শগোল তোংবা তেন কাপ্পদা থোইদোক্লা হৈশিংঙি। শাদানবা হায়বসি মহাক্না য়াম্না পামজে। অশুকপা বন্দা উমংদা চঙতুনা শাদানবা, কৈ, শওম হাৎপা মহাক্কী থবক ওইনা তৌজরম্মী। গড়মণ্ডল মপু দলপতসাহনা দুর্গাবতীবু লুহোংনবৈদমক হায়রম্মী। দলপতসাহদি জাৎ অতোনবা শাগৈদা পোকপনি। চৎনরিবা সমাজগী থাক্তগী হয়না লৈ থল্লুবদৈ শালিবাহননা মচানুপী পীনীং-লমদে অমসুং পীখিদে।

য়ারক্তবা অসিনা দলপতসাহগী মকমদদি দুর্গাবতীবু নীংবগী চাংদু হায়দে হেনগৎখ্রে। নমতুনা দুর্গাবতীবু লৌগে খনখ্রে। রাখলসিনা লমজীংলহনা লান্মী পুহনা খোঙ শান্দোয়ক্লে। শালিবাহনবু ইরায় লায়না মায়থীবা পীরে। মায়থীরবা কান্দদি শালিবাহন মচানুপী পীবদা তাখ্রে। দুর্গাবতী হৌজিক দলপতসাহগী রাণী ওইরে।

লুহোংলবা অনী অহুগী পুন্সীদু নুংঙাইনা লেনখ্রে। অরুবা হীরম থৌদোক খুদিং নিংথৌনা রাণী তানদনা খক তৌবা লৈতে। রাণীনা ঙাওথোরকপা রাফম খুদিং পুক্নীং লৌশিং ওইনঙাইনি। মচানুপা অমা পোকচরবহুদদি অনীগী নুংঙাইবা পুন্সীদু হেন্না মপুঙ ফাবগুম তৌই। নৌনা ফংজবা মচানুপাদু বীরনারায়ন হায়না মিংথোল্লি।

অরাবা নুমিৎ শাংবা নুংঙাইবা নুমিৎ তেনবা তাইবং হৌনশা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অসিদা দুর্গাবতীসু চৎপা তাখি। লুহোংবা মতুং চহী মরি লৈরগা মপুরোইবা লৈখিদ্রে। মচানুপা চাউদ্রিবা ফাওবা মচাগী মহুৎ শিন লৈবাক ঙাকে থন রায়েন থৌদাগী চৈরাক পায়বা হৌখি। নিংথৌগী অঙম অথৌ মরক্তা নুপীনা শাসন পুবসি পায়দবা থর য়াওদবসু নত্তে। মহু পুন্নমক রাণীগী অচম্বা থম্মোয়না নুংশিরবা মমা মপা ওইবগী মপুকচেলগা লোয়ননা ঙাক্লকপা লৈবাক মঙাক উবদা কনানসু করিপু হায়খিদ্রে। নুপীগী শাসন পামদে হায়না য়েৎনরকপসু তৌখিদ্রে। প্রজাশিংনা রাণীবু মমামক্লি

হায়রমা থমথি। রাণীসু মচুগী চপচানা উৎতুনা প্রজাগী থুংঙাই য়াইফনবা হোংলৈ।

চহী ভয়ামতারোম দুর্গাবতী নীংথিনা লৈবাক ভাক শেন্দুনা পাল্লকলিবমি। হায়রিবা মতমসিগী মচুংদা রাণীগা মালবথী নিংথৌগা ভৎতমা লাছৈংলে। মায়পাকপা অমসুং জয় ওইবদি রাণীগী শরুক্তি। রাণীগী লাম্মী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকথি। মহাকী শগোল তোংবা লাম্মী লীশীং কুন, নীংথিনা তম্বী তাকপীরবা শামু লীশীং অমা লৈরম্মী।

নিংথৌরেল আকবর সাহনা সাম্রাজ্য শন্দোরকপা মতমদা হিন্দু অমসুং পাঠানগী লৈবাক মচা মচা কয়া মনীংমথা তম্না পাল্লি হায়বসি উথি। মনীং মথা তম্না পানজরিবা লৈবাক মচা ময়ামসি জয় তৌরকনবা সেনাপতিশিংদা য়াথং পীথি। মধ্যভারতপু জয় তৌরু- নবগীদমক্তি আসফ থানবু থায়। নিংথৌরেনগী য়াথং মতুং ইন্না আসফ থাননা শগোল তোংবা লাম্মী লীশীং ৬ থোঙমী লীশীং ১২ বোম তোপ কয়া পুন্না মধ্যভারত পাংলকথি।

মশীং লাকতরবা লাম্মী পুরক্পা গড়মণ্ডল মোগোলশিংনা লান্দাররে তাবদা মী পূন্নমক সিপাইসক্রে অকিবা পোক্লরে। অদুবু রাণী দুর্গাবতীগী মথৌনাদি করিসু মাঙখিদে। মহাক্না ইহাম হান্না তোগে নীংবদি য়েরুথগা ইওনা সন্ধিগী রারেপ অমা তানবা লীমখনি। করিগুম্বা মচুদা য়াত্রগনা থোন্না ফনা চোংথোক্পা য়েক্লবা মায়োক য়াত্না লাস শোক্লখনি। মহাক্না হৌদোকলদ্বা রাকমচু মহাকী মন্ত্রীশিংনদি কয়া য়ানীংলমদে। মতাও অতুদা

রাণীনা মন্ত্রীশিংগী রা তানীংখিদ্রে। হায়খি "নখোয়গী নথরাই পাম্মুবরা? ঐদি মীনা ইকায় খুম্নবিদবা মীখা পোনবা পুন্সীদি পামদে। মীনা তাথী তাওইনা ভৌঠুনা লৈবগী মহুৎতা শিখিবনা হেন্না পামজে। ঐগী থরায় হকচাংনা লৈরিমথে ইরৈবাকী ইকায় খুম্নবা ভারুবৈদমক লাম্থেংনগনি।" অহুদে মাগী মতুং ইনবীনীংবমথে ইনবিরক্লো হায়না কোয়েং য়েংথোরকই।

মীকুপ অমগী মন্নুংদা খুৎশু থাঙলেন্না নোংথাং কুপ্পশুম ইরং লংলকই। "রাণীনা জয় ওইসম্লু, শিবাফাওবা তুংইনগনি।" হায়বা খোল্লাউনা নোংথক নোংখা পুম্নমক নিল্লকই। প্রজানা মাগী মায়কৈদা লেপ্লিরে খঙলবদা রাণী হাম্নদৈ শরূক চাম্না হেন্না থৌনা হাপকৎলক্লে। মোগোল ভেজোল লাম্থেংননবা রাণী মশামক্লা লাম্মী লুচিংখি। চীং লম্বী অমদা চঙশিল্লকপা আসফ খানগী তেজোল থিংলে। রাণীগী লাম্মীনা হেন্না খুদোং চাবা মফমদা লেপখিবনা মোগোল লাম্মীনা লানঙাকপা কাঙবুবু নমথাই থুগাইহুনা পাক লানশিনবা ঙমদ্রে। অকনবা লানফম অমা লাম্থেংনরে। রাণীনা কুঙলবা লানগী লাম্নক্তা লৈহুনা লাম্থেংনরি। মহাকী মথৌনা শা লান্দা হৈশিংবা উবদা য়েক্লবা মোগোল লাম্মীশিংনফাওবা মাবু থাগৎজবা ঙমখিদে।

মোগোল লাম্মী তুমনা শিরে। হৌজিক মোগোলনা লান জয় ওইগনি হায়বদা চিংনবা পোক্লে। মুমিৎতুগী লানফমদা মোগোলনা নীংহম্নবা উরবদা রাণীগী তেজোল হরাওই। অহীং অহু পোৎথারসি হায়হুনা মথুৎতগী থুংলায় থম্নরে। রাখল অহু

রাণীদি কয়া পান্নমদে। মহাক্পা অসুম্না হায়রম্মী "মোগোলনা ঐখোয়বু থাদো ক্রি। নৌনা অমুক হন্না লান্দারক্লবে মখোয় শেম শান্নিবনি। অহুনা ঐখোয়না মখোয়দা মতম পীকম থোক্কে। ওসি অহীং অনিদা মখোয়বু লেবাক অনিদৈ তান্থোকনবা হোৎনগদবনি।"

অহুবু মরাবদি মুংঙাইবা পান্নবা লাম্মীশিংনা রাণীনা হায়জবহু থওইনা তাবিখিদ্রে। অহীং অহু মুংঙাইনা পোৎথাহুনা লেনথোক্লে। হৌজিক্তি রাণীগী য়ারক্তা তাররে। আসফ খাননা অনৌবা লাম্মী পুন্নক্তুনা রাণীগী লানবন মনাক্তা বোম তোপ খিল্লরে। নোংঙাল্ল-কপদা নোংমৈগী অকনবা খোল্লাউ তারে। খোল্লাউহু তাবদা রাণীগী লানবন মফম মরাং থওখিদরে। লাম্মী কয়া কিহুনা চেন্নখ্রে। চেন্থোক্লবা লম্বীদি কদোমদনে? লানবন অহনি অচৌবা চীংজাও অনীগী মরক্তা লৈবা খুরবা লোকচপ অমদা শাবা লানবননি থোকফম মায়কৈদি অমথক্তনি। অহুসু মোগোল লাম্মীনা থৎপ্রবনি।

অসিগুম্নবা মিকুপ অসিদা মোগোলগী মথক্তা লান্দানবা রাণীনা শীল্লে। অহুবু দুর্গাবতীনা হোৎনজবা অহু মহয় য়ানখিদ্রে। অরেম্বদা তাপ্রে। য়েক্লবে নোংমৈ গুলীনা চওশিনবা য়াদনা লম্বী থিংপ্রে। শিখিবনসু মশীং লাকওব্রবনি। দুর্গাবতীগীদি অচৌবা নোংমৈসু লৈজদে। মাগী লৈজবা খুৎলায় হায়ববু লীরুং তেন্দনি। মহুনদি বোম তোপকী মমাওদা করি তৌরগনি? লেংবা চানদবা অনী চাংয়েংনবদা তাপ্রে। সমুদ্রগা লাংথোংগা পাংথক ওইপ্রে।

রাণীগী থৌনাদি হনবা লৈতবনি। মাগী অমসুং মহাকী মী পুন্নমক্তী অচেৎপা রাশক্তি য়েক্লববু জয় তৌবা নম্রগনা মথরায় থাবা

অসিনী। হুমিং অদুগী লানফমগী লুচিংবদি রাণীগী মজাইবুংগো চহী ১৮ তা ডায়রিবা বীরনারায়ননী। মহাক্তি হুমিংচুপ্পা কুণ্ডলবা লানগী লাল্লক্তা য়াম্মরি। তানজ। অমদা য়াম্মা থৌনা শোক্তুনা য়েক্লবৈ মথুৎতা তাখিগদবগুম উরে। মতু উরবদা আসক্ত খাননা লাউরতুনা দুর্গাবতীদা হায়রম্মী. "য়েংউ! নচামুপাসি য়েক্লবৈ থুং চনখিগদৌরে নচাগী মথরায় পাম্মুরবদি লান লেপ্পবা তৌজৌ।"

থৌনা ফনা লান শোক্লরিবা মচাদা রাণীনা মুন্না য়েংজে। য়েক্লবনা পূমকোয় কোয়শিনপ্রে। মহাক্তী অমতা পোকচবা মচা অশিবগী থয়াৎতা তাগদৌরবনি। মতম অসিদা বীরনারায়নবু শংত্রিক য়েংলতুনা মমিংতদি মপিনা চতুম চতুম শিন্থরতুনা থৌনা ফনা থুম্নকথি 'মরৈবাক্তী ইকায় থুম্নবা ঙাক্লবা মথরায় পাম্মুবা লৈভনা কৎথোকপা ঙম্বা মচাশিংগীদমক রাজপুত মমাশিংদি চাউথোকচৈ। ঐনা ঐগী ইচাবু থোইদোক্ল। নুংশিজবদি মাগী মথৌনাগীদমক্তনি। ইচাগী মিংচৎ হেন্না হেনগৎনবা ঐহাকপু অনৌবা থৌনগা লোয়ননা লান শোক্লগনি।"

মরৈবাকপু নীংজরবা লাম্মী থুজোক অমগা লোয়ননা রাণীনা মোগোল তেঙ্গোল তন্না লান য়ানশিল্লি। মোগোল লাম্মীশিংতু ঙহাক্তি মফম মরাঙ খণ্ডখিদরে। অদুবু তেঙ্গোলনা চাউবনিনা থুনা ফীভম তাখি। তেন্না নোং চুবগুম রানী তন্না কাপশিল্লক্লে। তেনজৈ অমনা রাণীগী য়েং থংবা মিংতা পানখি। তেন অদু শংননবা য়াম্মা কন্না হোংনখি। অদুবু ঙমখিদ্রে। অতোপ্পা তেনজৈ অমনা

মরেংবান্দা পাল্লি। শাথীনা শোক্লবা রাণীনি অহুবু মহাকী মরীংজেন অঙকপনি ঙহাক্তা পোংথাখো হায়বা য়ৌনা য়াখিদে।

অশোকপা মফমদগী ঈনা অভং অথম নাইদনা চেম্ময়কথিবনা রাণীগী মশা অদো য়াম্মা শোম্বরে। শোম্বরে হায়বা থঙনা থঙনা লান শোক্লবা লেপকে থন্দে। মানা ভোংলিবা শামু অহুকাওবা লাকশিনবা ঙগক্রে। শামু অহুনা মোগোল লাশ্মী মরক্তা চেনশিনখ্রে। মহু উবদা আসক খাননা "হিংনা ফাও! হিংনা ফাও!" হায়না লাউরক্লম্মী।

মোগোল লাশ্মী ময়াম হোংচিল্লকপহু রাণীনা উখি। পূক্নীং হুনা নীংথিজরবা, মাগী লৈজবা অপুম্বা কংথোকপা ঙম্নিবা মহাকী লুংশিরবা মরৈবাক অহুদা চিংনা অমুক্তং য়েংজরম্লগা মোগোলগী থুংনা শোকত্রিঙৈদা মহাকী মথুংমক্লা পায়জরিবা থাংশাং অহুনা থম্মোয়দা থুম্না থিংজিনজহুনা মথরায় থাখি।

রাণী দুর্গাবতী মায়থীখিবনি। অহুবু জয় ওইবদগী হেন্না মগুণ লৈবা মায়থীবনি।

সুলতানা রেজিয়া

রেজিয়া দিল্লীগী নিংথৌরেল ইলটুৎমিসকী মচানুপীনি। অঙাংদি নীংথাদা খঙই হায়বসি রেজিয়াদদি চুম্না থোকপ্রে। পিশক পীক-লিঙৈদে হৌনা খ্বাইদে হেন্দোকপা গুণ খরা চেন্নকই হায়বসি মপানা উখি। মচানুপীগী মহৈ তমহন্নবগীদমক অফাও অফাওবা ওঝা কয়া শাদা হৈবা, লানদা হৈবা, অখঙ অহৈ পণ্ডিত কয়া থম্মী। পোকপদৈ মবুদ্ধি মরোশিং লৈবী ওইরকপনা মতম খরগী মন্নুংদা অয়াম্বা বিদ্যা লায়না খঙবা ঙমখি। মপানা লান চৎপদা তৎতনা লোয়নৈ। মহাক শংগোল তোংবা য়াম্না হৈ। লীকং তেন্দমন্নু অহুমঙাই। শাদানবা চৎপা মহাকী খ্বাইদগী পামজবনি, নুংঙাইজবনি। লৈবাক ঙাকপগী থবক্তুশু থরায় য়াওরম্মী।

নোংমা শাদানবৈ খোঙকম অমদা রেজিয়ানা মপাইবুংঙোগী থৌগল ইল্লি। অমুকপা উমংদা শাদানবা চৎপদৈ খোঙকম থয়নখিদুনা মপা-মচাগা অতৈ লোয়নরকপশিংদুগা কায়নরে। মপা মচাদা ঙায়রে খনবদৈ নিংথৌরেল খোঙকম হনগে খল্লি। খল্লিঙৈ ভানজা অদুদা মোংশোং অমদগী খঙচৌদনা কৈজাও অমা চোং-থোরকুনা নিংথৌরেল তম্না হোৎচিল্লক্লে। নিংথৌ থাঙ শৎপা নংহৌদ্রে। মদু উবদা নোংথাংদগী হেন্না খুৎলৈ থুরবী রেজিয়ানা মাগী থাংশাংনা থিন্দুনা কৈ অদু হাৎঙোক্লে। অমুন্না মহাকী মথৌনামক্তুনা নিংথৌরেলবু কৈগী মথয়াংৎগী কনখি।

ইলটুৎমিস মচানুপা মচানুপী পূন্নমকী মগুণ মুন্না খঙবা নিং-থৌরেলনি। মচানুপা মখৈদি মথৌনা লৈতে মরীংজেন পান্দে। মচানুপীগুম মরীংজেন পান্দে, মচানুপীগুম মথৌনা লৈতে। লৈবাক ঙাকপগী মরমদগী মপূন্নীং কয়া চঙদে। মসি পূন্নমক অসি উবদৈ নিংথৌরেলনা অহল ওইরক্লবদা নিংথৌ খুভম কনাদা শিন্নরম-গদগে হায়বত্বুগী মরমদা অমমংথা অমা ওইগ্রে। মসিগী মরমদা মন্ত্রীশিংবু কৌত্থনা ৱাতানরম্মী।

নিংথৌরেলনা শিগ্রবা মতুংদা দিল্লীগী সিংহাসন মচা নুপীদা পীয়ু হায়না শিন্নরম্লে। নিংথৌনা পান্নখা অদো মন্ত্রীশিংনদি কয়া য়ানীংদ্রদে। অত্থবু মতমত্থুদা নিংথৌগী চিন্থকতা খুন্সদি কনাস্থু ঙমদবনিনা তুমিন্না লৈনরম্মী। নিংথৌনা শিগ্রবা মতুংদদি মন্ত্রী-শিংনা নিংথৌনা পামলম্বা থবক্তু পাঙথোকে খন্দ্রে। নিংথৌ ওইবা য়াবা মচা ইবুংঙোশিং ময়াম লৈরিঙৈদা করিগীদমক দিল্লীগী সিংহাসন্দা নুপীনা ফমগদগে? মসি আইনগী থোঙদগু অকায়বা অমনি। অত্থুগী মথক্তা অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংনা নিংথৌদা চংকদবা লমচং ব্যবহার পূন্নমক নুপী অমগী মফমদস্থু চংকদবনি হায়বসি থল্লুবদা মন্ত্রীশিংদো থাঙবা ঙম্মখিদ্রে। অঙকপা অমা ওইনা থোকগ্রে। শন্না হান্নরবদা মভীক চাবা চাদবা করিস্থু য়েংদনা নুপীনা লৈবাক ঙাকপবুদি নুপানা ঙাকপনা হেন্না পামলম্বা ফম্নাইবা অঙম অথৌ ঙাক্তনি।

মন্ত্রীশিংনা ইলটুৎমিসকী মচানুপা য়াইমা রুক্ন উদ্দিনবু সিংহা-সন্দা থাক্লংলে। মহাকমক্তি নিংথৌরেল অমা ওইবগী মভীক মগুণ

মাগী মপাদা করিমতা পক্লম্‌দে। মতীক চাদবা মরম্‌দৈ মন্ত্রীশিং অহুগী অমদি মমাগী মথুংতা শান্নপোৎকুম লৈরে।

নিংথৌরেল ইলটুৎমিস নুপী য়াম্না থিরম্মী। রুক্ন উদ্দিনগী মমাদি য়াম্না তোনবা শাগৈদা পোকপীনি। মহাক্না কন্না নীংজরম্বদি মচানুপাবু পাক চাউরবা সম্রাজ্য অহুগী মপু ওইহনবা য়েক্ন ভিংখং লৈতনা দিল্লীগী টাণ্ডবলদা ফমহনবা অসিনী। মাগী চাউরবা অসিগুম্বা আশাগী লম্বীদা য়েংলগদবা মখৈ মরু ফংনা মাঙহনবা হায়বসি মাগী অচেৎপা ৱাশক্নী। মহাক্না রুক্ন উদ্দিনগী মমা তিন্নদবা কুটুবপু হাৎননবা শিন্দুনা লোন্না হাৎহনখি।

কুটুবপু লোন্না হাৎপ্রে হায়বা তাবদগী রেজীয়া খোয়রাঙলে। মহাকপুসু হাৎননবা তৌরকপা য়ারে হায়না খন্দুনা অকিবঃ পোকখি। অহুগা কোন্নুং মঙ্গুং অহুনদি মঙোন্দা মতেঙ পীবিনবা মী লৈরব্রা? মন্ত্রীশিং অমদি রাজসভাদা লৈরিবা ফম্নাইবা অঙম্ব-শিংনা মপাগী য়াথং হিক্তোকুনা মাবু লৈবাক ভাকপগী ভার পুহন্দবা অহনসু মহাকপু থোইদোক্লা সুংভাইহল্লমদবনি। থৌদোকশিং অসিনা মহাকী পুক্নীংবু তপথবা লৈহনখিব্রে। মাবুসু লোন্না হাৎলবা য়াই হায়বা ৱাখল অসিনা পোথাবা লৈতনা তান্নরি। মঙলাকনবগুম তৌহল্লি।

মমৈথংদা রেজিয়ানা প্রজাগী মফমদা চঙক্নগে লেপ্লে। প্রজা অয়াম্বদি শিপ্রবা নিংথৌরেনবু য়াম্না লুনা নীংজবনি। মপাগী অচুম্বা শাসন, পীনহৈবা দান, প্রজাবু সুখশিনা তৌরম্বা পুম্নমক হৌজিক ফাওবা কাউরমখিরোই হায়বসে রেজিয়ানা য়াম্না কন্না

থাজৈ। নোংমা অয়ুক অমা দিল্লীগী মসজিদতা চৎলে। লাইখুরম্বা লাকপা মীনা মসজিদ থল্লা লৈরম্মী। লাইখুরম্বা লোইরগা রেজিয়ানা লেপখৎলক্তুনা মীয়ামদা হায়জরম্মী, 'অল্লাবু থাজবিতুনা খুরম্মিরিবা ইবুং ইপুরা পুম্নমক, নহোয় ময়ামগী মতেঙতবু ঙাইজতুনা লৈরিবী মুপী অমনা হায়জবা তাবিরোইদ্রা?"

লাই খুরম্বা লোইরতুনা হন্নগদগী মকায় মকায় তৌনরম্বা মীয়ামদো রেজিয়াগী রাহু তাবদা অমুক হন্না পুনশীলক্লে। অদুদৈ অমুক নিংথৌগী মচানুপী রেজিয়ানি খঙনরকপদৈ হায়রিবা রাফমদো থরায় য়াওনা তানরে। রেজিয়ানা হায়রম্মী "ময়াম পুম্নমক ঐবু পোকপীরম্বা নোঙ্গাথ্রবা নিংথৌরেলবু মুন্না খঙবিরিবনি। ঐহাকসিমু মতম পুম্নমক্তা ইপাগতা লোয়নননা লৈরম্মী হায়সিমসু উবিরবনি। প্রজাশিংগী মফমদা চৎকদবা লমচৎ ব্যবহার ইপানা ঐঙোন্দা মুন্না তম্বীরম্মী। ঐগী ইবুঙ ইপুরাশিংনা লৈবাক প্রজাগী ফনবা থল্লোই অদুনা মখোয়গী মথাদা প্রজাশিংনা ইঙনা তপ্পা পানবা ঙমলোই খনবদা রানা পুন্সী মতোল লোমথ্রবা ইপানি। লৈবাক্কী মুংঙাই রাইফনবগীদমক্তা খনজরম্বা ইপানা হিংলিঙৈদা ঐহাক্না নিংথৌ খুভম শিলহৌনবা তাকপীরম্মী। তৌইগুম্বসুং মশা মশাগী ওইজবতা খল্লবা মন্ত্রীশিংনা ইপানা হায়রম্বা রাজদো থৌওই-বিখিদ্রে। অদুদগী হেন্দোক্লতুনা ঐগী থরাইবু মিকাতুনা তান্নরি। ইপানা হিংলিঙৈদা তৌজরম্বা আশাহু থুংননবা ঐহাক্না প্রজাগী সেবা তৌজবা ফংননবা খুদোংচাবহু ঐঙোন্দা পীবিয়ু। প্রজানা ঐহাকপু মুংশিবিয়ু।"

রেজিয়ানা অসুক্কী মতীক মরীক চুম্না ফজনা ভাওগ্রে অতাব্বা মীগী থম্মোয়দা নৌনা লুম্নবা রাথল অমা পোকহনখি। মখোয় ময়াম অমতা ওইনা পুন্না হৌনচ্ছুনা রেজিয়ানা লুচিংহনা কোন্নুং তমলক্লে। রুকু উদ্দিনগী মমাবু ফারে। রেজিয়াবু সিংহাসনদা কাহল্লে। মতম অছুদা রুকু উদ্দিনদি দিল্লীদা লৈয়মদে। অরাপ্পদা লৈবা লৈবাক মচা অমনা লান হৌরক্কুনা মছু নমথনবৈদমক চৎখি। দিল্লীদা থোকলিবা থৌদোক অসি মহাকস্তু তারে। পাউ অসিনা মহাকপু তপথহনখিগ্রে। থুনা দিল্লী পাংলক্লে। রেজিয়ানা মহাকী লাম্মীগা লোয়নননা থৎতুনা দিল্লী কোন্নুং চণ্ডহনগ্রে। রেজিয়াগী ভেঙ্গোল রুকুউ দ্দিনগী তেঙ্গোল অনী থেংনচ্ছুনা অকনবা লান শোক্লরে। রেজিয়ানা রুকু উদ্দিনদগী য়ান্না হেল্লম্মী। হেনবদা নত্তুনা লানস্তু মহাক্না মায় পাকপগা লোয়নননা লান জয় ওইখি।

রুকু উদ্দিনবু ফাছুনা বন্দি থমলে। লৈবাক মরা তপ্পা নীংথিনা পালহম্নবা মহাকপু বিচার তৌই। বিচারদা মরাল লৈরে হায়বগী মতীক চানা প্রমান ফংলড়ুনা মহাক্কী মথরাই হাৎপা হায়না রায়েলশঙদা রায় তাগ্রে। মপানা পোক্লম্বা মবুঙগী ঈবু রেজিয়ানা কয়ম্না লৈবাক্তা তাহনগনি? মহাক্না মমিৎতা মপি তানা হায়জচ্ছুনা মথরায়দি কনবিখি। রেজিয়াগী থৌজাল অমদি মপুকচেল চাউবস্তু উবদা অণ্ডম অথৌ পুন্নমক ঙক্লখি। মন্ত্রীশিংনা রুকু উদ্দিনগী মথরাই কনবিসি হায়বা য়ারম্বস্তু মশাবুদি খাদোকপা পামলমদবা মরম্না বন্দি থমখি।

রেজিয়ানা দিল্লীগী টাণ্ডবলদা ফমচ্ছুনা লৈবাক ভাক্লে। অছুবু

মাগী মন্নায়বক্কুদি টঙনা পান্নু হায়বহৌদি ভরীরমগ্রে। মতমহৌমক্তি ভারতবর্ষ অসি হিন্দুশিংগী মথুংতগী পাণ্ডলশিংগী মথুংতা খর খর লাকপা হৌরক্লবা মতমনি। অহুবু মুসলমানশিংগী মথুংনা চেংনা সাম্রাজ্য পায়শিনবা ওমগ্রি। মকোক থোংবা পাম্বা কাঙবুনা মরায়বক চাং য়েংনগ্রি। অমগা অমগা কন্না খংনরি। পীক্লবা প্রদেশ অমগী মপু ওইরিবা মহম্মদ জুনেদিদি রেজিয়ানা দিল্লী টাঙকপদা কম্বাল লাংলি মাগী মথাদা লৈগদবনি হায়বসি কন্না য়ানীংলমদে। মুপীমা মপাঙ্গল মথৌনা কৈ.হুনবু কন্না য়াম্না লৈরম-গদগে ? মাবুদি ইরায় লায়না মায়খীবা পীবা ওমগনি। দিল্লী সিংহাসনহৌম রেজিয়াগী মথুংতগী মুন্দুনা লোগে খল্লহুনা লান হৌরক্লে। লাম্মী মরাম পুত্না দিল্লী পাংলক্লে।

রেজিয়াসু মাগী কৈজব শক্তি পুথোক্কুনা লান শোক্কয়ে। থৌনা কবা লাম্মী অমগুম মাঙডিন থাহুনা লাম থেংনৈ। সুলতানাগী থৌনা অমদি লাম্মা থরায় য়াংবা উবদা মাগী লাম্মীশিংসু হৈনীংবা অমা পোক্লে। লাম্মী পূম্মক মথরাই খুনাক্তা হাপ্তুনা লান শোক্কয়ী। অহুপা অভম অথৌশিংনদি মাগী মায়কৈদা য়াওহুনা লান পাংবীরমদে। মখোয়দি লান্দারকপগী মীচঙদা লেপতুনা লৈরম্মী। কীভম অহুদা রেজিয়ানা লান ওইদি অমম্বা লৈব্রবনি। অহুগা মুংঙাইবা অমনা মতম চানা বাঙ্গলা লৈবাক্কী মতেঙ কংবদা লানগী লানমায় লয়রক্লে। রেজিয়ানা লান ওমলে। লান্দায়কপা জুনেদি মথরায় পুহুনা চ্যেনখ্রে।

শোক্কখ্রিবা লানফম অসী অসিদা রেজিয়ানা লান ওমলবদা

অঙম অথৌ অপুম্বনা রেজিয়াগী মগুণ খঙলে মহাক অসে ইচম চম্বা মুপী নত্তে হায়রবদো। শক অমসুং থৌনা অনীগী গুণনা চপ মান্নবা লৈত্তেব্বী মুপীনি। মহাক্কী মশক মগুণ মুন্না খঙলবা অঙম অথৌ-শিংনসু মঙোন্দা অন্নাবা পীবত্থু তোকত্রে।

মতম পুম্নমক্তা প্রজাবা মুংঙাই য়াইফনা লৈনবগীদমক্তা খনবী সুলতানা রেজিয়ানি। অঙাংশিংগী মতৌ তম্বদা খুদোং চানবা স্কুল কয়া শিংথংপীরম্মী। কলা বিদ্যা চাওখৎনবগীদমকসু হোংনৈ। মুমিং খুদিংগী থোকপা থৌদোক্তসু নিয়ম নাইনা চৎপীনি। সিং-হাসন্দা ফম্বা কান্দনা মহারাণী অমা ওইবগী মগুণ চপ চানা লৈহল্লি। রাজ সভাদা তিনবা লাকলিবা মীপুম খুদিংবু তয়াম তয়াম্না ওকই। ফজ্ঞ ফজবা বক্তৃতা পী। মাগী মমাঙদা পাল্লম্বা নিংথৌ-শিংনা শোয়রম্বা অপুম্বা চুমথোক্কবা চৎনরম্বা আইন শেমদোকই। শয়া হায়রবদা নিংথৌরেল অমনা চেনফম থোকপা গুণ পুম্নমক সুলতানা রেজিয়াদা চেল্লম্মী।

নিংথৌরেল অমনা মাগী সাম্রাজ্য থুংনা কোয়হুনা প্রজাগী অয়াং অপা খঙদোক্তনদি মতীক চানা লৈবাক ঙাকপা ঙমলোই হায়রবসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি। মহাকসু মাগী সাম্রাজ্য থুংনা অমুক্তং কোয়গে হায়হুনা থৌয়াং তৌরক্তে। অদুগা নিংথৌগা প্রজাগা চায়না মুংশিন্ননা লৈননবসু কান্না হোৎনজে।

মহাক্না নীংজবা পুম্বা মহয় য়াম্না পাঙথোকপা ওয়বগী মতমদি ঈশ্বরনা পীবিবিমত্রে। নৌনা অমুক লান হৌরক্তে। ইহান হান্নদা টুর্কিগী লুচিংবা আলটুনিয়ানা লান হুওয়কই। মতম অদুদা

মহাক্না বাতুন্দাগী গভর্ণর ওইরম্মী। রেজিয়ানা লাম্মী পুতুনা চৎখ্রে। বাতুন্দাগী লানবন খুত্তম চনশিন্নে। আলটুনিয়ানা লান জয় ওইবগী আশাদি স্নপলৈ মৈরমত্রবনি। অদুবু রেজিয়াগী তেঙ্গোলদা নমথাক তৌবা মী খরা য়াওরম্নে। নোংমা অহীং অমা রাণীনা লানবন মহুংদা তুমলিঙৈদা য়েক্কবনা কোয়শিন্নরে। রাণীবু ফাহনা বন্দি থম্লগা আলটুনিয়াগী মখুৎতা শিন্নখ্রে।

রেজিয়া থা খরদি বন্দি ওইনা লৈরে। মহাক্না নাহোক্লবগী উপায় লৈত্রে হায়বসি উরহনা অতোপ্পা লম্বী য়েংলক্লে। আলটু-নিয়াদা লুহোংহনা লৈননবগী থৌরাং অমা তৌখ্রে। লুহোংলবা মতুংদদি আলটুনিয়াগী হান্না খল্লম্বা রাখল হোংবা তারবনি। হৌজিক্তি রেজিয়াগী মথক্তা লান্দাবৈ মহুৎতা রেজিয়াগী মায়কৈদা লেপতুনা য়েক্কবা ময়োক্কবা তাখ্রে। অসোমদদি রেজিয়ানা লৈত্রি-ঙৈদা মন্ত্রী ময়াম লৌতুনহনা মহাকপু লৌথোকপীরে। মথোয়না সুলতানা রেজিয়াবু য়ানীংখিত্রিবৈ মরমদি আবিসিনিয়াগী মীনায় অমদা ওংহনা নিংথৌরেলগী মচান্নুপী অমা ওইবগী মগুণ মাওহল্লি হায়বসিনী। অহুদগী মন্ত্রীশিংনা রেজিয়াবু দিল্লীগী সিংহাসন্দা ফমহল্লরোই হায়না খল্লরহনা মাগী মমা ভিন্নদবা বেহরামবু সিংহাসন্দা থাঙ্গৎলে।

লুহোংলবা তুংদা আলটুনিয়ানা তৌগদবদি করিনো? দিল্লীগী সিংহাসন অমুক হন্না ফংনবা হোৎনবনি। মহাক্ন ওমজমখৈ লাম্মী খোমজিন্দুনা দিল্লী কোম্নুং পাংলক্লে। মায়কৈ অমরোমদা বেহ-রামগী তেঙ্গোল মায়কৈ অমরোমদনা রেজিয়া অমসুং আলটুনিয়াগী

তেঙ্গোল মায়োক্লত্থুনা অকনবা লান থেংনরে। অমনা অমবু পাক লাকচবা ঙম্নরমদে। লান শাংথনা কুইনা তৌনগদবা মতা মাল্লম্মী। অত্থুগদি ইখঙ খঙহৌদনা লান খংলোই লোইশিনখ্রে। নোংমা অহীং অমম্বা অমদা আলটুনিয়াগী মথক্তা অকনবা লান্দারম্মী। অকনবা লানফম ওইবনা মহাক্লা মায়োক্লবা ঙমখিদ্রে। মথল্লাই হিংনবগী-দমকত্তি রেজিয়া অমসু আলটুনিয়া অনী চ্যেনবা তারত্থুনা চ্যেনখ্রে।

দিল্লী সহরদে মাইল্ল কয়া লাপ্পা মখোয় অনী চ্যেল্লক্লে। করি করিগুম্বা মুমিংতা লম্বী ময়াদা হৌবা অচৌ অচৌবা উপালগী মরুমদা চোকথরবা হকচাং অনীত্থু পোৎথাই। শেগায়বা মোৎলবা ফিজোম্না মখোয়গী ওইরবসু হেক উবদা মখোয়গী মায়থোঙদা মতম অমদা নুংঙাইবা মুমিং মশক উরকপগী অমদি থেংনরকপগী মমিদি অত্থুম মতারি। মখোয় অনীনা চোকথরবা অমদি ল্লারবা থরায়-হকচাং পুরত্থুনা পুন্সী লমশাঙ চৎথরি।

বেহরামনা শগোল তোংবা কাঙবু অমব মখোয় অনী অত্থু তান্নহল্লি। নোংমদি হায়রিবা কাঙবু অসিগা রেজিয়াগা থেংনরুরে। অমনা মখোয়গী মনাক্তা চঙশিল্লক্লুনা মুন্না য়েংলৈ। অত্থুদৈ "অসিদা লৈরে। ফংলে, ফংলে," হায়ত্থুন লাউই। ময়াম অত্থুনা লাউরিবা অত্থু তারত্থুনা হোৎচিল্লক্লে। মফম অত্থুমক্তদা রেজিয়া অমসুং আলটুনিয়া অনীবু হাৎখি।

অসুম্না থৌনা ফবী সুলতানা রেজিয়াগী মপুন্সী লোইখি। অরাংপা কৌবদা লৈতবী সুলতানা রেজিয়ানি। মহাকী অরাংপা অশোয়বা হায়ববু মুপী ওইরম্বা অত্থুত্তনি।

রাণী লক্ষীবাঈ

মারাঠা লৈবাক্তা মোরাপান্ত কৌবা ব্রাহ্মন অমা লৈরম্মী ভাগীরথীবাঈ মোরাপান্তকী মুপীনি। মখোয় অনীসি মচা পোক্কবনা তাইবংপান্দা থোইদোকপা মখোয়গী অচেৎপা লীপুন লৈরমদে। ধর্ম্মদা থরায় লুপ্পা মীতা ওইনম্মু তৌই। কাশীদা চৎতুনা ধর্ম্মা কর্ম্মগী থবক কয়া তৌতুনা লৈরে। ঈশ্বরগী থৌজান্দগী ভাগীরথীবাঈ মচা মুপী অমা ফংজরে। ওক্না ফজবী কন্যানি। মহাক পোক্লকপদৈ ইমুং অতুদা অনৌবা মঙাল অমা চঙকপগুম তৌই।

নোংমা নোংমগী মুপীমচাসি অম্মুম অম্মুম চাউশিল্লক্লে। মমা মপা অনীনা মখোয়গী চুংশিজরবা মচামুপীবু মনুবাঈ হায়না মিংথোল্লি। থক্তা অমা শাৎত্রবী খাদা অমা পোমদ্রবী মদোম পোকচবী মুজানি। অঙাং নারা ওইরিবৈ মরূপ কনাগা শান্নমিন্নগনি? মবুকথোক্না শান্নজে। করিগুম্বদা মুপীমচাগী হৌনশা লাইফদিবী শান্নে। করিগুম্বদা মুপামচাগী ফিজেৎ শেৎতুনা থাঙ হাইবী শান্নে।

মনুবাঈ মপুং ফানা চাউরক্লে। মাগী থাজ য়োনজবৈ মরমদা মপানা খনবা হৌরক্লে। মতম অতুগী ঝাঁসিগী নিংথৌ গঙ্গাধর রাওনি। গঙ্গাধর রাওগী মহারাণী শিগ্রে। মচা পোক্লমদে। অদুনা নিংথৌনা মুপী অমা লুহোংহিগে খল্লম্মী। লাঈরকোন্দা শাৎপী ওইরবস্মু. লৈমকোনগী লৈরাং ওইরবস্মু মশকপু ফজরবদি মহাক্না হেক্তা লুহোংগনি। মসিনি গঙ্গাধরগী আশা। মায়কৈ মরীমক্তা গঙ্গাধরগী মপুক্নীংনা পামলিবা অতুগুম্বা কন্যা অমা থিননবা

মী থাথ্রে। ইকোন কোনবদা কন্যা অসি ফংলে। কন্যা অছুদি মোরাপান্তকী লাঈর খাঙপোকী মণি ওইনা ঙাল্লিবী মনুবাঈনি।

অফবা পূংফম খেনফন য়েংহুনা গঙ্গাধর রাওনা মনুবাঈগা লুহোংলে। কোন্নুং তান্না কন্যা অসি থিল্লকই। লম্বীদা লুহোংবা থিল্লকপা য়েংলগ্না কাঙবুনা মনুবাঈগী ফজবা শকফমবু উবদা খোঙ্গোক অমতা ওইনা "ফজথ্রেদা! লাইরেম্বী লক্ষীদেবীগী শাইওন ওইবা তায়" হায়নখি। মতুংগী মুনিংতগী হৌরহুনা মনুবাঈগী মমিং লক্ষীবাঈ হায়না খঙনখি। লক্ষীবাঈ লাইরিক লাইশু পঙহৈ হৈবীদি নত্তে অতুবু মবুদ্ধি মরৌশিংদি চঙখোল্লি। মাগী মবুদ্ধি আচার ব্যবহার উবদা খ্বাইনা মহাকপু মুংশিবী। মতম খর লৈরগা লক্ষীবাঈ মচান্নুপা অমা ফংজরে। পাউ অসি তাবদা লৈবাক প্রজা মুংঙাইবগী ঈথক হৌরে। জগৎ সংসারসিদা মুংঙাইবৈ ঈথক্তি কুইনা খক কাদে। মন্নুং মতম চাদ্রিঙৈ নারা ওইরিঙৈ অঙাং অদু লৈখিদ্রে।

গঙ্গাধর রাও অহল মতম ওইশিল্লক্লে। করম্না অমত্তা পোকচবা মচা কায়নবৈ অরাবা খাঙগনি। গঙ্গাধর মতম খর লৈরম্লগা নোঙ্গাথ্রে। নৌনা লুপ্রাশিংদা চল্লবী লক্ষীবাঈগী পুন্সী ঙমখে লৈত্তনা রাবদা তাথ্রে। নৌনা লুপ্রা ওইবগী অরাবা পোৎলুমগা লোইননা প্রজাগী লৈবাক ঙাকপগী ভারসু পুবা তারি। খঙ্গোয়নুংদা লোম্না লোম্না ঈশ্বরগী নাম শোল্লি। অঙকপা মবুদ্ধি মরৌশিং শীজিন্নহুনা লৈবাক ঙাকপগী থৌরম শীল্লি। মসিনসু মাগী অরাবা লোয়বা নত্রি। মাগী লম্বীদা মহু চাউরবা ইংরেজ সরকারনা থৎতুনা লৈরি।

গঙ্গাধর রাওনা হিংলিঙৈদা মাগী মহুৎ শিলহৌনবা হায়দুনা দামোদর রাওবু য়োল্লম্মী। হৌজিক লক্ষীবাঈনা দামোদর রাওগী মমিংদা লৈবাক শাসন তৌরি। তৌইগুম্বসুং ইংরেজ সরকারনা দামোদর রাওবু গঙ্গাধর রাওগী য়োকচবা মচানি মহাক্না নিংথৌ খুভম শিলহৌফম থোকই হায়বসি য়াবা ঙমলোই হায়না খঙ-হল্লক্রে। অদুদা নত্তুনা ঝাঁসি মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা থমলোই। ঝাঁসিগী শাসন ইংরেজ সরকারগী মখুৎতা থমগনি। অদুগা রাণীদা মাগী শীজিন্নবগীদমক লুপা লীশীং মঙা পীগনিসু হায়রকই। পাউশিং অসি তাবদা রাণীগী মকোক্তা শোরারেন্না কীন্থরক্তুনা ননবগুমখ্রে। মপুরোইবা শিথ্রে, মদোম পোকচবা মচাসু লৈখিদ্রে, পুন্নমক অদুগা লোয়ননা মরৈবাকপু মাঙলগদ্রা চিংনরক্লে। মতম অদুমক্তদা ইংরেজ সরকারনা ' ঝাঁসি পীথোক্লে." হায়না পাউ থারক্লে।

অসুম্না তৌনরিঙৈ তানজা অসিদা ভারতকী মফম অয়াম্বদা সিফাইশিংনা লান হৌরক্তুনা মফম মফম খুদিংদা ইংরেজশিংবু হাৎপা হৌরক্লে। অসিগুম্বা লালহৌ অসে ঝাঁসিদসু থুংলরে। সিফাইশিংবু কিবদৈ ইংরেজ মুপী অয়াম্বা লক্ষীবাঈগী মফমদা চঙজরম্মী। লক্ষীবাঈনা চঙজরকপা মীদা হরাওনা চঙজফম পী। লালহৌবশিংনা শেল পীদুনা মখোয়গী মতেঙ পাংবিদবা হায়ে হায়রকই। মখোয়দসু রাণীনা শেল থুমগী মতেঙ অদুম পীবী। লক্ষীবাঈনা লানহৌব-শিংদা শেলগী মতেঙ পীরে মখোয়গী মায়কৈদা লেপলে হায়বা পাউসি ইংরেজ সরকার তায়ে। তাদুনসু থবক চিনবা মরমদৈ থোইনা থৌশারমদে। মহৌশাগুম অদুম লৈবাক ঙাক্তুনা পাল্লম্মী।

অসোমদা সদাশিব হায়না কৌবা মুপা অমনা ঝাঁসিগী সিংহাসন মিহৌবদৈ লান্দারকই। লানবন অমখক্তং জয় তৌরগা মশামকপু ঝাঁসিগী নিংথৌ ওইরে হায়না লাউথোকলম্মী। পাউ অসি তাবদা রাণীনা লাম্মী থাহুনা সদাশিবগী মথক্তা লান্দাহল্লে। লানদা মায়থীহুনা সদাশিবা চ্যেনখি। মায়কৈ অমারোমদা বোরছারগী রাণীনা ঝাঁসি লৈবাকপু মতম অমদা মখোয়গী ওইরম্বনী হায়না দাবী তৌরি। বোরছারগী রাণীনা অওকপা ফংনা লাম্মী পুরক্তুনা লান্দারক্লে। মরৈবাকী মীনা উৎসাহ পীরবদা ঝাঁসি রাণীসু লানগী-দমক শেম শারে। লান্দারকপা লাম্মীবু ঙাক্লবা লাম্মী পুহুনা থোকনে। অকনবা লান অমা শোক্লরে। বোরছারগী তেঙ্গোলনা মায়থীরহুনা সন্ধিগীদমক হায়জরে।

খুদোংচাবা য়েংহুনা লৈবাক খোপচিনগদগী লৈরিবা ইংরেজ সরকারনি। মখোয়না খুদোং চাবা ফীভমদা লৈরবা কান্দা নোংমদি ইখও খণ্ডহৌদনা ঝাঁসিদা লান্দারক্লে। তেঙ্গোল অনী লান থেংনরে। রাণীগী মথৌনা উবদা ঝাঁসি তেঙ্গোলনা মথৌনা হাপকৎলোইদবা করিদনো? শিবা কিদনা মথরাই পামুদনা লানফমদা চোংশিল্লি। ইংরেজ লাম্মী নীংহম্লরে। মতু উবদা ইংরেজ সরকারনা অনৌবা লাম্মী থোরজীল্লি।

ইংরেজনা ঝাঁসিদা লান্দারকপগী নিপাল্লি গুবা হুম্বিংতা ঝাঁসিগী লানবন্দা লাম্মী লীশীং কুন পুরকপদা ঝাঁসিগী তেঙ্গোল অহু নেনা মপাঙ্গল হাপকৎলক্লে। অহুদসু নত্তনা সিকাই লাল-হৌবশিংগী লুচিংবা নানাসাহেব অমসুং তাঁতিয়া তোপীগী লাম্মীসু

ল্লাওরে। ইংরেজ লাম্মী তৌকম খণ্ডখিল্লে। তরামাখোইনি গুবা হুমিংতদি ইংরেজনা চক্রি অমা তৌবা হৌরক্লে। মতুংগী ফলনা ঝাঁসি মায়থীরে। নানাসাহেব অমসুং তাঁতিয়া তোপীগী লাম্মী লানফমদৈ খুংলায় থাহ্নুনা চোনখ্রে। হুমিং অহুদৈ হৌরহুনা ইংরেজগী শক্তি ভারততা নোংমা নোংমগী অসুম অসুম হেনগৎ লক্লি। অতুকাওবদা ঝাঁসিগী মরক্ত ওইবা লানবন রাণীগী মখুৎতা লৈরি। ইংরেজনা গুপ্তমখৈ মতুমসু য়াওনা লৌশিন্নবা হোৎনরি। ঝাঁসি তেঙ্গোল নীংহন্নরে। লক্ষীবাঈনা মখোয়গী মপুক্লীং থৌগৎনবা কন্না হোৎনরি। লাম্মীংশিংতু রাণীগী রা তারগা অনৌবা থৌনা পোক্তুনা অমুক হন্না কন্না লান শোক্লরক্লে। অতুবু খুজু খুংলায় ফরবা মশীং লাকণ্ডমদ্রবা ইংরেজ লাম্মীগী মমাঙদা কনানা লেপ-কনি ? ইংরেজনা সহর পায়শিনখ্রে কোম্মুং লৌশিনখ্রে।

রাণী লক্ষীবাঈবু ইংরেজনা ফাশিগদৌরে হায়বশি উরে। ইংরেজগী মখুৎতা লৈগদগী শরূকপুদি আত্মাঘাত তৌজ্নুনা শিথিবনা হেন্না ফরে খল্লবা রাণীনি। ত্তৌইগুম্বসুং মমৈদদি অতোপ্পা রাখল অমা লাক্লে। শিবৈ মহুৎতা লৈবাক অহুদৈ মপাল থোকখ্রবদি মরৈবাক কনবা গুমবৈ উপায় থন্না লৈরে হায়বা উরহুনা চোনখ্রে। চোল্লক্তুনা রাণীতু নানসাহেবকী মনাওগী ময়ুমদা থুংলরে। মখোয় অনী তানহুনা অমনা অমগী মত্তেঙ লৌনহুনা ইংরেজগী মথক্তা লান্দারে। শংগোল তোংহুনা রাণী মশামক লানফম ময়ায়দা চোং-থোক্তুনা লান শোক্লে। মহাকী মথৌনা উবদা ইংরেজ সেনাপতি হিউরোজনা অসুম্না হায়খি, "লক্ষীবাঈ হুপীমি রেক্তবানি অহুনু

য়েক্লবৈ মায়কৈদা লান শোক্লরিবশিংদৈ মপাঙ্গল মথৌনা লৈবা লান্দা হৈশিংবদি মহাক্তনি। পূমমক্তগী মহাক্কা ইহেল হেল্লি।” অস্নুম্ন।

রাণীনা পেশোয়াগা তানঙ্গনা গোয়ালিয়ার লৈবাক্কী নিংথৌদা মক্তেঙ পাঙন্বিনবা হায়জরুই। মতম অহুদগী গোয়ালিয়ারগী নিংথৌদি মক্তেঙ পীগে থরমক্রে। মহুদা পেশোয়ানা গোলিয়ার নিংথৌগী মথক্তা লান শীঙলে। লক্ষীবাঈনা পেশোয়াগী মায়কৈদা লান পাংলে। পেশোয়া লান জয় ওইরে। পেশোয়ানা লান ওমবৈ পাউ তাবদা ইংরেজ লাম্মী গোয়ালিয়ার পাংলককথি। পেশোয়ার অমসুং ইংরেজ তেলোন অনী মায়োক্লরে। অকনবা লান্ন থেংনরে। লানকম অসিদা ইংরেজগী খুৎতা রাণী লক্ষীবাঈ থরায় থাখিবনি।

লক্ষীবাঈগী মথৌনা চাংজমনীংঙাই লৈত্তবনি। অহুবু ইংরেজ সরকারগী করবা খুজু খুৎলায়, অয়োৎবা নাইদবা লাম্মী অমখি যোম তোপকী অনৌবা লানওংদা, লীকং তেন, থাং তানা কন্নি তৌরনীংঙাই লৈগদনি? মসিমক্তনা রাণীনা মায়থীরখিবৈ অচৌবা মরমনি।

য়েক্লবা মায়োক রাবদা রাণী নোক্সাথিবনি। মহাক্কী মথৌনা মরৈবাক লীংবা অমদি মুথংপা ওয়রোইদবা মিংচৎপু করম্না ঐখোয়না কাউগনি?

সরোজিনী নাইডু

সরোজিনী নাইডু ভারত অতিয়া মপুংয়ায়দা নায়তোম থোক্লম্বী থাজনি। মহাকপু মমোম ওইনা ফংজবদি ভারত ইমাগী লাইবক ফবনি হায়নীংঙি। সরোজিনী বাঙ্গালী ব্রাহ্মণ অমগী মচাম্নুপীনি। মোংপোক বঙ্গনা মপাম লমদমনি সরোজিনীবু পোকপা ডাক্তর অঘোরনাথ চটোপধ্যায় হায়দ্রাবাততা থবক তৌরম্মী। মহাক বিজ্ঞান্দা য়াম্না হৈশিংবা অফাওবা মুপা অমনি। অদুগা সরোজিনীবু পোকপী বরদাসুন্দরী লৌশিং শিংবী, কবিগী ময়াই চেনবী, য়ুমগী মবেম্মা ওইবদা মতীক চাবী অমসুং পূকচেল চাউবী মমানি। সরোজিনী অসিগুম্লবা চঙখোল্লবা পলেম পম্থোগী মমোম্নি।

সরোজিনী ইং ১৮৭৯ ফেব্রুয়ারী তাং ১৩ দা হায়দ্রবাদতা পোকই। সরোজিনী য়াম্না নৌনা স্কুল তম্বা হৌই। মহাক অহানবদা ইংরেজী তম্বা কয়া পাম্লমদে হৈসু হৈরমদে। মীয়োনবু করম হায়না হৈননবা তম্বা ভমগদগে হায়বগী কিসু কিরম্মী। নোংমদি মপানা ইংরেজী হৈননবা পাদে হোংনদে হায়দুনা মঙোন্দা দন্তি অমা পীখি। মদুদে মহাক্না ইংরেজী হৈনবা তমগে হায়বগী অচেৎপা রাশক অমা লৌখি। মুমিং অদুমক্তদগী হৌরদুনা মহাক্না ইংরেজী লোন্দা নত্রবদি মপাগা য়া থক ভাঙনরমদে। অদুগা ইমুং মনুংগী মী অতৈগদি হিন্দি লোন্দা ভাঙনরম্মী।

অপোকপনা সরোজিনীবু বিজ্ঞান হৈবী মুপী অমা ওইহনীংলম্মী।

অহুবু সরোজিনীনদি পাম্লমদে। মহাক্তি মমাগুন্না শৈরেং ইবা কবি রাখলগী ঈপাক্তা ত্তাউহুনা অনৌ অনৌবা ভাবকী ঈচেনগা লোয়নবা পাম্লম্মী। পূক্নীং হূনা নীংথিজরবা শৈরেং কয়া সরোজি-নীনা ইরম্মী। ডাক্তর অঘোরনাথ বিজ্ঞানগী মী অমা ওইরবসু সরোজিনীনা ইবা শৈরেং কয়ামরুম ছাপা নমহুনা ফোঙহুনা মচা-মুপীগী পূক্নীং য়াম্না থৌগৎপীরম্মী।

সরোজিনী চহী ১২ তা ওাইরিবৈদা মাদ্রাজ বিশ্ববিদ্যলয়গী মেট্রিক পরীক্ষা ঙমখি। হায়দ্রাবাদকী নিযামনা সরোজিনীগী মমুং মতম চাদনা মহৈদা চঙখোনবা উরহুনা থোইদোক্ল পেল্লহুনা সরকারগী তোঙানবা বৃত্তি অমা মঙোন্দা পীরম্মী। বৃত্তি অহু ফংলহুনা মখা লাইরিক তমথনবগীদমক মহাক বিলাত্তা চৎখি। বিলাত্তা চৎলগা মহাক্লা মফম অহুগী অহৈ-অশিং, লাইরিক ইবা কবি কয়াগা শক খঙনহুনা মহুনা মাগী কবিগী মতীক ময়াই তেনগৎনবগী মরম অমা ওইরম্মী। বিলাত্তা লৈরিবৈদা মহাক্লা ভারতকী মরমদা শৈরেং ওাক্তগী লাইরিক অহুম ইংরেজীদা ইখি। মীরমদমদা লৈশাবীমচা অমা ওইরিবী সরোজিনীনা মাগী তৌবা ওম্বা মতীক মগুণ কয়াসু উৎলম্মী।

মহাক্লা মহৈ মশিং তম্বা লোইরহুনা ময়ুমদা হল্লক্লে। হল্লকবা মতুংদা ভারততা কল্লা চৎনরিবা "জাৎ তিন্নদবা মশেল লৌনবা য়াদে" হায়বা চৎনবীবু থোইনা খল্লুদনা ব্রাহ্মন নত্তবা ডাক্তর এম, জি, নাইডুগা লুহোংলম্মী। অসিগুদা জাৎ খায়বগী য়াখল লৈরিমখৈ ভারতনা চাউখৎপা ঙমলোই হায়বসি সরোজিনীনা কল্লা থাজরম্মী।

লুহোংলবা মতুংদা মহাকপু সরোজিনী নাইডু হায়না খঙনপ্রে। অসি-গুম্বা খ্বাই পুম্নমক্তগী খোইদোক হেন্দোকনা মুপী কাঙবুগী কান্নরবা থবক কয়া পাঙথোকলম্মী। মহাক্না পাঙথোক্লম্বা থবক ময়াম উরগা ঐখোয়না মহাকপু মুপী কাঙবুগী লুচিংবীনি হায়নীংঙি।

লুহোংলবা মতুংদা সরোজিনী মচা মুপা অনী, মুপী অনী পোক্লুনা মতম খর ঈংনা পাল্লম্মী। অদুগা মহাক্তি মুপী অতৈগুম্না ইমুঙদা নৈশিন্দুনা লৈবদি কয়া হৈনরমদে। মহাক্ন ভারতকী নীংতম লান্দা য়াওনবগীদমক মশানা পামজরবা শৈরেং ইনা থাদোকখি! মহাত্মা গান্ধীগী সেবক অমা ওইনা কংগ্রেস য়াওদুনা ভারতকী রাজনীতিগী লানফমদা সরোজিনী অকনবা শরূক য়ারম্মী। ইং ১৯২৫ দা মহাক্না ভারত কংগ্রেসকী সভাপতি ওইখি। ইং ১৯৩০ দা তৌখিবা সত্যাগ্রহ লালহৌবদা লুচিংবী অমা ওইরু-বৈদমক অহানবা ফাদোক তাখি। অসীদসু নত্তে, সাহেবনা পাল্লিবঙৈ মতমদা মখোয়গী ওৎনৈবা কয়া খাঙদুনা হন্না হন্না ফাদোক তাখি। ভারতকী নীংতম লানফমদা লুচিংবশিংনা কৈগুম শঙদা ফংখিবা অরা অনা পুম্নমক চপ চানা শরূক য়াখিবী অতুগুম্বী সরো-জিনীনি। হিন্দু মুসলমান পূকচেল খোয়জেল তিন্নবা লৈমিন্নবা হোৎনবদসু মহাক্কী পুন্সীগী অচৌবা মখোদাং অমা ওইখি।

সরোজিনী ইবা হৈবী অমা ওইবতা নত্তে রা ভাঙবদসু খোইদোক্না চঙখোনবীনি। হিন্দী, ইংরেজী, ফরাসী, উর্দুনচিংবা লোন্দা মমালোনগুম্না রা ভাঙবা ঙম্মী। মহাক্না এসিয়া, আফ্রিকা, আমেরিকা অমসুং ইউরোপনচিংবা মীরৈবাক্তা কোয়না চৎতুনা

ভারতপু য়োকখংপৈ রা কয়া কয়া ঙাঙলম্মী। মহাক্না হায়রম্মী "সমাজ সেবাদা নুপীস্নু নুপাগা চপ মান্ননা অধিকার লৈ। নুপীনা অন্ধবিশাসকী কুয়োমদৈ নাম্থোক্লবা মশা মতোমতা লেপচবা ঙম্মবা হোৎনগদবনি।" অস্লম্না।

হৌজিক্তি ঐখোয়না উবা ফংলে মতুদি নুপীনা ইমুংদা পরদার মরুমদা থুপতুনা লৈরম্বদৈ চোংথোক্তুনা লাইরিক তমফমশঙদা, রায়েলশঙদা, অফিসতা ফম্বা অসিনচিংবা পূন্নমক অসি সরোজিনীগী হনবা লৈতবা হোৎনজমনগী মহয়নি। থবক তৌবদা নীংহন্নবা লৈত্রবী অখাঙকনবী সরোজিনীনা ভারতকী নুপী খুদিংমক মতীক চাবী মমা অমমম ওইবতা নত্তুনা মরৈবাকপু নুংশিবা খঙবা নুপী অমস্নু ওইয়ু হায়না পাউতাক কয়া পীরম্মী।

মরৈবাকপু নুংশিবা খঙবী, লুচিংবী, ভারতকী নুপী জাতিগী লেমজনফম ওইবী সরোজিনী ইং ১৯৪৭ তা ভারতনা নীংতম্বা ফংলবদা উত্তর প্রদেশকী গভর্ণর ওইখি। ভারতদা নত্তে, পৃথিবীদা নুপীনা গভর্ণর ওইবসি সরোজিনীনা ইহান হানবনি। মসি ঙসি ফাওবদা পৃথিবীদা অনৌবা পোৎশক অমা ওইতুনা লৈরি। ভারত মচাগী লাইবক থীবনা অসিগুম্নবী ভারত ইমাগী চঙখোল্লবী মমোম অসী ঐখোয় খ্বাইদগী পূন্নমকপু অরাবৈ ঈপাক্তা হন্দোকপীরম্নগা ইং ১৯৪৯ দা নোঙ্গাখি।

থাঙ্গৈশেংবমক সরোজিনীগী পুন্সী রারী পাক্লরগা মহাকপু থৌনাফবী, মরৈবাক নীংবী লুচিংবী অমনি হায়নীংঙি। মহাকী লমচৎ ভারতকী নুপীশিংগী ফিদমনীংঙাইগী মশক্নি।

লৈমা লিম্ন্বোইঙম্বী

ভারতকী ইতিহাসতা ফাওখিবী থৌনাফবী ফিদমনফম ওইবী মুপী কয়াগী পুন্সী ৱারী ঐখোয়না পারে অমসুং খঙলে। মখোয়গুম্বী মুপী অমতা মণিপুর সনা লৈবাক্কদি পোকখিদবরা? মৈতৈ কংলৈপুংদসু থৌনা ফবী লৈমা কয়া পোকখি। থৌনাফবী লৈম-রোল্লক্তা মৈতৈ লৈমা লিম্ন্বোইঙম্বী শীংথানবা য়াবী লৈমনি। মহাক নিংথৌখোম্বগী লৈমনি। ঙসিদগী চহী ৬০০ লোমগী মমাঙদা নিংথৌখোম্বনা কংলৈ ফম্বাল লাং নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্মী।

লিম্ন্বোইঙম্বী অঙোম নিঙোলনি। মহাক মুংঙাই য়াইফকোন্দা হৌরকপী মুজানি। কেথোক মৌথোক্না য়োক্লকই। লুনা নাম্না লৈজবা মহাক্না য়াম্না পামজে। য়াইফকোন্দা হৌরকই হায়দুনা মীমুংশি খঙদবী মুজাদি ওইরমদে। লৈতা লাঙ্গৈরবু পীজ পীথকপনা মাগী পেনঙবনি। মুপীমচা অমা ওইনা মুপীগী মশীন তঙ্গদা নত্তনা মুপামচাগুম্না চেংনবা চোংবা, থাঙ তা হৈনবা কম্না হোৎনরম্মী।

লিম্ন্বোইঙম্বী লৈশাবী মপুং ফারদুনা থাজ য়োনজবা মতম য়ৌরক্লে। নিংথৌখোম্বনা রাঙ্গোলনিংথৌ ওইরিঙৈদা মহাকপু লুহোঙদুনা লৌই। নিংথৌখোম্বগী মপাইবুংঙো পুন্সীবনা নোঙ্গাপ্র-বদা মহাক্না নিংথৌ খুভম শিলগৈই। নিংথৌখোম্বা মতীক মগুণ লৈবা নিংথৌনি। প্রজানসু য়াম্না য়াবা নিংথৌনি। লিম্ন্বোইঙম্বীসু নিংথৌগী মতীক চপচাবী মহারাণীনি। অনীমক পূকচেল তপ্পী

ইগডি, প্রজাবু লুনা তৌই। শন্না হায়বদা প্রজাগী মমা মপা ওইবদা মতীক চপ চাবা ঙাক্তনি।

মতীক মগুণ চেল্লবা নিংথৌ মহারাণী অনীনা লৈবাক প্রজা-শিংগী লুংঙাইনবা নীংথিনা রায়েল্লি। নিংথৌখোম্বগী পাম্বোম মরুম থুপ্পা লৈবাক প্রজা ইগনা পানজরি। মহাক্না পানবা চহী তরা শুরকপদনি নিংথৌনা লৈবাক শন্দোক্কে খল্লকপা। নিংথৌগী সনা পূক্নীং মতুং ইন্না অগম অথৌনস্তু য়ানরত্নুনা অক্লা লান্দাসি লেপ্পরে। নিংথৌনা কবো অক্লা লান্দাবা চৎখ্রিঙৈদা মহারাণীনা নিংথৌগী মহুৎ শিন লৈবাক ঙাকহৌবা তারে। মুমিৎ অফবা য়েং খেনফম অফবা খন মৈতৈ অপূম্বা হওদৌনা নিংথৌনা লুচিং অক্লা লান চৎখ্রে।

অচৌ অশাং লৈমকোনগী রাদি লৈবাক্না ঙাংননীংবা হৌন-শানি। নিংথৌ অক্লা লান চৎখ্রে মহারাণীনা লৈবাক পুহৌরি হায়বা রাফমসি খ্বাইনা ঙাগনরক্লে তানরক্লে। নিংথৌ লৈতবৈ রাফমসি তুইশেল তাংখুল য়ৌখ্রে। খুদোংচাবা য়েংনবা হায়বসি মীওইবগী লমচৎনি। নিংথৌ লৈতবৈ খুদোং চাবা লোগে খন তুইশেল তাংখুল তেঙ্গোলনা কংলাদা লান্দারক্লে। লৈমা রাখল তৌই-নিংথৌ লৈতে। মহাক্না নিংথৌগী মহুৎশিন লৈবাক পুরি। মহাক্না লৈবাক পুরিঙৈদা করম্না কংলা চগহনগনি? মহাকস্তু মৈতৈ মুজানি মৈতৈগী শেংলবা ঈনা মাগী শিংলিদা চ্যোল্লি। লৈবাক প্রজাবু খুদোংথীবদৈ কনবা হায়বসিমস্তু মহাক্কী ধর্ম্মনি। অতুনা তাংখুল তেঙ্গোলবু মায়োক্নগে খন নিংথৌগী ফিজেৎ খোল নিংথৌ শাতুনা খৌগল লাংগলগা লোয়ননা তাংখুল মায়োক্নবা লেংথোক্লে।

তাংখুল তেঙ্গোল য়েংত্তুনা লৈমনা হায়রকই "তুইশেল অথৌবা পুন্নমক অহীং অথেঙবা অসিদা লাকপবু করম্বা রাকম লৈবগে? য়েক্লবা কনানা লান্দায়রক্লবগে? হন্দক্তি ঐ পুক্নীং খরা মুংশি। তুইশেল অথৌবা নখোয় লৈ হায়বৈদমক ঐনা অক্লা লান চংপনি। নখোয়না লান পাংলদবা করিগীনো?"

নিংথৌ লৈতে খন মৈতৈ মায়থীবা পীগে লাকপা তাংখুল তেঙ্গোলনি। নিংথৌগী রা তাবদা তাংখুল মবুক হোংলে। তাংখুল খুল্লাকপা চোংথোক্তুনা মখুৎ লোন্নুনা হঙ্ৎখি, "লাইনিংথৌ! লাইনিংথৌনা কবো মায়োক্না লাস্তেংনবদা লান পাংগে লাকচবনি। হৌজিক্তি লান লোইরে লান ঙমলে তারবনিনা ইরৈবাক্তা হল্লগে।" তাংখুল মপুক ওল্লে খঙলবা লৈমনা মখোয়বু ফাবা ঙম্লগনি খল্লত্তুনা মরৌ ত্তৌনা হায়রক্লে, "লান ঙমবৈ নুংঙাইবা ওইনা নখোয়গীদমক থাক্তুনা থম্নবা য়ু অহাওবা অসী থকখো। হীদাক মনা অয়াকপা লৈবসি উমখো। নখোয় লাকপদা ঐদি করিস্নু হাপনীংঙাই লৈতে।"

নিংথৌগী য়াথংদি হিক্তোকফদরনা তাংখুল তেঙ্গোল য়ু থকখিবা তারে। লৈমানা য়ু পুথোক্তুনা পীথক্লে। হিদাকমনা য়েন্দুনা উমহল্লে। তাংখুল ময়াম অদো য়ু হিদাকমনা অনীগী ময়াইনা রাম্নুনত্তুনা তুগ্রে। অশিবগুম্না তুম্নগ্রে। অত্তুদৈ তেঙ্গোল মৈতৈ তেঙ্গোল অরৈমথে চোংথোক্তুনা তাংখুল ময়াম খুল্লাকপনচিংবত্তু ঙম্না ফাজিল্লে। জ্ঞান তারক্লবা মতমদা মৈতৈগী লৌশিংনা ফাগ্রে হায়বা খঙলত্তুনা শরি নামুং শোম্নত্তুনা য়েক্লবা রাখল থাদোকগ্রে।

তুইশেল তাংখুল নেমশ্লে থম্ব ইঙনা পানবা ঙমজরনি খল্লম্বী লৈমনি। অরাবদি মথং মথং হৌনহুনা লাকই। লৈমগী অরাবস্থ মথং মথং লাকখি। অইদন তাংখুল অমুক লম হেল্লক্লে হায়বা পাউ তারে। পাউ ফংলবদা লৈমনা ফম্বাইবা অঙম অথৌশিংদা লৈবাক শিন্নয়ন্নগা তেঙ্গোল পুহুনা তাইদন গুনাচীংদা লান্দাখ্রে। অকনবা লানফম থেংনরুরে। লৈমাগী মথৌনা মরৌশিংনা লান জয় ওইরে। লান ঙম্লবদা লৈমা কংলৈপুঙলোমদা মায় ওল্লক্লে।

গুনাচীংদৈ হেক হল্লকপগা মৈতৈদা কানম তেঙ্গোলনা অমুক লান শীংলক্লে। লৈমানা লান ওক্তুনা মৈতৈ কানম মায়োক্লুরে। অকনবা লাফম অমা শোক্লরে। মীনা খুরক হাঙদ্রবা লানফম ময়ায়দা লৈমা লিখোইঙম্বীনা শগোল তোংবা লাম্মী খরগা খুংতা থাংশাং পায়হুনা তেঙ্গোল মরক নমখায়হুনা কানম লাম্মী চায়খায়রে। লৈমাগী থৌনা উবদা মৈতৈ লাম্মী অনৌবা থৌনা হাপক্‌ৎলকই। কানম তেঙ্গোলদি লৈমগী তেঙ্গোল মায়োক্লবা ঙমদহুনা লানফম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। মৈতৈ তেঙ্গোলগী লাম্মীনা কানম লাম্মী অফং অফংবা নম নমহুনা ফারে। মৈতৈ লৈমাস্থ মথৌদাং শোয়বা য়াদে মতাগুম কানম নিংথৌ নমহুনা ফারে। নিংথৌ ফারবা অহুদদি লানস্থ লোইরে।

লানফম অহুমস্থ ঙম্লবা অহুদদি মৈতৈ লৈমা লিখোইঙম্বী হরাওবগী ঙমখৈ লৈখিদ্রে। লানগী ময়াই অমা কারে। মৈতৈ তেঙ্গোলনা লানঙমবৈ ময়াইনা ভাওরিখৈ অসিদা কুমফী খোঙয়াংনা মনাক্তা লৈবা লমগী মীশিংদা ওৎপগী পাউ থুংলরে। মৈতৈ লৈমগী

শগোল তোংবা লাম্মী লানগী থৌরাং তৌত্থনা খোঙয়াং লান্দাবা লৈমনা লুচিং চৎগ্রে। মৈতৈ তেঙ্গোল কুমফী লৈশোকপুঙ য়ৌরে। মৈতৈ খোঙয়াং মায়োক্লরে। য়াম্লরে, থিম্লরে, অকনবা লান অমা থেংনরে। খোঙয়াং তেঙ্গোলনা খরা লাকচরপ ঙমলপ তৌবা উরবদা লৈমা মুংশা থীরে। লৈমনা মরো অমা তৌদ্রবদি য়াররোই খন্দুনা চ্যোনশিন্নরে। মৈতৈ তেঙ্গোলনা চ্যোনখিবা উরবদা খোঙয়াং নিংথৌ মরিংবনা মখোয়না লান ঙমলে খন থাঙগী জগোয় শারি। তানজা অসিদা লিপ্থোইঙম্বীনা মায়কৈ অমরোমদৈ চ্যোনশিল্লকুনা নিংথৌ মরিংবা নমত্থনা ফারে। নিংথৌ ফাগ্রবা অত্থদা খোঙয়াং তেঙ্গোল কায়রে চ্যোন্নরে। মৈতৈ লাম্মীনা তান্না তান্নত্থনা খোঙয়াং লাম্মী অকংবমখৈ ফারে। লান লোইরে। লৈমনা কুমফী লৈশোক পুংগী লান ঙম্লে। হৌনবী মতুং ইন্না লৈমদা খোঙয়াংনা অঙম্বা লোইপোৎ কৎলে। মৈতৈ লৈমা লিপ্থোইঙম্বীদো মৈতৈ তেঙ্গোল পুত্থনা হল্লক্লে। মৈতৈ সনাকোন্নুং য়ৌরে।

অরাবগা অরাবগা, মুংঙাইবগা মুংঙাইবগা মরী চৎনবা তাইবং-পানগী হৌনবী নিয়মনি। মৈতৈ লৈমনা কুমফী খোঙয়াং ঙম্বগী মুংঙাইরিবৈদা লাইনিংথৌ নিংথৌখোম্বস্থু কবো অক্লা ঙম্বগী মুংঙাইবা পাউগা লোয়ননা থুংলরে। লৈমা নিংথৌ অমদি প্রজাশিং মুংঙাইবে [illegible] লৈমা নিংথৌ অমীনা লান চৎখিবৈদা মপী মপা লৌতবগুম লৈরম্বা প্রজাশিংদো হৌজিক্তি ঈংনা তপ্না পানজরে।

মৈতৈ লৈমা লিপ্থোইঙম্বী লানফম ময়ায়দনা নোংশাগুম থৌনা ফবীনী। কোন্নুং মন্নুংদনা নিংথৌ অমগী লৈমা ওইবদা মতীক চপ

চাবীনি। মীন্নংশি থঙবী মুপী অমনি। প্রজাব লুনা তৌই। লৈত-লাঙৈর অশোন-অনাবু য়োকপীনি। নিংথৌরেল নিংথৌখোম্বগী ফম্বাল নাপ য়ানা পানখিবী মৈতৈ লৈমগী মমোলোয় থৌনাফবী লিস্থোইঙম্বী মণিপুরী ঐখোয়গী লেমজনীংঙাইনি।

ভারত-চম্পু

সমাজ অমস্মুং সভ্যতাগী খোঙচৎতা য়েলহৌভৈদে হৌনা মুপীদি মুপাদে তোম্বনা লৈরকই। ইতিহাসকী মমাঙদা তাইবংমী-ওইবনা লৈকুৎ কোঙ্গুৎতা লৈরম্মী ময়ুম মকৈ শাদুনা লৈরমদে। মতম অতুদা লৈরম্বা মুপাশিংনা মখোয়না শাদানবা উমং ৱামংদা কোয়না চৎথ্রিভৈদা মুপী অঙাংশিংবু মখোয়গী লৈফমদা থনম্মী। শাদানবা চৎলুহুনা পুরকপা শা ঙাশিং অদু মখোয়গী মুপী অঙাংশিংদা পীজে। য়াম্না চাওখৎথ্রিভৈদে হৌরহুনা মুপীবু থাংদোক থাংজিন য়াবা সম্পতি অমগুম্না লৌনরকই। মুপীগী মরায়বক্ত ভম্নকপা তৌগদবা মথৌদাংনা ইমুং মমুংগী থবক ইনথাং নোম্বা অঙাং য়োকপা অসিনী। শা লানগী মতমদসু অমদি নত্তবা মতমদসু মুপানা মপানগী থৌ পূম্নমক পুই। অদুগা ইমুং মমুংদনা মুপাগী তেংবাংবা ওইনা মুপীনা নোম্মী শুয়। বন সভ্যতাগী মতমদা য়ুমগী মুপী অমনা তৌগদবা মথৌ অদো ঋক বেদদা অমুম্না ইরি—"য়ুমগী মুপীগী মথৌদি ফৌশু-চেঙশুবা, মপুরোইবৈ চান-থক্লবা থোং থাকপা, মপুরোইবৈ পেন্ননবা সেবা তৌবা, শম্থি হাপতুনা ইমুং ৱাইরম ভয়বা, কোল লীক ফেঙবা, পূম্নমক অসিগী মথক্ত ধারা মুৎতনবা মপুরোইবৈ মফমদে নিজবা।"

বৈদিক যুক্তী মুপীশিংদি মহৈ মশিং তম্বগী খুদোং চাবা কয়া ফংলম্মী। মখোয়না শৈরেং লেংডি, অথঙ অহৈ পণ্ডিতশিংনা নৈনবা, য়েৎনবা, কয়াদা মখোয়না য়াওই। মখোয়না অপাম্বা

মপুরোইবা খনজবদা, মনীংনি। অতুবু মীওইবগী পুন্সীদা সমাজনা খ্বাইদৈ তোনবা থবকনি হায়না খন্নরবা অতুগুম্বা থবক ফাওবা মপুরোইবগীদমক্তনি হায়ররদি মতু মখোয়না পাঙথোকপদা কৈমত্তা চিংনবা পোক্তে তুক্কচবা লৈতে। শন্না হায়রবদা মপুরোইবৈ সেবা তৌজবনা মচা মশু য়োকচবনা মখোয়গী পেনজবনি। লুহোংবা হায়বসি মখোয়গীদি থাদোকফদ্রবা ধর্ম্মনি হায়না নীংনরম্মী। ঈশ্বরনা শেম্বীরম্মী আত্মা অনী তিন্নৌ, থম্মোয় অনী তিন্নহল্লু লুংঙাইবা মপোক অমা লেন্ননবৈদমক। মসি অতৈ কৱিস্নু নত্তে অমত্তা ওইহন্ননবগীদমক পুন্সী অনী অমনা অমগী মফমদা কৎথোকনবনি।

"নহাক্কী থম্মোয়না ঐগী ওইরগে. ঐগীনা নঙগী ওইরো।"

মসিনী থায়নদগী হৌনা লুহোংবদা শক্করব্রিব রাশক চৎনরক্লিবা নিয়ম। মসিনা তাক্লিবদি অনগী থম্মোয় অমদা শিন্না অমগা অমগা থম্মোয় শিন্ননতুনা পুন্সীগী নক্কবা মরূপ ওইনতুনা সংসারদা খোঙ- দামিন্নবনি। লুহোংলবা মতুংদা নুপী নুপা অনীগী পুন্সীবু অমত্তা ওইনা খন্নতুনা পুন্সী খ্বৌদাং পাঙথোকমিন্নবা হৌই। হীরম খৌদোক খুদিংদা নুপীগা নুপাগা মান্নবা অধিকার লৈনহল্লি। অস্নুম্না থায়নৈঙদৈ হৌরহুন: ভারত্তস্নু নুপীগী মগুণবু ইকায়খুম্নরম্বনি। অতুবু হকচাংগী কায়াৎ অমস্নুং পাঙ্গলদা নুপীগা নুপাগা খেন্নবা মরন্না পুন্সীগী খৌদাংদস্নু খেন্নবা খরদি মরৈররি। নুপানা লৈবাক্কী শাসন পুই. শা লান শোক্কৈ. লৌড় শিংউবৈ থবক তৌই। শন্না হায়রবদা হৌজিক্কী জগৎকী পৃথিবী অসি নুপানা শেমগৎলকপনি। নুপীদি? নুপীনা নুপাগী তুংদা লেপ্পী অতুগা থবক খুদিংমক্তা মখোয়গী

থোংলবা শক্তি অমনা থৌজিল্লি, অনৌবা শক্তি মুপাদা হাপচিল্লি, মুপাবু লমজীংঙি।

পীক্লিবা অভাংনা মহাক্কী পুন্সীগী অহানবা পারা মমাগী মতম্বাক্তা ওন্না থোইনা শান্ন শান্না তম্বা হৌই। য়েলহৌঙৈদে হৌনা লৈরক্লবা ঐখোয়গী সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাবু ঙাক্কুনা লেঙদনা থম্বা ঙম্মবৈদমক্তদি মতীক চাবী মহৈ হৈবী মুপী চঙদবা য়াদে। মরমদি অভাংগী অহানবা মহৈ তম্বীবা ওজা অমসুং গুরুদি মমানি। মুপীবু মীনায় য়োংহল্লিং থাংতুনা থমলিবা লৈবাক অতুদি লৈখা তারবা জাতিনি হায়বদা করিস্ লানবা লৈতে। মনীং মখা তম্নবা ভারতনা মুপীবু ফক্লাং মরীনা কোয়শিনবা ইমুংগী মম্লবা কাদা অমসুং অন্ধবিশ্বাসনা কুপশিল্লবা কোমদা লুপশিন্দুনা থমখিগদ্রা ? অন্ধবিশ্বাসকী কুয়োমদৈ মুপীবু নাম্থোকহন্দুনা শিক্ষাগী মঙাল ফংহল্লবতদা ভারত জাতিনা চাওখৎপা ঙমগদবনি।

মতম কুইনা চংনরক্লবা সমাজগী খুদোংথীবা কয়াদৈ মুপীবু কন্দুনা অনৌবা মপোক অমা হোংহন্নবা হোৎনবনা ভারত মচাগী মথৌনি। মুপীনা থাঙ্গৈশেংনা মনীং মখা তম্বা ফংগদবদি ভারতকী লাইরিক হৈবী মুপীনা মপুরোইববু অমসুং মচাবু য়োনা নীংবা অমদি য়োনা মুংশিবা ঙমলগতনি। মতীক চাবী মুমগী মবেম্মা, মতীক চাবী মমা অমা ওইবদৈ হেন্না লেম্বা হেন্না ফজবা মুপীগী গুণবু অতোপ্পা অমা লৈরিবরা ? মুপীদি য়ুমগী লাইরেম্বী ওইগদবনি। রাজ্যপাল ওইরিবী মুপী নত্রগা রাজদূত ওইদুনা মীরৈবাক্তা লৈরিবী থোইদোক হেন্দোকপী অরাংবা থাক্তা লৈরিবী খ্বাইনা ইকাই

খুন্নরিবী নুপী অহুস্নু য়ুম অমগী মবেম্মা, অঙাং অমগী মমা, মচিন মনাওশিংগী মচন মচে ওইবা ফংদ্রবদি নুপী ওইনা পোকপগী নুংঙাইবা থাক য়োদ্রবীনী, পোকপে মহয় য়াদ্রবীনি হায়নরি। নুপীগী পুন্সীগী থৌদাং শুনা পাঙথোকপা ঙমজদ্রবীনি হায়ফাও হায়রিবনি।

ভারতকী নুপীবু জগৎকী চাওখৎপৈ থাক্তা কাহনবা পান্নবদি হান্না চৎনরমলিবা নুপীবু তোন্থনা য়েংবা মিংয়েং থাদোকপা তাবনি। নুপীমচা খুদিংমকপু দণ্ডি পান্দুনা মহৈ তমহনগদবনি। মতীক চাবী মমা অমা ওইহনগদবনি। হিন্দু কোড বিলনা নুপীবু অনৌবা মওং অমা ওলহনবগুম তৌরক্লি। খাইনবৈ আইননা শেম্নক্লবস্নু আইন অহুনা ঐখোয়গী শেংলবা লুহোংবৈ প্রতিস্তা অসিবু ইকায়হনবৈ মোৎহনবৈ ৱা লৈত্তে। তৌফম থোকপা মথৌদাং তৌনরক্তবদৈ দণ্ডি পীবনি। মমা মপানা থনস্থা সম্পত্তি নিংঙোলস্নু পিবাস্নু ফংহনবৈ নিয়ম অসিস্নু শেল থুমগী মরমদা নুপীবুস্নু মনাং মখা খর তমহনবনি। নুপানা নুপী লোনবা য়াদনবৈ তৌরক্লিবা অসিস্নু নুপীবু ইকায় খুম্নবা উৎলকপনি। তৌরক্লিবা পূন্নমক অসি নুপীগী ফংফম থোকপা অধিকার চপ চান ফংহন্নবগী-দমক্তনি। নুপীগী ফংফম থোকপা অধিকার অসি ফংহন্নবা হোৎনরকপদা মতীক চানা জ্ঞান লৈবী নুপী চঙগনি। অহুবু ঐখোয়না নীংশিংগদবদি নোংপোক্ক নোংপোকনি নোংচুপনা নোং-চুপনি হায়বা অসিনী। নোংচুপকী সভ্যতাগা অমদি সংস্কৃতিগা নোংপোকীগা মান্নদে অহুম ওইনমক ঐখোয়না লৌশিনগদবদি

অফবতনি। নোংপোক্কী য়ুমফম মথোল থোল্লগা নোংচুপকী য়ুমণ্ডং শারবদি ফজবা রাংকনি কলাগী মগুণ মাঙখিগনি।

নুপানা মতম লৈবা খিনিক্তা নুপীদৈ হেল্লি অশুম্না থায়নদৈ খন্নরক্লি। অদুবু হৌজিক্কি যুগকী বৈজ্ঞানিক খন্নদি য়ানীংদ্রি। মখোয়না হায়রি—রাখল, থম্মোয় হকচাংগী পাঙ্গল খরদসু, সংসারগী লানফম লাম্হেংনবদা নুপীনা নুপাদৈ উয়বা হেল্লি হায়রি। য়েৎনরিবা রাফম অমনা পৃথিবীদা লৈরিবা ইতিহাস অপূম্বদা থেংনরি মতুদি জ্ঞানগী থোঙদদি নুপানা নুপীদৈ য়াম্না হেল্লি। অদুবু ডাঃ জুলিয়ান হক্সলিম্নদি থোপতি নুপা নুপী খায়দে অমতনি হায়রি। হকচাংগী কায়াৎ খরদা খেন্নতুনা পুন্সীগী থৌদাং খরদা নুপা নুপী খেন্নবা খর লৈরবসু অনীমক্তা পুন্সীগী অরা অনাগী পৌদোক্তা অমদি হরাও তয়াম্নগী থোঙদসু চপ মান্ননা শরুক য়ামিন্নগনি। রাজনীতি অর্থনীতি অমদি সামাজিক জীবন্দা পুন্না থোঙদামিন্নগনি, হুংঙাই-মিন্নগনি অরাবা খাঙমিন্নগনি অমনা অমগী পুন্সীগী লেঙদবা মরূপ ওইনগনি। মতুতদা ভারত জাতিনা চাওখৎপা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। য়েরুবা মায়োক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

মুজাশিংগী ফিদম

ফিদমদা নুপী নুপা অমতনি। মুণি ঋষিশিংগী ৱাহয়দা হায়রগা "মশানা মশাবু মশক খঙজবনি।" মসিনা ঐখোয়গী ফিদমনি। থাঙ্গৈশেংনা পুরুীং ঈংনা নুংঙাইবা ফংবা ঙমগদবদি জগৎকী মীপুম খুদিংবু অমতনি হায়বা খঙবা ঙম্নবা অমসুং আত্মাবু মশক খঙল-গতনি। আত্মাবু ঐখোয়না ঈশ্বরনি হায়না লৌগনি।

হৌজিক্কী মতমদা তাইবং মীওইবনা অরানবা ৱাখল কয়া খন্নরকুনা অমদি অকে অমৌদা হেন্না থব্রায় য়াওশিনখিতুনা শেরাম্নবা লম্বীদা চৎনখিবনা আত্মাবু পুন্সীবু মশক খঙনরক্রে। অসিগুম্বা মীওইবৈ নত্তবা মওং অসি উবদা যীশু খৃস্টনা হায়রম্মী, "উটনা য়েতুম মনাগী অহোবদা ফাওতুনা চৎপা ঙমদবগুম্না ইনাক কৈরাক খুনবা লমলৈবা মীদি স্বর্গগী থোঙ হাঙদোকুনা ঈশ্বরগী মফমদা চঙজবা ঙমদে।"

পুন্সীবু মীওইবনা তোঙান তোঙানবা মওংদা লৌনরি। মী খুদিং শকমান্নদে। শকমান্নদবগুম অপাম পামদা, ৱাখল, ফিজেৎ চাকচা খেন্নে। মখোয় মখোয়গী পুরুীংনা পামজবা তোঙান তোঙানবা লম্বীদা চৎনতুনা পুন্সী লেন্নরী। মশাগী মগুণদি য়াওদনা চাউ-থোকচনীংবা, অপাম্বনা মাঙওইনবা, অচাউরম কানীংবা, মীথোই মীহেন্নীংবা কাঙবুন্থ লৈরি। খৱ অমনা মী তাদ্রবা লমদমদা, উনা পুংবা উগী উরুমদা পোৎথাজতুনা অপাম্বা লাংদৈ নাম্থোকুনা

শান্তিগী ঈপাক্তা তাউজবা পাম্মি। মহৌশা লাইরেঙ্গীনা মীওইবৈ পুক্কীংবু খঙবিত্নুনা মানা মানা পামজবা মওংদা মপুন্সী লেনজনবা খুদোংচাবা মফম অমস্তুং মতম পীখিরি। অনীংবা কয়াবু থুংহনবীরি।

কা হেন্না অকে অমৌদা খোঙদারিবা অত্নুদৈ হেন্না চাউবা পাপ অমা লৈত্রে হায়নরি। শ্রীমদভাগবদ গীতাগী রাবু লৌত্নুনা থাজনা চৎলিবা মীত্নুনা খল্লি—মহাক্কী মশাদা পাপকী মরীক অমতা পক্রুবনি হায়না। মসি বুদ্ধিগী রাকম্মি। ধর্ম্ম কায়ফদে মী খুদিংনা অচুম্বা ধর্ম্ম চৎকদবনি। মপূকচেল শেংদবা, আত্মা মশক খঙদবা মীনা কৈদৌনুংদস্ত অরান খুবম ফংবা ঙমলোই। মীওইবৈ পুন্সীদি পরীক্ষানি। পরীক্ষা ঙমগদবদি অচুম্বা লম্বী চৎলগতনি। ঐখোয়গী ধর্ম্মদি নীতি লৈতবা ধর্ম্ম নত্তে। থবক খুদিংমক নিয়ম অমগী মতুং ইন্না তৌনরি। নিয়ম কায়রবদি থবক্কী মহয় ফংদে। থবক্তু করম্না পায়গনি হায়বত্নুদি ঐখোয়গী মিৎ অসি লাওনা পাঙথোক্তুনা য়েংবা তাই। খোঙফম করিদা লেপ্লগা অমদি করম্বা ফিরেপ্পা, করম্বা খোঙথাংনা পুন্সীগী পনথুং য়োগদগে, ইশাবু ইশানা করম্না মশক খঙগদগে হায়বত্নু য়েংগদবনি।

মুপীগা নুপাগা চপ মান্নে খেন্নবা সুপলৈ লৈতে হায়বা অরানবা রাখল অসি তরামাপল শুবা শতাবদীদা নোংচুপ লমদমদা খন্নখি। অসিগুম্বা রাখল অসি করিদগী লাকখ্রিবনো? মধ্যযুক্কী মতমদা নুপীবু কা হেন্না ওৎ নৈখিবনা মরমনি। মতম অত্নুদা নুপীবু শা ঙাগুম্না খন্নরম্মী। করিগুম্বা অধিকার অমতা পীরমদে। সমাজদা মখোয়গী মফম লৈরমদে।

মতম অতুগী সমাজদা লৈরম্বা লাম্না থনবা রাখলদৈ থোরকপা খুদোংথীবা ময়ামতু মতমগী অচৌবা ঈথক্না ঈহৌরকপদা ওন্না তাউথোকখ্রে। হৌজিক্তি পুন্সীগী হীরম থৌদোক খুদিংদা ঈংনা তপ্পা মপুংফানা নৈনবা য়ারে। পুন্সী পামেলদা হৈজীং ফারবা হৈরাঙ মহয় য়াল্লহনবা য়ারে। হীরম থরদা মুপীগা মুপাগা মান্নবা লৈরবস্ থরদদি য়াম্না খেন্নরি। হকচাংগী কায়াৎতা, পাঙ্গলদা খেন্নবা লৈরি। অতুনা সামাজিক জীবন্দা পাঙথোক্কদবা থবকস্ থেন্নৈ। মুপী থরদি হকচাংগী পাঙ্গলদা, লৌশিংগী থোঙদা, রাজনীতিদা, বিজ্ঞান্দা, কলাদা শা লানগী মতমদা ফাওবা মুপাদৈ হেনবস্ লৈরি। অতুবু মখোয় অতুদি থোইদোক হেন্দোকপা অমা অনীতগী রাফম্নি। মহৌ-শানা মুপীদি থোৎচ নৌজবতনা মশীনজাং ওইজতুনা লাকলিবনি। পাম্বী অমতদা তিংখংস্ পাল্লি লৈরাংস্ শাৎলি। অনীমক কান্নৈ। কান্নবদি মান্নদে শীজিন্নফম থেন্নৈ। লৈরাংনা তিংখং ওইরুবা য়াদে, তিংখংনা লৈরাং ওইবা য়াদে।

মুপীবু ফজবৈ মুর্ত্তিনি হায়বদা য়ানীংদবা কনা লৈরোই। মুপী লৈবতনা মুংশিবৈ মনম ফংবনি ঈশ্বরবু মশক খঙবনি। মুপীগা শঙ্গ তৌজ্রবদি মুপীবু মশক খঙজ্রবদি পুক্নীং মকা লাম্বা য়ারোই। লেঙম শাঙমদা অতনবা পুক্নীং ওইতুনা লৈগনি। মুপাদা চেন্দবা গুণ কয়া মুপীদা লৈ। ঈশ্বরনা শেম্বীরকপদৈ হৌনা খেন্নরক্লসনি। মমা ওইবগী মুংশিবা হায়বসে মুপানদি মমঙদফাও মঙজ্রবা মুংশি-বনি। অথোংপা অনৌবতনা মুপীগী শরুক্তি অকনবনা মুপাগীনি। মশাগী ওইজবা থাদোকপা হায়বসিদি মুপীগীদি পোকপদৈ

লোয়নররক্নবনি। অদুগা অহিংসানা মুপী ওইবীগী পুন্সীগী খুৎলায়নি। ভারত জাতিগী পম্থৌ মহাত্মাজীনসু তাকপীরম্মী—"মুপীদি অহিং-সাগী মুর্ত্তিনি।" অহিংসা অমদি স্বার্থত্যাগনা মখোয়গী থরায়নি, থৌনানি, পাঙ্গলনি। পূক্নীংগী অমদি থম্মোয়মুংগী অরাবা কোঙ্গায় য়া মচেৎ অমতা ঙাঙদনা খাঙবা ঙম্বদি মুপীতনি। মুপীগী থম্মোয়গী তেংবাং য়াওদনা মুপাগী গুণ হেনগৎহনগে হোৎনবদি মরুভূমীদা পুথ্রী তৌত্নুনা লাঙ্গজ ঈশিং তানগে হোৎনবগুম্বনি ওইথোক্লরোই-দবনি। অওইবমক মুপীগী শেংলবা থম্মোয়গী থৌইনশন য়াওদনা মুপাগী পূক্নীং চাওখৎপা য়ারোই।

অনৌবা পুন্সী শেমগৎ শাগৎপনা মুপীগী মুংঙাইজবনি পেনজবনি। লম্বী অসিদতা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা কয়াদসু মুপীবু ইকায় খুম্নফম থোকপা কয়া অমা লৈরি। ঐখোয়না হৌজিক হিংলিবা যুগ অসি আইনগী যুগতনি। ঐখোয়না থাজরি—মুপীনা ফংফম থোকপা অধিকার কয়া লৈ মত্থ পুম্নমক শোয়দনা সরকারনা পীবিগনি। মুপীদা লৈরিবা থবক তৌবা ঙমবৈ শক্তি মুপীতনা থঙজগদবনি। চৎনরিবা আইন মীনা শেম্বনি অদুনা আইনগী চৎনবী অদুদৈ নাথোক্নবা আইনসু শেমগদবনি। রাজনীতিগী থোংদা অধিকার ফংবদি পূক্নীংগী পেন্নবনি।

ঈশ্বরগী মিৎয়েংদদি মী পুম্নমক চপ মান্নবা উই। মরম অদুনা আইনসু মীপুম খুদিংমকপু চপ মান্নবা য়েংগনি উগনি। মী খরদা অধিকার পীবা তারবদি খরদৈ লৌথোকপা তাবনি। থায়না মমাঙঙৈদদি মশা মশাগী থবকী দায়িত্ব মশা মশানা পুজরম্মী।

অতুগা মী অতোপ্পা অমগী নীং খা তমজবতুদা য়েংলুরবদি মরালনি হায়না খন্নরম্মী। মতু হৌজিকস্থ লৈরিবনি। মুপীনা মশাগী ইকায় খুম্নবা ঙাক্লবা অধিকার লৈগনি। অতুগা মুপাগী মথৌনা পীনবা হোংনগনি। মুপীনা মাগী ঈশ্বরনা পীনরক্লবা মথৌদাং ওইনা মুপাতুগী ধারা মুৎতনবা অনৌ অনৌবা পুন্সী শেমগৎ শাগৎলি। মতুনস্থ মখোয়গী পেনবা ওইরিবনি। মুপা মুপীগী লৈনবা মরী তৎতনবা লীপুনদি—মুংশিনবনি। মুপা মুপী চান্নবা মুংশিননা লৈরিঙৈদা কনানা কনাগী মফমদা আইনগী থোঙদা চঙজতুনা অধিকার তান্নরক্লোই।

মুংশিনবনা মুপা মুপী মরী লৈনবৈ য়ুমফম্নি। মুংশিনবতু মাঙ-থ্রবদি মরীতুস্থ মাঙখি। মপুরোইবা লীংবী, গুণ লৈবী মুপীবু শীংথানরকপদা ঐখোয়না তৎতনা শোম্নরি সীতা, সাবিত্রী, দময়ন্তী মন্দদোরী, শকুন্তলা, কুন্তি। মখোয়সিদা নত্তে মুপী লীশীং লীশিংগী রা ঐখোয়না, তায়, ঐখোয়না খঙডি মতুদি গুণ চেনবী মুপীগীদি অহিংসা, প্রেম অমস্থং স্বার্থত্যাগনা মখোয়গী লৈতেংনি। মসি য়েংননীংঙাই লৈত্রবা রাফমনি। মথক্তা পনখ্রিবা গুণ অহুম অসিদি শাগোম্নবনি তৎনা থানবা য়াদ্রবা মরূপনি। গুণ অহুম অসি চেল্লবী মুপীবু মুপীনি হায়না শীংথানবা য়াই।

ভারতকী সংস্কৃতিদা খ্বাই খুদিংমরু লৌফম থোকপা কান্নরবা পোৎশক কয়ামরূম য়াওরি। ঐখোয়গী লৈবাক্কী মুপীগী খ্বাইদৈ ফজরবা গুণদি "অতপ্পা" হায়বসিনী। মসিনা মুণি ঋষি ওইখিবৈ রা নত্তে, সংসার ত্যাগ তৌখিবৈ রাফমস্থ নত্তে। মুংগী মরু ওইবা

ভাবত্তি পুন্সী অসি মুংঙাইনা লেনহনবনি। মুংঙাইবা অতৈগী মখা পোলহন্না মুংঙাইবস্মু নত্তে। পুন্সীগী অকনবা নোং মুংশিংপু "অতপ্পা" হায়বা লমচৎ অসিনা ফাহনা খুদোংথীবা থোকহন্দনা মুংঙাইবৈ মপু ওইহনবনি।

ভূদান যোজনা

মনীং মখা তল্লবা ভারতনা মরু ওইনা নৈনরিবা খ্বাইদৈ চাউবা লুরবা রাফম অমদি খুঙ্গংগী লৌউ শিংউবা অমদি শীনমীশিংগী পুন্সীবু মতৌ করম তৌরগা চাওখৎহনগদগে ? করম তৌরগা করি উপায় পীরগা মখোয়গী অনংবা কোক্কদগে হায়বা অসিনী। ভারতকী লৌমী অয়াম্বদি মখোয় মশাগী লম লৈজদে। মী অতোপ্পদৈ লৌফম রায়তুনা মখোয়না লৌ উবনি। মতুগী ফলদি মখোয়গী আয় য়ামদে। য়ামদ্রিবা আয় অতুস্থু অমুক্কা এরেপ্পা লৈতে। কয়া য়াম্না করম্বা মতমদা ফংগদগে হায়বা খঙবা ঙমদে। মরম্নাইগী লম লৈজদবা লৌমীগী খুদোংথীবা অরাবদি পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা ফংনরি। মখল মখলগী উপায় থিতুনা তমথীরবা খুদোংথীবা অসিদৈ কোক্লবা হোৎনরি। রুসনচিংবা লৈবাক্তদি ঈমু নাইমু তানতুনা শা লান তৌনতুনা অরাবা অসিবু কোক্লবা হোৎনৈ। চীন লৈবাকসু রুস লৈবাক্ম হোৎনৈ। কাশমীরদদি জমীদারশিংদা ক্ষতিপূরন অমতা পীবা তৌদনা জমীদারী প্রথা লৌথোকপ্রে। উত্তর প্রদেশ. বিহার-নচিংবা মফম খরদদি জমীদারশিংদা ক্ষতিপূরণ পী। ভারতকী রাজ্যশিংদা জমীদারী প্রথা মুথৎপসি শেল য়াম্না চঙভি হায়বসিদি খ্বাইনা খঙনরবনি। সরকারনা শেল পুথোক্তুনা লম লয়রগা লম লৈজদবা মীওইশিংদা য়েনবীনবা পৈশা! লৈরক্তরে হায়বসি খ্বাইস্থু তশেংনা খঙনরক্রে।

আচার্য্য বিনোবা ভাবেনা অসিগুম্লবা ভারতকী লুরবা তাংকম অসিদা উপায় অমা পুথোক্লুদা চোংথোকপীরক্লে। মসি ভারত মচাগী লাইবক ফবনি। লৌয়াম চাবা, শেনজাও পায়বা কাওবদৈ লম লেম্না নিরগা ভারতকী লম লৈজদবা লৌমীদা য়েনবীগে হায়না ইং ১৯৫১ দা এপ্রিলগী তাং ১৮ দা ভাবেজীনা লেপ্পীখী। মুমিং ঔহুমক্লদা লম একর কয়ামরুম ফংখি। মুমিং অসিনা ভূদান যোজনাগী অহানবা মুমিংনি।

. .

ভূদান যোজনা অসি হীরম কয়ামরুমদা কান্নরবা অনৌবা মওংগী অহিংসাগী আন্দোলন অমনি। মসি সরকারনা লুচিংদুনা পাওথোকপা থবক নত্তে। সরকারগী মতেং য়াওদনা মরৈবাকপু থরায় হকচাং য়াওনা মুংশিজবা প্রজাশিংনা হোৎনজবা থবক্নি। যোজনা অসিগী লম্বীদি শান্তিগী লম্বীনি। অহিংসা অমসুং প্রেমতনা ভূদান যজ্ঞগী য়ুমফম ওইবনি। নমহাবা ঈতানবা, শা-লান ভৌনবা লান শোক্লবা য়াওদে। ভূদান যজ্ঞগী লুচিংবা ওইবিরিবা মরৈবাক নীংবা আচার্য্য বিনোবা ভাবে মহাত্মা গান্ধীজীগী অশেংবা সেবকনি। খোঙফম কায়দনা মহাত্মাজীগী খোঙ্গুল ঈম্না চৎপা মুপানি। অহিংসা অমসুং প্রেমতনা ভাবেজীগী থুৎলায়নি। থুঙ্গং থুঙ্গং খুদিং কোয়না থুংনা খোঙনা চৎলি। শেনজাও পায়বা, লৌয়াম চাবা কাওবুদৈ লম নির নিরগা লম লৈজদবা লৌমী শিনমীশিংদা লেম্না লেম্না য়েনবী। বিনোবাজীনা হায়বিখি— "ঈশিং অমসুং মুংশিংকী মতৌগুম্না লম অসিসু ঈশ্বরনা পীনবনি

কনাগীশু মরম্নাই ওইবা য়ারোই।" অমুম্না মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা শোকহম্না ভাবেজীনা ছায়জবনি নিজবনি।

ভূদান যজ্ঞ অসি ইহান হানবা ওইনা তেলেঙ্গনাদা হৌদোকই। তেলেঙ্গনা হায়দ্রাবাততা লৈবা খুল অমগী মমিংনি। অহুদৈ মকম অতৈদসু য়াম্না থুনা শন্দোকখ্রে অমদি য়োখরে। ইং ১৯৫৪ গী মার্চ থাদা আচার্য্য বিনোবাজীনা লম একর লাখ ২৭ ফংবা ওমখি। মথংদা চহী অহুমগী মনুংদা লম একর কোটি মঙা ফংনবা হোৎনগনি হায়না পান্দম থমখীখি।

আচার্য্য অমসুং মহাক্কী তুংইনবশিংনা মখোয়না নীংলিবা অসিগী পন্থুং য়োৌবা ওমগনি হায়বসি কন্না থাজে। ভূদান যজ্ঞ অসি অমুক্কী মতীক খ্বাইনা থগনরক্লে অমসুং য়ানরক্লে মতুদি রাজ্য খুদিংমক্কী মুপা মুপী খাক্তনা থৌনা কনা চোংথোক্লরক্তুনা ভূদান যজ্ঞ অসিগী থবক মোম্বদা য়াওররে। যজ্ঞ অসিবু করিনো হায়বদো য়াম্না লায়না মী খুদিংমক্না থগবা ওয়খৈদমক চে কয়া লাইরিক কয়া কোওহুনা শন্দোক্না তাকপা হৌনরক্লে। লোন কয়াগী থবর কয়াদা ভূদানগী কলম থাক্তুনা যোজনা অসিগী মরমদা ইনরি। রারেং, শৈরেং, খুন্নক ঈশৈ, রাস্নী মচা মচা লীলানচিংবা কয়াদসু ভূদানগী মমি তাবা ঐথোয়না উবা ফংখি।

ভূদান যজ্ঞগা রাজনীতিগা করিগুম্বা মরী অমতা লৈনদে। মসি রাজনীতি দলগী থবকসু নত্তে। ভূদান যজ্ঞ অসিদি সমাজ সেবদা মথরায় লূপচরবা "সর্বোদয় সমাজ"না লুচিংহুনা হোৎনবা থবক্নি। ভূদান যজ্ঞ অসি রাজনীতি আন্দোলন অমা

নত্রবস্থ অয়াম্বা রাজনীতি দলশিংনদি মসিবু সমর্থন তৌরি। ভারতকী লুচিংবা কয়াস্থ ভূদান যোজনাদা খোঙদাপ্রে। থরায় হকচাং য়াওনা নোম্বা হৌপ্রে। জয়প্রকাশ নারায়ন মশামকস্থ রাজনীতি ক্ষেত্র থাদোলমন্থনা ভূদান যজ্ঞদা থরায় লুপখি।

ভূদান যজ্ঞ অসিনা পাঙথোকখিবা থবক্তি লম খোমজিনবতা নত্তে। ফংলক্লিবা লমশিং অত্থু অমুক লম লৈজদবা লোমীশিংদা চপ মান্নবা য়েনবিবস্থনি। উত্তর প্রদেশ অমস্থ মধ্যপ্রদেশতা লম একর ৫৫,০০০ য়েনখি। নীংবা থুংনা অচুম্বা মওংদা লম য়েন্নবগী-দমক ভূদান নিয়ম কয়া রাজ্য কয়াদা শেম্লখি।

ভূদান যোজানাগী থবক্তি লম খোমজিনবনি লম য়েনবিবনি অত্থবু মসিগা য়াম্না নক্কবা মরী লৈনবা দান অহুমথকস্থ লৈরি। দান অহুমত্থুদি সম্পতি দান, শ্রমদান অমস্থং বুদ্ধিদাননি। অহানবনা শেল থুম দান তৌবনি, অনীশুবনা নোমন্থনা পাঙ্গল দান তৌবনি, অহুমস্থবনা জ্ঞান অমস্থং মহৈ দান তৌবনি। ভাবেজী অমস্থং মহাক্কী শিষ্যশিংনা শেল থুম খোমজিল্লগা লোমীশিংদা শল মশা ফবা, মরু মরাং অফবা অমস্থং হারনচিংবা লৈননবা য়েনবীরি। শ্রমদাননা ঐখোয় ইশানা ইশাবু মতেং পীজবা অমোৎ অকায়গী থবক নোম্বদা হঙ্গোই-দবা তম্বী। মসিনা থুঙ্গংগী মীয়াম্না সরকারগী মতেং য়াওদনা মখোয় মশা মশানা হোৎনজন্থনা লম্বী শেম্বা, গুহা তৌবা অসিনচিংবা থবকপু থোগৎপী। অহুমশুবা দাননা হায়বদি বুদ্ধিদাননা থুঙ্গংগী নহারোল অমস্থং অঙাংশিংবু মহৈ তম্বগী থুদোং চাননবা পীববু খঙনৈ।

থাঙ্গৈশেংমক হায়রবদা ভূদান যজ্ঞদি য়াম্না ঈংনা তপ্না তৌবা থম্মোয়গী আন্দোলননি। ভূদান যজ্ঞগী আশাদি শা লান তৌনদনা, ঈ তাহন্দনা ঐখোয়গী সমাজদা লৈরিবা অমোৎ অকায় ময়ামসিবু শেংদোক্লবা হোৎনবনি। হৌজিক্কী সমাজদা লাঈরবা ইনাকখুনবা অনীগী মরক্তা লৈরিবা চাউরবা রাংলবা পল অসিবু মাঙহন্নবা হোৎনবনি। শেল থুমগী হীরমদা মী খুদিংমক মান্নহনবনা ভূদান যজ্ঞগী য়ুমফম্নি। গান্ধীজীগী নীতিবু থবক্তা পাঙথোরকপনি। ভূদানগী নীতি অমনা খুঙ্গংগী মীচম, লৌমী, শীনমীশিংবু মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌ অমসুং ফংফম থোকপা অধিকার মশক খঙহনবনি। ভাবেজীনা নীতি অসিগী মতুং ইন্না চৎলি অমসু মসিবু মীচমশিংদা শন্দোক্ল তাকপীরি।

মীনায় ওইরমবৈ অমম্বা অহীং হৌখরে, নোংপোক ভারত নোংঙাল্লে, চাওখংপৈ অয়ুক ওইরে। লম্বী কয়াদা, মায়কৈ খুদিংদা চাওখৎপৈ খুদম উবা ফংলে। হীরম খুদিংদা মান্নবা চাওখৎপা ঙম্নবৈ অমত্তা ওইরবা লম্বীদি "ভূদান যোজনা" দনি।

বন মহোৎসব

হীরম থৌদোক খুদিংদা ধর্ম্মনা য়ুমফম ওইরগা থবক পাঙ-থোকপদি ভারত মচাগী মহৌশানি। দাম্নি, পীজ পীথকপনি, ধর্ম্মনি হায়তুনা মুমিৎ খুদিংগী উ রা পাম্বীশিংদা ঈশিং চাইবা ঐখোয়না লেপ্পা লৈত্রি।

উপাল রাপালদা ঐখোয়না থোইদোক হেন্দোক্লা থরায় য়াওরুবদি অন্ধবিশ্বাসতা থাজরুতুনা তৌবা নত্তে। খোংনাং, কাবু-লিয়া, খোঙনাংবোট পাম্বীনচিংবসি ঐখোয়না ঐখোয়দা অতুকহাক্লা কাম্নদে। ঐখোয়না চাননবা অথুম্বা উহয় মখোয়না পীদে। অসোমদা য়েংলুরগদি ঐখোয়না উপাম্বীশিং অসিবু অতুক লুনা তৌফম থোক্রুবনি। অতুবু হকচাংগী মায়কৈরোমদৈ য়েংলুরগদি উ পাম্বীশিং অসিদৈ ঐখোয়না হায়নীংঙাই লৈতনা কাম্নবা ফংঙি। মখোয়না ঐখোয়দা শারবা কালেন থাগী মতমদা চাক্লবা মুমিৎকী মৈশাদৈ কম্নবা উরুম পীবী। অতুদসু নত্তনা অশংবা উনানা পীথোরকপা ওক্সিজেন্না মীওইবদা য়াম্না কান্নরিবনি।

পাম্বী থাবসি মমাংঙৈদৈ হৌরতুনা ধর্ম্মগী থবক্লি ধর্ম্মনি হায়না লৌনরক্লি। ইং ১৯৫০ গী জুলায় থাদা মতম অতুগী চিঙ্গাকী মন্ত্রী ওইরম্বা কে, এম, মুনসীনা “বন মহোৎসব” হৌদোকখিবদা পুম্নৌ নৌবা পোৎশক অমা ওইনা থোকখিদে। ভারতনা মনীং মথা তম্নবনিন উ পাম্বী থাবগী থবক্তসু ফংফম থোকপা শরুক চপ

চানা ফংহনগদবনি। বন মহোৎসব হৌদোকপা অহানবা চহী অসিমক্তদা উপাম্বী কোটি অনীরোম থাখি। অত্থু অয়াবদি পাম্বী অয়াম্বা হিংখিদে। মরমদি পাম্বীশিং অত্থু থারিবা কাঙবুনা পাম্বী থাবে, হৌহন্নবে য়োকখৎনবগী মরু ওইবা ভাব মুন্নদি খঙদমা থরায়দা ময়াওবা ওইত্নুনা তৌবননি। মরম অত্থুদে "বন মহোৎসব" কী মন্থুংগী ফজবা ঈচেলবু ময়েং তাহনবনি।

অত্থুনা উপাম্বী থারিবা কাঙবুনা মখোয় মখোয়না থারিবা পাম্বীশিং অত্থু মখোয় মশামক্কী মচা মশু য়োকপগুম য়োকনি অমদি যত্ন তৌবিগনি। পাম্বী মচাশিং অত্থুনা তনৌ তনৌনা পুংকক চাউরক্লবা মতমদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী মতম নীংশিংলক্লী অত্থুদৈ মথং মথং ওইনা হৌথ্রবা মতম কয়াগী রা নীংশিংলক্নুনা পুক্নীং মরাঙ হৌগনি, অনৌবা রাখল পোক্লক্কনি। অনৌবা রাখল অত্থুনা ঐখোয়গী পুক্নীংবু নুংঙাইহনগনি। তুংদা ঐখোয়না থারম্বা উপাম্বীশিং অত্থুনা ফজরবা মনা পূংলবা মিৎকী পেন্ননীংঙাই ওইবা উপাল ওইনা হৌহৌগনি মরীক চুম্বা উহয় পালহৌগনি। তুংগী মীরোলমা য়েংনহৌনি শিংথাবিগনি।

চহী খরগী মমাঙদা উপাল য়াপাল য়াম্থোক্নুনা জঙ্গল কোথোক্লরম্বগী রা ঐখোয়না তায়। অচৌ অচৌবা জঙ্গল কয়া আমেরিকা, আষ্ট্রেলিয়া, আফ্রিকানচিংবদা কোকথোক্লখ্রে। জঙ্গল কোকথোক্লরম্বসি মীওইবৈ লৈফম খুন্দাফম লৈতত্নুমা তৌবনি। হৌজিক্তু বন উমং রামং কোকথোকপনা অমদি তুংগী রাখল ইথম খন্নদনা উ রা পংয়ান য়াম্থোকপদে নোং তাবগী চাং হন্থরক্লে, ঈশিং নুংশিং

কংশিল্লক্লে হায়বসি খণ্ডনরক্লে। উপাম্বী অচৌ অচৌবা হৌব্রবদি মতুগী মরানা লৈহাও ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্মী নোংগী ঈশিংনা চামথোকখিদে। উপাল অচৌবা হৌদ্রবদি নোংনা চামথোকখি। লৈপাক লৈহাও চেল্লক্তে। পুম্নমক অসি খন্থরুরগা উপাম্বী থাবা কাম্নে, থাগদবনি হায়বসি ময়াম্না খণ্ডরকপনি।

ঐখোয়না হিংতুনা পানবদা পোৎ কয়ামরুম চণ্ডি। মৈ হৌদবা য়াদে মৈ হৌনবগীদমক শীং চণ্ডি, উনা শাবা পোৎ চৈ কয়াস্থু মুমিৎ খুদিং ঐখোয়না শীজিন্নদবা য়াদে। মসিগীদমক ঐখোয়না জঙ্গলদৈ উপাম্বী য়াল্লি। য়ানবদমক য়ানথোকই থাজিনবদি খক য়াওদে। অসুম্না সুম তৌরদি মমৈথংদা শীজিন্ননবা শীং উ রাৎলক্তুনা অরাবা নংবদি শোয়দ্রবনি। য়াম্থোকখিতুনা উপাম্বী মশীং হন্থরকইবা অতু শিনগৎননবা অনৌবা পাম্বী থাগদবনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী শীজিন্ননবা উ রা মরাঙ কায়না রাৎতনা ফংবা পাম্নবদি উপাম্বী অতৎপা লৈতনা থাগদবনি। উ পাম্বী কয়া কয়ানা ঐখোয়দা চাননবা হাওরবা মনা মশীং মখল কয়াই উহয় পীবিরি। অতুবু ঐখোয় মীওইবনা চাননবা পোৎ রাৎপদগী খুদোংথীবা কয়া নংলি। উ পাম্বী য়াম্না থারবদি চিঙ্গাক রাৎপদৈ রানরিবা অসি খরগী মথৈদি কোকপস্থু ঙম্বা য়াই। ভরতবর্ষগী মীশীং অসি নোংমা নোংমগী অপুম হেনগৎলকই অতুনা উপাম্বী থাবস্থু লেপ্পা য়াদ্রি।

পাম্বী মশীং য়াম্না হৌরক্লবদি অফ অফবা পাম্বীস্থু শোয়দনা য়াওরকনি। চাউরবা হৈনৌ বন অমগী রাফম খন্নসি-বন অতুদা হৈনৌ পাম্বী মশীং লাকঙমদনা হৌই। মরক অতুদৈ খ্বাইদৈ

চাউবা অকবা পাম্বী অহুদা মরীক চুম্না উহয় পাম্লি। মহুবু উরগা থাজরিবা মুপা নত্রগা মুপী অহুগী থরায়দা হরাওবা পোকচৈ মপুক্লীংনা পেনজৈ। নোমজমনগী মহয় য়াম্লে খনজৈ। অতোপ্পা অমনা খল্লি—নোংমৈদি মাগী অসিদৈ হেন্না ফজনা মহয় য়াম্নবা থাগে, শেমগে অম্মুন্না। অকবা উপাল হায়বহু মতৌ করম্না ওইহনগদগে হায়বহুগীদমক সরকারনা শেল কয়া খরচ তৌহনা লৌউ শীংউবৈ থবক তমহল্লি। অনৌবা মওংগী পোৎথা হৈথা তমলনবা মীরৈবাক্তা থাবীরি তমহল্লী। পাম্বী থাবা কান্দা, মরু লোকপা মতমদা অখণ্ড অহৈ কয়াবু থাজিন্দুনা তাকহল্লি।

পাম্বী খরদি কাম্নবা ইরৈ লৈতনা লৈতেংগীদমক থাবস্থ লৈরি। মসিস্থু ফত্তবা নত্তে। ফজবা লৈরাং শাৎপা অপীক অপীকপা পাম্বী খরদি গমলাদা থাই। য়ুমদা থন্মী লৈতেংগী মশক ওইনা ফজরবা পাম্বী মচাশিং অহুবু উরগা ঐখোয়গী পুক্লীংদা মুংঙাইবা পোকই। ফজবা নীংথিবা য়েংহুনা থরায় মুংঙাইনা লৈরবদি হকচাংফবা হায়বসি মশানা তারবনি।

ছাত্র ছাত্রীশিংগীদমক্তা য়েংলুরগস্থু উপাম্বী থাবদৈ খণ্ডনীংঙাই তমনীংঙাই কয়া অমস্থু লৈরিবনি। ঋতু অঈং অশা হোংলকপগী মতুং ইন্না পাম্বীশিংগী মশাদস্থু হোংলকপা উই। পাম্বীগী মশাদা হোংলকইবা অহুবু য়েংলগা পীকলিবা স্কুল তমলিবা অঙাংশিংনা ঈশিং মুংশিং হোংলকপৈ মরম নীংথিনা অমদি লায়না খণ্ডবা ঙম্মী। পাম্বীগী মওং মতৌ হোরকপা অমদি চাউরকপা

অহুংগী মওংবু মুন্না খঙনা য়েংলবদি ঐখোয়গী পুন্সীগী ময়মদা চোক-শিনবা হৈরকই।

হৌজিক্তি উপায়গী থাবগী কান্নবা মরম খুদিংমক মুন্না খঙ-নয়রক্লে। মসি জাতিগী ওইবা উৎসব অমনি হায়রুনা সরকারনসু ধরায় য়াওনা হোৎনবিরক্লে। প্রজানা ভার তানরক্লবনিনা হৌখিবা চহীদৈ লাকলিবা চহীসিদনা হেন্না নীংথিবা মওংদা "বন মহোৎসব" অসি পাঙথোকনি হায়বসে ঐখোয়গী অচেৎপা থাজবনি।

চহী মঙাগী থোরাং

ঐখোয়গী ভারত লৈবাক অসি ব্রিটিশ সরকারগী শাসন মখাদা মীখা পোন্দুনা চহী চা অমগা মখায় লৈরুরবনি। মতম অসিগী মনুংদা ব্রিটিশ সরকারনা মখোয়গী ফনবতা থন্দুনা ঐখোয়গী চাওখৎনবৈ লম্বীদদি শুকয়েং য়েংবিরমদ্রবনি থওই বিরমদ্রবনি। ইং ১৯৪৭ তা ভারতনা মনীংমখা তম্বা ফংলে। অতুগী মতুংদগীদি ঐখোয়গী জাতি অসি অতৈ জাতিদৈ পুন্সীগী হীরম থৌদোক খুদিংদা কয়া য়াম্না শোংথনা তোম্বনা লৈরম্লবগে হায়বত্থু খঙবা ঙম্মে। চিন্তনা মনীং মখা তম্মে হায়রগতা মনীং মখা তম্বা ফংবা নত্তে। মনীং মখা তম্বা ফংবৈ মপুং ফাবা অর্থদি মীপুম খুদিংনা মাগী মাগী পুন্সীবু মায়কৈ খুদিংমক্তা চাওখৎপা ঙম্নবৈ, হুংঙাইনা লেম্নবৈ খুদোংচাবা ফংলগতনি।

মনীং মখা তম্বা ফংলবা ভারত সরকারনা মায়কৈ খুদিংমক্তা চাওখৎনবা হোৎনবদা খোঙথাং থীনবা য়াদ্রে হায়বসিস্থু মুন্না খঙলবনি।ময়ন্নাই ওইনা হোৎনজবনা চাওখৎপা য়ারোই হায়বসিমস্থু হৌজিক্কী পৃথিবীনা লায়না খঙনরবনি। হৌজিক্কী যুগ অসি বিজ্ঞান অমস্থুং মেছিনগী যুগনি। মীনা নাইতোম তাহ্নবা লৈবা য়াররোইদবনি। থবক খুদিংমক পুন্না থৌরাং তৌমিন্নরগা পুন্না নোংমিনদবা য়াদ্রবনি হান্না থৌরাং লোইরগা কোন্না থবক্তা খোঙদাগদবনি। মসুম্না তৌবনা থবক্তা কয়া য়ান্না মহৎ য়ানবা ঙম্বগে

হায়বত্থু রুস লৈবাক্পা খুদমনি। রুস লৈবাক অসি য়াম্না লাঙ্গৈরবা, শোল্লবা, মফম মরাঙ খণ্ডবা, লৈতাদবা লৈবাক অমা ওইরম্বনি। অতুবু চহী ২০ গী মনুংদা অমুকী মতীক চাউখৎলে। পৃথিবীগী খ্বাইদগী পাঙ্গল চাউরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা রুস লৈবাকসু অমা ওইরবনি। রুসনা অমুক থুনা চাওখৎপ্রিবা অসিগী অরোনবা মত্রদি মথং মথং ওইনা লৈবাক অসিনা পাঙথোকপ্রিবা চহী মঙাগী থৌরাংনা ওইরম্লে।

ঐখোয়গী সরকারসু থৌরম পরেং অমা শেম্লগা ইরৈবাক চাওখৎনবা হোৎনগে হায়না লেপ্লে। থৌরম পরেং অতু শীন্নবা কমিটি অমা শেম্লে। মতুদা শেল থুমগী হীরমদা খঙ হৈরবা কয়া য়াওই। মনীং মথা তম্বা হেক ফংবগা অহানবা চহী মঙাগী থৌরাং পুথোকই। মসিগীদমক লুপা কোটি কয়া কয়া কাইথোকই। মসিদা কাইথোকপ্রিবা লুপা ময়াম অতুনা লৌউ শীংউবদা, ইন্দস- ট্রিদা, মহৈ মশিং তম্বদা, সমাজ সেবাদা লম্বী-থোং শেম্বদা হাপ্পী। অহানবা চহী মঙাগী থৌরাংদা খ্বাইদৈ শেল য়াম্না চাকথুং ফংখিবদি লৌউশিংউবনি। লৌউবদা করিগীদমক শেল চাকথুং খ্বাইদৈ হেন্না থুংবনো? ভারত অসে চানা থক্লবা য়াম্না থোকপা লৈবাক ওইরবসু চিঞ্জাক রাংপা লৈবাকনি। চহী খুদিংগী মীরৈবাকতে চিঞ্জাক লৈনবা হোৎনবদা লুপা কয়া খরচ তৌরিবনি। অতুনা শীজীন্নদতুনা লৈরিবা লম লৌকম ওইননবা লৌ নীলহন্নী। মরু মরাং অকবা খোকহন্নবা, লৈপাক লৈহাও ফগৎনবা, ঈরম খোংলম নীংথিনা শেম্নবা হোৎনরিবনি। পুন্নমক অসিদা থরায় য়াওনা

হোৎনখিবদৈ চহী মঙাগী থৌরাংদা লাকখিবা পানদম অতুমক য়োবা ভমজ্রবসু চিঙ্গাকী অবস্থাদি ফনা য়াম্না ফগৎলে।

রিফিউজিশিংগী খুন্দাহম্নবা হোৎনবদা, কাশ্মীরগী ঈরাংদা, ঈশিং চাউবনচিংবা প্রকৃতিনা পীবা অরাবা কয়াদৈ কম্নবা হোৎনবদা শেল য়াম্না খরচ তৌখি। মরমশিং অসিদৈ চহী মঙাগী থৌরাংদা লৌউবৈদমক কাইখিবা অদু য়োনা হৌরম অত্তে অত্তেদ, কাই-থোকপা ভমখিদে। অদুনা মায়কৈ অতৈদদি নীংবা থুংনা চাওখৎ-হনবা ভমখিদবনি।

অগানবা চহী মঙাগী থৌরাং লোইশ্রবা মতুংদা অনীশুবা থৌরাং লৌখৎলে। অনীশুবা থৌরাং অসি আশা য়াম্না চাউনা হেন্না খরচ তৌবা থৌরাংনি। থৌরাং অসে অমুকী মতীক চাউপ্রে মতুদি মসিদা শীজিন্নবা পৈশা ঐখোয়না পুথোকপা ভমদতুনা আমেরিকা অমসুং রুসকী মতেঙসু লৌরিবনি। অনীশুবা চহী মঙাগী থৌরাংগী মখাদা ওকননবা শেলসি কদায়দৈ, করিদৈ ফংননবা হোৎনগদগে হায়বসে অরুবা রাফম অমা ওইখ্রিবনি। অনৌ অনৌবা খাজানা কয়াসু লৌখৎখি। অদুম ওইনমক হেক য়ামখৈ খাজনা খোমগংতুনা অরাৎপা শেনফম মেনখৎনবা হোৎনখি।

চহী মঙাগী থৌরাং অসিদা তৌগদৌরিবা খরচ অসি য়াম্না চাউমল্লি ভারতকী চাগাগা য়েংনরুরবদি। খরচ খর হন্থনবৈদমক থৌরাং অসি খরা শেমদোক শেমজিন তৌসি হায়বসু য়াওখি। অচা অথকী মমল অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎপনা অনৌবা খাজনা লৌথৎলবদি প্রজাদা পোৎলুম অমা থোকনি হায়বসু য়াওখি।

রাক্মসি চুমদবা নত্তে। অদুনা থৌরাং অসি মপুং ফাহনবৈদমক প্রজানা মশা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্নুনা হোৎনবা তারি।

চহী মঙাগী থৌরাংদা মরু ওইনা পায়খৎলিবা থবক্তি ইন্দস্ত্রি চাওখৎনবা হোৎনবনি। লৌউশিংউবা অমদি হীরম অতৈদা চাওখৎনবা হোৎনবনা মথংদা পীবনি। ইন্দস্ত্রি চাওখৎনবা হোৎনবদা অহানবদা শেল য়াম্না চঙগনি অদুগা মমৈদনা মহয় চাউনা চাবা ফংগনি। ঐখোয়গী লৈবাক্না অমুক্তংবু ইন্দস্ত্রিদা চাওখৎপ্রবদি মতুংদা অমুক হন্না মীরৈবাক্তগী মেছিন অচৌ অচৌবা লৈননবা শেল থরূচ তৌরগোই। পোৎথোক্কী শেলচংস্তু হস্তরগনি। মীপুম খুদিং থুংনা থবক পীবস্তু ঙম্নগনি। ইন্দস্ত্রি অচৌবা লিংখৎতুনা মখল মখা অয়াম্বা মেছিন্না শাবা ঙম্নবদি লৌউ শিংউবৈ মায়কৈদস্তু তেংবাংবা ঙম্নগনি।

চহী মঙাগী থৌরাংশিংসি মপুং ফানা পাঙথোকলগা ঐখোয়গী দেশকী ইরৈবাকী চাওখৎ থৌরাং লোইবা নৎত্রি। চাওখৎপা হায়বসিগী ঙমথৈ লৈতে। তত্তুনা চ্যোনবা ঈচেলগুম্বনি। পৃথিবীদা মীওইবনা লৈরিমথৈদি চাওখৎপৈ থাক নোংমা নোংমৈ অস্তুম হেগৎলকথিনি। কাবগীস্তু লোইবা নাইরোইদৌরি। থৌরাং অমা লোইথিবগা থৌরাং অমনা অমুক তুং ইল্লকদবনি। মহুতদা জাতিগী চাওখৎপা হায়বহু ওইগদৌরিবনি।

পঞ্চশীল

মনীং মথা তম্নবা ভারতবর্ষদা ইং ১৯৫৪ দা এপ্রিল থাগী তাং ২৯ দা পঞ্চশীলগী নীতি অসি ইহান হানবা ওইনা খঙনখি। হায়রিবা মুমিং অসিদা চীন লৈবাক্না ভারতকা নরুবা মন্ত্রী থন্নতুনা মরূপ ওইনা লৈননবৈদমক ৱারেপ তানখি। মসিদা তানখিবা ৱারেপ মঙা অতুগী মরমদা জবাহারলাল নেহরুনা অমসুং ভারতকী নেতা কয়ানা মফম মফম খুদিংদা শন্দোক্না তাকখিবনি।

পঞ্চশীল হায়রিবা অসি অনৌবা ধর্ম্ম তত্ত্ব অমা নত্তে। মসি থায়নদৈ ভারত্তা লৈরম্নবা চৎনরম্নবা নীতি অমনি। মসি উপনিষদ অমসুং ধর্ম্মগী লাইরিক কয়াদসু য়াওরিবনি। "পঞ্চশীল" হায়রিবা ৱাহৈ অসিমক বৌদ্ধ ধর্ম্মদৈ পূরকপা ৱাহয়নি। চহীচা কয়াগী মমাঙদা নিংথৌরেল অশোক্না অমসুং মরৈবাক নীংবা ভারত বাসী কয়ানা নীতি অসিবু খ্বাইদা শক খঙহনগ্রবনি। হৌজিকী ভারতনা পামলিবদি নীতি অসি নোনা অমুক হিংগৎহন্দুনা ভারত মচানা শান্তি ওইনা লৈজনবা হোৎনবনি।

মতম অতুদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রী ওইরম্বা নেহরুজীনা শন্দোকপীরম্বা পঞ্চশীলগী নীতি মঙা অতুদি পীরিবা অসিনী।

১) লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী মপুং ফানা মনীংমথা তমজববু ইকায়খুম্নগনি।

২) লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা লান্দারোই।

৩) লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী মন্নুংগী নত্রগা মপানগী থবকশিংদা খুৎ থিংজিল্লোই।

৪) লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী প্রদেশপু মচেৎ তাইন্দনা মপু অতুগী অধিকারব্ য়াগনি।

৫) লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী ফননবা খনগনি অমস্তুং মশা মশাগী চৎনবীদা চৎচরগস্তু শাস্তি ওইনা লৈমিন্নগনি।

লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা মনীং মথা তন্নবে মরীদা য়াম্না নকুবা মরী লৈনৈ। মসি ঐখোয়না নীতিশিং অসিদৈ শেংনা খঙলে। অহানবা নীতিনা তাকলি মতুদি ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক চাওখোকহন্নবৈদমক অতৈ অতোপ্পা লৈবাকপু জয় তৌতুনা লৌশিল্লোইদবনি। চাউরকস্তু পীক্রবস্তু জাতি খুদিংমক্না মাগী মশা হান্না লৈজরমলিবা লমথৈ অতুগী মন্নুংদা পেন্দুনা লৈগনি। অতুগা অতোপ্পা জাতিবুস্তু মখোয়না ইকায়খুম্নবা উৎকনি।

অচৌ অচৌবা জাতিনা লম কারাস্বদৈ পৃথিবীদা লানজাও হেক হেক থোক্লকপনি হায়বসি আলেকজেন্দারদৈ হৌরদুনা হিটলার ফাওবৈ ইতিহাসনা তাক্লি। অসিগুম্বা লম কারাস্বা অসিবু কোক-হমব। ওন্নবদি পঞ্চশীলগী অনীশুবা নীতি অসি লায়না ইনবা ওমগনি। ঐখোয়না অতোপ্পা লৈবাকী লমবু মিচৌতুনা য়েংলুরিবা কারাম্বা মিৎয়েং অতু হেক থাদোকপা ওদ্পা সুমিৎতা লৈবাক অমনা লৈবাক অমদা লান্দাগে হায়ররোই। শা লাম থে ক্লরোই।

অহুমশুবা নীতিনা করম তৌবগে হায়বদা জাতি অমনা

জাতি অমবু লান্দাতুনা লৌশিনগে খল্লবস্থ লৈবাক অতুগী মন্নুংগী শাসনগী থবক্তা খুৎ থিংজিন্নীংবৈ রাখল অমস্থ লৈরি। ইউরোপকী লৈবাক মচা মচা কয়াদা মরু ওইনা হঙ্গেরীদা রুসনা খুৎ খিংজিনবা উই। থিংজিন্দনবৈদমক ভারতনা অমদি জাতি কয়ানা য়েৎলি। অসিগুম্বা লম অমনা অতোপ্পা লম অমদা খুৎ থিংজিনবৈ তমথীরবা খুদম অমদি ইংরেজ অমস্থং ফরাসীনা ইজিপ্তা খুৎলায় থাখিবা অতুনি। অতুনা লৈবাক অমনা মখোয়গী মরৈবাকী ফননবা শীনবদা মখোয় মশা মশানা শীনজগবনি। কনানস্থ মতুদা খুৎ থিংজিল্লোইদবনি।

অমুক্তংবু পঞ্চশীলগী অহানবা নীতি অহুম অসিবু ইন্দুনা চৎথিবা ওল্লবদি মরীগুবা নীতি ইনবদা করিস্থ লুনা থোকলোই। জাতি খুদিংমক্না অধিকার মান্নন অমুক্তং উনবা ওল্লবদি হীরম খুদিংদা অমনা অমগী মতেং লায়না পীনগনি লায়না ফংনগনি। লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা অখণ্ড অহে থাদোক থাজিন তৌন-গনি। চিঙ্গাক রাৎলবস্থ পীনগনি প্রকৃতিগী প্রলয়না অরাবা পীরবস্থ কন্নবা ওল্লগনি। লম কোয়বা, শান্নবা, শিক্ষা, সংস্কৃতিগী প্রতিনিধি থানতুনা জাতি অমনা জাতি অমবু তেংবাংনবা ওল্লগনি।

মঙাশুবা নীতি অসিমদি মথক্কী মরী অসিবু পাঙথোকপা ওমথ্রগদি মরী অসিগী মহয় ওইহনবা য়ারে। জাতিশিংনা অমগা অমগা সম্মান ব্যবহার তৌনরবা, মীরৈবাক্তা লান্দাগে খল্লবা, মীরৈবাকী শাসন্দা খুৎ থিংজিল্লুদ্রবা, তেংবাংনতুনা অমনা অমগী চাওখৎনবা নীংনরবা অতু ওইরবদি পৃথিবীদা লৈরিবা জাতি খুদিংমক্না শান্তি ওইনা ঈংনা পানজবা ওল্লরগনি।

পঞ্চশীলগী নীতি অসি পৃথিবীগী জাতি কয়া মরুম্না য়াম্না য়ানীংনা লৌনরি। ইন্দুনেসিয়া, ব্রহ্মা, নেপাল, আফগানিস্তান, আরব, যুগোস্লেভিয়া, রুসনচিংবসু য়াখ্রে। ভারতকী নেতাশিংগা রুস, চিন, যুগোস্লেভিয়া, অমদি আরবকী নেতাশিংগা চৎথোক চৎশিন তৌনখরে। ভারতকী থৌইনশিনদৈ ইঙ্গ মার্কিনগা রুসকা চৎথোক চৎশিন তৌনখরে উনহনখ্রে। মখোয়গী মরক্তা লৈনরম্বা য়েংথীনবা ময়েং খরা তাহনখরে।

পঞ্চশীলদা মরাল পীশিনবা খরসু অতুম ময়াওরি। পঞ্চশীলনা ইউ, এন, ওগী মপাঙ্গল ময়েং তাহনবনিসু হায়রি। মসি য়াম্না লানথ্রবা রাফমনি। পঞ্চশীলদি রাজনীতিগী সংগঠন অমসু নত্তে। মসিদি শান্তি অমসুং অহিংসানা য়ুমফম ওইরগা শেম্বা ধর্ম্মগী সংগঠন অমনি। ইউ, এন, ওগী রাখল অমসুং লম্বীগসু থোইনা খেন্নবা লৈতে।

পঞ্চশীলগী নীতিশিং অসিদি রাখলনা খনবা মখৈদি য়াই অতুগা থবক্তা পাঙথোকপদি ওইথোক্তে হায়না হায়বসু য়াওরি। মসিমসু অরানবা রাফমনি। রাখলনা হান্না থৌরম পরেং অমা শাগৎলগা মতুংদা থবকলোমদা পাঙথোক্দবনি। জাতি খুদিংমকনা চীক্লা ঈংনা পানজবা পান্নবদি মখোয় মশা মশাগী ফীভমগা চুননবা পঞ্চশীলগী নীতি শোয়দনা পাংথোরকনি। ঈংনা পানবা পাম্বা মীনবু খৎনবা পামফম থোকপরা? নীংবু নীংলবদি ঈশ্বরনসু শোয়দনা তম্বীরকনি।

শল পূজা

পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থায়নদৈ হৌনা শলবু পূজা তৌনরকই। ভারতবর্ষস্মু শলবু পূজা তৌজবা লৈবাক অমনি। শলবু থীনা তৌবা মীবু অমাংবনি শোক্ক পন্নবা য়াদবা মীনি হায়না লৌনরম্মী। মসি নোংচুপ পঞ্জাব অমস্থুং সিন্ধু লৈবাক্তা লৈরম্বা অতেক অকায়দৈ অমদি খা-ভারতকী দ্রাবির জাতিদৈ ঐখোয়না য়াম্না শেংনা খণ্ডবা ঙম্মী। আর্য্যশিংস্থু শলবু য়াম্না লুনা তৌই পূজা তৌই। শলবু মখোয়গী নকুবা মরী মতাগুম থম্মী অমস্থুং য়োক্করম্মী।

অষ্টেলিয়াগী চাওখৎত্রিবা কাণ্ডবুস্থু মখোয়দা খ্বাইদৈ কান্নবা শা অদুবু মখোয়গী মরী মতা থোক্কবগুম্না য়োকই থাকই। মখোয়-গুম্না ঐখোয় ভারত মচাস্থু শল য়োকই। শাশক খেন্নবত্তনি। লাঙ্গৈরবা ভারত মচাগীদি শল য়াওদবা য়াদে। ভারতকী অয়াম্বা মীশিংদি লৌউবনি। লৌ উবত্তনা মখোয়গী মথৱায় হিংনরিবনি। শলনা মখোয়গী থৱায়নি, মখোয়গী ললনি। শল য়াওদনা মখোয়না হিংবা ঙমদে।

হৌজিক ঐখোয়গী সরকারনা লৌউবদা ট্রেক্টরনা শলগী মহুৎ শিন্দুনা লৈপাক খোইননবা হোৎনরি। অদুবু ভারতকী অবস্থা মুম্না খণ্ডবা মীনদি শলগী মহুৎ ট্রেক্টরনা থরগী মখৈ শিনবা য়ারবস্থু পূনশিন শিনবা য়ারোই হায়বসি খণ্ডনরবনি। মেছিন কা হেন্না

শীজিন্নবদৈ পৃথিবীদা অশান্তি থোক্লি। অতুনা ঐখোয়গী ভারত-বর্ষদসু মেছিন শীজিন্নবসি সরকারনা থরায় য়াওনা হোৎনরবসু লৌউবশিংনা য়ানীংদে। মসি লাইরিক লাইশু হৈত্তবদৈ অমদি চুশিন্দুনা লৈরক্লবা চৎনবীদা থাজবনসু মরম ওইরম্বা য়াই। খুঙ্গংগী শান্তিবু মখোয়না থুগায়নীংদে। "অনৌবা" পোৎশক্কী মগুণবু মখোয়না মায়থীবা পীনীংঙি।

ভারতবাসীবু মশক মুন্না খঙলবা ভারত জাতিগী পম্থৌ মহাত্মাজী অমসুং মরৈবাক নীংবা অতৈ পূকচেল চাউবশিংনদি হায়রি "নোংচুপকী শিক্ষানা মপুন্সী শেমগৎলকপা কাঙবুদি নোংচুপ লমদমদা শীজিন্নরিবা নোমুনা মওং মতৌ শীজিন্নবা পামগনি। অতুবু ভারতপু মশক মুন্না খঙলবা মহৈ মশিং হৈরবা কাঙবু অমা থোরক্লবদি নোংচুপকী মতৌ তম্বদা চ্যেকশিনবা তমগনি।" মহাত্মাজীনা হায়রম্মী "শল লোইবদি হিন্দুশিংগী থরায়না তাজরবা শিনফম্নি। হিন্দু পুন্নমকনা থাজনা য়ানরবা ধর্ম্মনি। শল লোইনীংদবা য়োক্লীংদবা হিন্দুদি অশেংবা হিন্দু নত্তে। শল হায়বা অসিদি হিন্দুশিংগী পূজা তৌনফম্নি, ইকায় খুম্নফম্নি। ঐ ইশামকসু মখোয়গী মরক্তা অমনি।"

শলবু মুংশিবা অসিদি ভারত মচাগীদি হেক পোক্লকপদৈ লোয়নরকগুম. থম্মোয়নুংদা হক্তুনা য়েক্লকপগুম্না উই। কামধেনুবু পূজা তৌজরবদি, অতুগা কামধেনুনসু থৌজানবিরবদি ঈশ্বরগী মফমদা নিজরিবা পুন্নমক থুংহনবী হায়না থাজনরি। জগৎকী মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণসু শনশেন শনঙাকই থরায় য়াওনা। মমাঙঙৈগী

রারীগী মতুং ইন্না 'নদিয়া' হায়রবা শল্লাবা অহুগী মচিনা পৃথিবীবু পুই হায়না থাজনব্রি।

শল য়োক্লরমবৈ মরম অসি ঐখোয়না থায়নগী হিন্দুগী রারী লাইরিক্কী রাদা য়াম্না কুপথনা নৈনরুদ্রস্নু হোৎপ্রবা মতমদা লৈরম্বা ইপা ইপুশিংগী মশা মউ ফরম্বা অহুনা তশেংনা খণ্ডনরম্বা রাফমনি। মশা মউ ফবদা থায়নগী মীগা হৌজিক্কী মীগা চাংদম্নরবদি থায়নগী মীদি হিংচাবনি। মপুন্সী শাংবস্নু থায়নগী মীনা হেল্লম্মী। মখোয়দি য়ামত্রবদা চহী ১০০ ফাওবা পুন্সীবা ঙাক্লনি। হায়রিবা চহী ১০০ অসি শোনদম নাদম্না উচিন নাচিন্না চহী অহুক পুন্সীরম্মী হায়বৈ রাফম নত্তে। মশা মউ ফনা তীক তীক লাউনা পুন্সীরম্বনি। থায়নদি নহা ওইনা, অঙাং ওইনা শিবসি খণ্ডনরমদে। পূম্নমক অসিগী মরুদি শলবীনা মরাং কায়না শঙ্গোম, মাখন ঘী, শঙ্গোম অফম্বা পীবননি।

ভারতপু শক খণ্ডনবা খুদমদি শলনা ওইগনি। মসিনা তাক-লিবদি ভারত অসি খুঙ্গংনা শাবনি, লৌউবগী লৈবাক্নি, শেনজাও পায়বা জমিদারগী লৈবাক নত্তে। ভারত অসি মেছিনগী লৈবাক নত্তে, ট্রেক্টরগী লৈবাক নত্তে শলগী লৈবাক্নি। শলবু য়োক্লে, লোইগে খত্রবদি জাতিবু লৈখা তাহনগে খনবনি। শলগী ধারাবু মুৎহনথ্রবদি জাতিস্নু মুৎপ্রগনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা শলবু নীংথিজনা পীজ পীথকপা মী তাঙডি। অহুনা মশা মউ ফবা শল কয়া লৈতবনি। শা-শল মশা ফত্রবদি ভারতনা লাঙ্গৈরবদি শোয়ত্রবনি।

ইং ১৯৩১ দা ভারতবর্ষদা লৈরম্বা শলগী মশীং কোটি ১২০ লোমনি। ইং ১৯৪১ দনা মতুগী শরূক অনীরোম শুখি। মসি তুমিং থুদিংগী ওইনা শলবী শন্নাও থাক্তনা শাহাংশঙদা হাংথ্রবা মতুংদা লেমহৌবা মশীংনি। শল য়োকপা লোইবদা সরকারনা মতেঙ পীগদবনি হায়বা অসিদা য়েংপা কাঙবু অমস্থু য়াওরি। মখোয় অতু অপঙবনি হায়না সরকারনা খঙবীখি। মরম অতুনা চহী মঙাগী থৌরাংদা শা শল মশা ফবা মশীং হেনগৎহন্নবগীদমক থৌরম পরেং অমা হাপ্লিখ্রিবনি।

ঐখোয়গী হকচাং অসি ফহনবা তারবদি শল মশা ফহন্দবা য়াদে হায়বা অসি রোয়েল কমিশননা হায়খি। অতুগা থায়নগী ভারতকী পাউরৌদস্থু হায়রি—"শা-শল নীংথিনা লুনা তৌবা মফমদা সভ্যতা লৈ. লম ফৈ, লৈহাও চেল্লি, মরু-মরাং মরাঙ কায়দা থোকই, অঙাং নুবী মশা ফৈ লাঈরবা অনংবা লৈজে, শেন্দোক্ষবা মী লৈতে।" পাউরৌ অসি অচুম্বমকনি। শলনা ঐখোয়গী থন্নায়নি পুন্সীনি। অতুনা শল লোইবা য়োকপদা পুক্নীং চঙগদবনি। ভারত-বর্ষদি অয়াম্বনা শল লোইবদা পুক্নীং চঙদে। শলগী শজীক ভত্তনা হুনবিদে, চুম্নতা শলজাবুংদা থাদোকই অতুগী মথক্তা শনজাবুং অতুস্থু শজীক মরাং কায়না ফংবস্থু নত্তে। চাওখৎলবা লৈবাক্তদি অস্নুম্না থক শল য়োক্লদে। মশানা থিহ্না চাজরুবা অতুভস্থু নত্তনা য়ুমদস্থু মতীক চানা চানা শজীক হুনবী।

মোংচুপ লমদমদদি ফজ ফজরবা মপুং মরৈ কানা চাউরবা শনবী লৈ। মখোয় অতুদি নোংমদা শঙোম মন অমরোম থোকই।

শঙ্গোম অত্থুস্থু য়াম্না ফবা মাখন য়াম্না য়াওবা জাৎনি। শলশিং অত্থু অম্মুক্কী মতীক মশা মউ ফগ্রে নোয় পেনগ্রে য়েংবদা মুংঙাইবা অমা পোকই। অত্থুবু শল য়োকপা অসি ভারতবর্যদদি অরুবা থবক অমা ওইনা লৈরি। শলগী কাম্নবা পূম্নমক অসি খঙনরক্লুত্থুনা মনীং মখা তম্লবা ভারতনা চহী ৫ গী থৌরম পরেংদা শল মশা ফবা থোকহম্নবৈদমক শেল হাপলি শেল কাইরি। চহী খুদিংগী মশা ফবা শল উৎননবা মফম মফম খুদিংদা সরকারনা সীনবিরী। অত্থুগা খ্বাইদৈ মশা মউ ফবা শলদা মনা চাউনা চাউনা পীবিত্থুনা অয়োকপা মপুবু থৌগৎপীরি। মথংগী চহীদা হেম্না মশা ফবা শল য়োক্তুনা পুথোরক্লুবা হোৎনরি। অত্থুদৈ হেনদোক্লত্থুনা মশা ফত্তবা শল য়াওরক্লুবস্থু মত্থুবু লায়েংনবা হোৎনবিরি। ডাক্তরখানানচিংবা লিংবীরি। মরু ওইনা খুঙ্গংদা খুদোংচাবা কয়া পীনবা হোৎনবীরি।
